# সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টকী স্কিমশিং

**স্কিম** **লমায়**


| | | | |
|---|---|---|---|
| ১) | অটল পেন্সন যোজনা | – | ২ |
| ২) | সেন্ট্রেল গভর্নমেন্ট হেল্‌থ স্কিম | – | ৩ |
| ৩) | দীন দয়াল উপধ্যায় গ্রামীন কৌশল্য যোজনা | – | ৩ |
| ৪) | ডিজিটেল ইন্দিয়া | – | ৪ |
| ৫) | প্রধান মন্ত্রি গ্রামীন আৱাস যোজনা ( সি এম জি এ ৱাই) | – | ৯ |
| ৬) | প্রধান মন্ত্রি মাতৃত্ব বন্দনা যোজনা ( সি এম এস ভি ৱাই) | – | ১২ |
| ৭) | ইন্টিগ্রেটেড চাইল্ড ডিভলপমেন্ট সর্ভিসেস | – | ১৪ |
| ৮) | স্বর্ন জয়ন্টি গ্রাম স্বরোজগার যোজনা | – | ১৭ |
| ৯) | জননি সুরক্ষা যোজনা (জে এস ৱাই) | – | ২০ |
| ১০) | জৱাহরলাল নেহরু নেসনেল অর্বান রিন্যুৱেল মিসন | – | ২০ |
| ১১) | কষ্টুর্বা গান্ধী বালিকা বিদ্যালয়া | – | ২৯ |
| ১২) | কিশোর বৈজ্ঞানিক প্রোতসাহন যোজনা | – | ৩১ |
| ১৩) | নেসনেল রুরেল এমপ্লোইমেন্ট গরেন্টি এক্ট ২০০৫ | – | ৩৩ |
| ১৪) | মেম্বরস ওফ পার্লিয়ামেন্ট লোকেল এরিয়া ডিভলপমেন্ট স্কিম | – | ৪১ |
| ১৫) | মিড ডে মিল স্কিম | – | ৪৩ |
| ১৬) | নেসনেল লিটেরেসি মিসন প্রোগ্রাম | – | ৫১ |
| ১৭) | স্মার্ট সিটিজ মিসন | – | ৫২ |
| ১৮) | ষ্টেন্দ অপ ইন্দিয়া | – | ৬৭ |
| ১৯) | প্রধান মন্ত্রী আৱাস যোজনা | – | ৬৮ |
| ২০) | রাষ্ট্রীয় স্বাস্থ্য বীমা যোজনা (RSBY) | – | ৭২ |
| ২১) | সাল্লা | – | ৭৩ |
| ২২) | সম্পূর্ণ গ্রামীণ রোজগার যোজনা | – | ৭৫ |
| ২৩) | নেসনেল রুরেল লাইল্লিহুদ মিসন (NRLM) | – | ৭৯ |
| ২৪) | অটল মিসন ফোর রিজুভিনেসন এন্দ অর্বান ট্রান্সফোর্মেসন (AMRUT) | - | ৮৩ |
| ২৫) | নেসনেল কেরিয়র সর্ভিস (ইন্দিয়া) | – | ৮৬ |
| ২৬ | প্রধান মন্ত্রী ভারতীয় জন ঔষধী পরি যোজনা কেন্দ্র | – | ৮৮ |
| ২৭) | সুকন্যা সমৃদ্ধী একাউন্ট | – | ৯৪ |

## ১)  অটল পেন্সন যোজনা

অটল পেন্সন যোজনা (স্বাবলম্বন যোজনা) :- স্কিম অসি অনওর্গনাইজ সেক্তরদা লৈবা মীওইশিংদা  পেন্সন পীনবা গর্ভনমেন্টকী থৌরাং অমনি। মসি ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা ইং ২০১৫গী বজেটতা পুথোকই। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র  মোডিনা মেগী তাং ৯দা চৎননবা লাউথোকই। ইং ২০১৫গী মে ফাওবদা পেন্সন স্কিম মখল খূদিংমক্তা ইন্দিয়াগী মীশিংগী ওইনা ২০% খক্তনি, মসিগী স্কিম অসিনা পেন্সনগী মশিং হেনগৎন্নবা পান্দম থল্লি।

### হিষ্ট্রি:

স্বাবলম্বন যোজনা অসি ইন্দিয়াগী অনওর্গনাইজ সেক্তরদা গর্ভনমেন্টনা বেক তৌবা  পেন্সন স্কিমনি। মসি পেন্সন ফন্দ রিগুলেটরি এন্দ ডিভলপমেন্ট ওঠোরিটি (সি এফ আর ডিএ) এক্ট ২০১৩না এডমিনিষ্টর তৌবা নেসনেল পেন্সন স্কিম (এন পি এস)তা জোইন তৌবা অনওর্গনাইজ সেক্তরদা লৈবা সিটিজন খূদিংমক্না মসিদা য়াওবা য়াই।

স্কিম অসিগী মখাদা ইং ২০১০–১১দা এন পি এস একাউন্ট হাংবা মীওই খুদিংমক্তা চহিদা ইন্দিয়া গর্ভনমেন্টনা লু : ১,০০০ (য়ু এস  $15) কন্ট্রিব্যুট তৌই অমসুং মথং  চহি ২০১১–১২, ২০১২–১৩ অমসুং ২০১৩–১৪ ফাওবা চৎনরম্মী। মসি চহিদা মেক্সিমম্  ওইনা লু : ১২,০০০ (য়ু এস  $150) ফাওবা কন্ট্রিব্যুট তৌই স্কিম অসি ফাইনান্স মিনিষ্টরনা ইং ২০১০–১১দা লাউথোকই। মসি ইন্দিয়া গর্ভনমেন্টনা গ্রান্ট তৌবা ফন্দনি।

স্কিম অসি অটল পেন্সন যোজনা হায়না খঙনরে অমদি সবস্ক্রাইব তৌবা ৱার্করশিং অসি চহি ৪০গী মখা ওইগদবনি, মসিদা য়াওরবা মীওইশিংনা চহি ৬০ শুরবা মতুংদা থা অমদা লু : ৫,০০০ (য়ু এস  $77)  পেন্সন ওইনা ফংগনি।

### স্কিম:

অটল পেন্সন যোজনাদা কন্ট্রিব্যুসন খুদিংমক পেন্সন ফন্দদা  থমগনি। স্কিম অসিদা য়াওবা য়ারবা পেন্সনগী একাউন্ট হোল্ডরদা চহি ৫গী ওইনা এ পি ৱাইগী স্কিম অসিদা চহি ১৮দগী ৪০ ফাওবদা লৈবা মীওইশিংনা কান্নবা লৌজগদবনি, মসিদা অপুনবা  কন্ট্রিব্যুসনগী 50% নত্রগা লু : ১,০০০ (য়ু এস  $15) দি সেন্ট্রেল গর্ভনমেন্টনা পুথোক্কনি, মসিদা অপিকপা শেনফমদু ওইনা পুথোক্কনি। চহি ৬০ শুবদা পেন্সন ফংবা হৌগনি। মরম অসিনা কন্ট্রিব্যুসন তৌবসি খ্বাইদগী তেনবদা চহি ২০ ওইগনি নৎত্রগা হেনবসু য়াই।

আধার  আই ডি অসি খ্বায়দগী মরু ওইবা ডোকুমেন্টনি। মসিনা খুদোং চাবা ফংগদবশিং অদুদা নূপী, অঙাং, নোমিনিশিং খৎন–চৈনবা থোক্তনবা লেপথোক্কনি। লৈফম অশেংবা উৎনবগীদমক্তা মশাগী ওইবা রেসন কার্ড নৎত্রগা বেঙ্ক পাসবুক পীশিনবসু য়াই।

স্কিম অসিদগী লু: ১,০০০ (য়ু এস $15) দগী লু: ৫,০০০ (য়ু এস  $77) ফাওবগী মনুংদা অপান্বা খনবা য়াই অমসুং থাগী হুনগদবা শেনফম অদু মতম চানা চাং নাইনা থিগৎকদবনি। সবস্ক্রাইবরশিংনা ফেজ অমগী মনুংদা পেন্সনগী শেনফম অসি হেনগৎহনবা নৎত্রগা তাথহনবা য়াই, অদুম ওইনমক চহি অমগী মনুংদা এপ্রিল থাদা তৌগদবনি। স্কিম অসিগী বেঙ্ক একাউন্টকা প্রধান মন্ত্রী জন ধন  যোজনা স্কিমগা লিঙ্ক তৌনগদবনি অমসুং কন্ট্রিব্যুসন অদু মতোমতা ডিডক তৌজগনি। মসিগী একাউন্টশিং অসি অয়াম্বনা জিরো বেলেন্সনা হাংদোকই। গভর্নমেন্টকী পান্দমদি স্কিম অসিগা মরি লৈনবা একাউন্টশিং অসি জিরো বেলেন্স লৈতনবা হোৎনগদবনি।

## ২.	সেন্ট্রেল গভর্নমেন্ট হেল্থ স্কিম

ইং ১৯৫৪দা মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়রনা স্কিম অসি হৌদোকখি। স্কিম অসিনা কোনশিল্লিবসি সিটিশিংদা লৈবা সেন্ট্রেল  গভর্নমেন্টকী শিন্মীশিং, পেন্সনরশিং অমসুং মখোয়দা তাংজদুনা হিংলিবা মীওইশিংনি। মসিনা মপুং ফাবা মেডিকেল কিয়র ফেসিলিটি ফংহনবদুনি। মসিনা মপুং ফাবা  মেডিকেল কিয়র ফেসিলিটি ফংহনবদুনি। হেল্থ স্কিম অসি ভুবনেস্বর, ভোপাল, চান্দিগর, বেঙ্গলোরনচিংবা সিটিশিং অসিদা হেল্থ স্কিম অসি হৌজিক্তি হৌদোক্লে।

**হিষ্ট্রি:**

ডিসপেন্সরিশিং অসি স্কিম অসিগী মরুওইবা মফমনি। মেডিকেল ওফিসারশিং, স্পেসিলিষ্টশিংনা গাইড তৌনবা মতম মতমগী ওইবা ইনষ্ট্রক্সন  কয়ামরুম শেম শাদুনা থম্মী। সেন্ট্রেল  গভর্নমেন্ট হেল্থ স্কিম অসি এলোপেঠিক অমসুং হোমিওপেঠিক্কী লায়েংদা খুদোং চাবা কয়ামরুম পীরি, অদুতসু নত্তনা আর্যুবেদ, য়ুনানি, যোগ অমসুং সিদ্ধনচিংবগী খুদোংচাবসু পীরি। সি জি ঐচ এসকী ষ্টাফশিংবু গাইড তৌনবা মতম মতমগী ইনষ্ট্রক্সন  কয়ামরুম পীরি।

## ৩)	দীন দয়াল উপধ্যায় গ্রামীন কৌশল্য যোজনা

স্কিম অসি ইন্দিয়াগী নহারোলশিংদা থবক পীনবা থৌরাং অমনি। ইং ২০১৪গী সেপ্টেম্বর তাং ২৫দা পণ্ডিত দীন দয়াল উপধ্যায়গী ৯৮-শুবা মপোক নুমিৎতা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর নিতিন গডকরী অমসুং ভেঙ্কৈয়া নাইডুনা  হৌদোকখি। স্কিম অসিগী পান্দমদি খুঙ্গংগী লায়রবা নহাশিংবু শেন-থুমগী ফিভম নিংতমহন্নবা অমসুং মালেমগী ওইনা থবক শুবগী মরী লৈনহনবনি। মসিনা চহি ১৫দগী ৩৫ ফাওবদা লৈবা নহারোলশিংদা খুদোং চাবা পীরি। স্কিম অসি নেসনেল রুরেল লাইফলিহুড মিসন (এন আর এল

এম)গী শরুক অমনি। মসিগী মরু ওইবা পান্দম অনি অদুদি – খুঙ্গংগী লায়রবশিংবু শেন-থুমগী ফিভম ফগৎহনবা অমসুং নহাশিংবু মতিক চাবা শিনফম লৈহনবদুনি। খুঙ্গংগী নহাশিংবু থবক পীনবগীদমক্তা ক্রোর ১,৫০০গী পান্দম থল্লি। প্রোগ্রাম অসিগী মখাদা গভর্নমেন্টকী স্কীল ডিভলপমেন্টকী থৌরাং ওইনা ছাত্রশিংগী বেঙ্ক একাউন্টতা ডিজিটেলগী মতেংনা কান্নবা ফংহনগনি।

## ৪) ডিজিটেল ইন্দিয়া

ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা গভর্নমেন্টকী ওইবা থবক থৌরমশিং অসি মপুং ফানা থুনা পাইখৎনবগীদমক্তা সিটিজনশিংগীদমক্তা ইলেক্ট্রোনিক্কী অমদি ওনলাইনগী ওইবা মচাক মথুম ফগৎনবা অমসুং ইন্টর্নেট কনেক্তিভিটি হেনগৎনবা, টেক্নোলোজিগী লমদা ফগৎনবা, লৈবাকসিগী ডিজিটেলগী লমদা চাউখৎ খোঙথাং পুরক্নবা ডিজিটেল ইন্দিয়া হায়বা কেম্পেন অমা মীয়ামগীদমক্তা হৌদোকই। মসিনা খুঙ্গংগী লমশিংদা অয়াংবা ইন্টর্নেটকী খুদোং চাবা পীবা য়াওরি। ডিজিটেল ইন্দিয়াগী মরু ওইবা কম্পোনেন্ট অহুম লৈ ; মদুদি :

ক) খুদোংথিবা য়াওদনা ফগৎহনবা অমসুং ডিজিটেলগী মচাক মথুমশিং মপুং ফানা অরেপ্পা লৈহনবা।

খ) গভর্নমেন্টকী থবক থৌরমশিং ডিজিটেলদা শন্দোকপা অমসুং

গ) মালেমগী ওইনা ডিজিটেলগী লমদা খঙহন-হৈহনবা।

ইং ২০১৫গী জুলাই তাং ১দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা ডিজিটেল ইন্দিয়া হৌদোকখি। মসি ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকী স্কিমশিং হায়বদি ভারত নেট, মেক ইন ইন্দিয়া, ষ্টার্টঅপ ইন্দিয়া এণ্ড ষ্টেন্দঅপ ইন্দিয়া, ইন্দষ্ট্রিএল কোরিডোরস, ভারতমালা, সাগরমালা, ডেডিকেটেড ফ্রাইট কোরিডোরস অমসুং য়ু ডি এ এন-আর সি এসগুম্বা লৌরবা অমসুং লৌনিংঙাই ওইরবা স্কিম মখল অমনি।

### হিষ্ট্রি:

ইং ২০১৫গী জুলাই তাং ১দা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা ডিজিটেল ইন্দিয়া হৌদোকখি। মসিগী মরু ওইবা পান্দমদি খুঙ্গংগী লমদমশিংবু হাই-স্পীদ ইন্টরনেট নেটৱর্ক্তা শম্নহনবা অমসুং ডিজিটেলবু খঙ-হৈবা হেনগৎহনবনি। ডিজিটেল ইন্দিয়াগী প্রোগ্রাম অসিগী মতুং ইন্না ইলেক্ট্রোনিক সর্ভিস ফগৎহনবা, পোৎ-চৈ পুথোকপা, শেমগৎ-শাগৎতুনা অনৌ অনৌবা পুথোকপা

অমসুং থবক পীবগী খুদোং চাবা পীবনচিংবনি। মসিগী মরু ওইবা পান্দম অহুম অদুদি :- (১) নাগরিক খুদিংমক্তা ডিজিটেলগী কান্নবা ফংহনবা, (২) গভর্নান্স অমসুং সর্ভিসতা কান্নবা ফংহনবা অমসুং (৩) নাগরিকশিংদা ডিজিটেলগী মগুন লৈহনবা অসিনি।

**ডিজিটেল ইন্দিয়া ইনিসিএটিভ:**

ভারত নেট প্রোজেক্ট অসি ভারত ব্রোডবেণ্ড নেটৱর্ক লিমিটেদ (বি বি এন এল)না পায়খৎপা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকী ডিজিটেল ইন্দিয়া (ডি আই) প্রোজেক্ট অমনি। ইং ২০১৮গী ডিসেম্বর ফাওবদা ভারত নেটনা খুঙ্গং ৬২৫,০০০ শম্নহনগনি।

**ফোকস এরিয়া:**

ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকী ডিজিটেল ইন্দিয়াদা য়াম্না মরু ওইবা পিলর মাপল লৈ। মখোয় অদুদি:-

১। ব্রোডবেণ্ড হায়ৱে

২। মোবাইল কনেক্তিভিটিবু য়ুনিভর্সেল এসেস ওইহনবা

৩। পব্লিক ইন্টরনেট এসেস প্রোগ্রাম

৪। টেক্নোলোজিগী মতেংনা ই-গভর্নান্স ওইহনবা

৫। সর্ভিসশিংদা ইলেক্ট্রোনিক্কী মতেংনা ই-ক্রান্টি ওইহনবা

৬। মী পুম্নমক্তা ই-পাউ খঙহনবা

৭। ইলেক্ট্রোনিক্কী পোৎ-চৈ পুথোকপা

৮। আই টিগী থবকশিং

৯। অর্লি হারভেস্ট প্রোগ্রাম অসিনচিংবনি।

**ইমপ্লিমেন্টেসন:**

অনৌবা ডিজিটেল সর্ভিসশিং - ভারত নেট, ডিজিটেল লোকর, ই-ইডুকেসন, ই-হেল্ঠ, ই-সোপ্পিং অমসুং নেসনেল স্কোলারসিপ পোর্টেল হায়রিবশিং অসি অনৌবা ডিজিটেল সর্ভিসশিংনি। ডিজিটেল ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইনা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা বোটনেট ক্লিনিং সেন্টরশিং লিংখৎলী।

*     নেসনেল, ই-গভর্নান্স প্লান মতুং ইন্না গভর্নমেন্টকী থবক থৌরমশিং ওনলাইন্দা খঙহন্নবা পান্দম থন্মী।

*     মাইগোভ. ইন হায়বসি পোলিসি অমসুং গভর্নান্সনচিংবগী আইডিয়া অমসুং লৌশিং ফংফম প্লেটফোর্ম অমনি। "খন্ন-নৈনবা" "থবক পাঙথোকপা" অসিনচিংবা অসি গভর্নান্সতা সিটিজনশিংগী এনগেজ তৌফম প্লেটফোর্ম অমনি।

*     য়ু এম এ এন জি (য়ুনিফাইদ মোবাইল এপ্লিকেসন ফোর নিউ-এজ গভর্নান্স) অসি ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকী ফ্রিৱায়র মোবাইল এপ অমনি, মসি সেক্যুর য়াম্না ওইবা মল্টি চেনেল, মল্টি প্লেটফোর্ম, মল্টি লিংগুএল, মল্টি সর্ভির্স ওইবা এপ মখল অমনি। মসিনা চেনেল ১২০০ হেন্না এসেস তৌই অমসুং ষ্টেট গভর্নমেন্টকী থবকশিং হায়বদি এনড্রোইডতা ইন্দিয়াগী লোনশিং, আই ও এস, ৱিণ্ডোজ অমসুং য়ু এস এস ডি দিভাইসশিং, আধার, ডিজি লোকর ভারত বিল পেমেন্ট সিষ্টেম, পান, ই পি এফ ও সর্ভিসশিং, পি এম কে ভি ৱাই সর্ভিসশিং, এ আই সি টি ই, সি বি এস ই, টেক্স এণ্ড ফি বিল পেমেন্টশিং, ইডুকেসন, জোব সর্চ, টেক্স, বিজিনেস, হেল্থ, এগ্রিকলচর, ট্রেভেল, রেল টিকেট বুকিং, বর্থ সর্টিফিকেট, ই-ডিষ্ট্রিক্ট ই-পঞ্চায়ট, পুলিস ক্লিয়রেন্স, পাস্পোর্ট অসিনচিংবদা কান্নবা পীদুনা এসেস তৌই।

*     ই-সাইন ফ্রেমৱার্ককী মতেংনা আধার শিজিন্নদুনা ডোকুমেন্টশিংবু ওনলাইনদা ডিজিটেল ওইনা সাইন তৌনবা খুদোং চাবা পীরি।

*     স্বচ্ছ ভারত মিসন (এস বি এম ) মোবাইল এপ অসি মীয়াম্না অমসুং গভর্নমেন্টকী ওরর্গনাইজেসনশিংনা স্বচ্ছ ভারত মিসনবু মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙম্নবা শীজিন্নৈ।

*     ই-হোস্পিটাল এপ্লিকেসন্না ওনলাইন রেজিষ্ট্রেসন, ফি পেমেন্ট তৌবা এপোইন্টমেন্ট, ওনলাইন ডাইগ্নোস্তিক রিপোর্ট, ওনলাইনদা ঈ লৈ লৈতে হায়বগী পাউ লৌবা মরুওইবা থবকশিংগী খুদোংচাবা পীরি।

*     ডিজিটেল এটেনডেন্স : ইং ২০১৫গী জুলাই ১দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা "এটেনডেন্স গোভ. ইন" হায়বা ৱেবসাইট লোঞ্চ তৌই। মসি গভর্নমেন্ট এমপ্লোয়শিংবু এটেন্ডেন্স রেকোর্ড তৌনবনি। মসিনা দিল্লীদা লৈবা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টকী ওফিসশিংদা কমন বাইওমেট্রিক এটেনডেন্স সিষ্টেম (বি এ এস ) অসি হৌদোকই।

*     বেক-এন্দ ডিজিটাইজেসন

ব্লেকমনি ইরাডিকেসন : ইং ২০১৬তা ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন বজেটনা টেক্স থিদবনচিংবা খঙনবগীদমক্তা ডেটা এনালাইটিক শীজিন্নবা টেক্নোলোজি ১১ হৌদোকখি। মসি শেমগৎনবা আই টি কম্পনিশিংদা খুদোং চাবা পী। ডিজিটেল লিটরেসি মিসন অসিনা খুঙ্গংদা লৈবা য়ুমথোং ক্রোর ৬তা কান্নবা পীগনি। টেক্নোলোজি অসিগী মতেংনা লৈবাকসিগী লৌউ-শিংউবগী পোৎথোক পুথোকপা কৈথেল ৫৫দা শম্নবা থৌরাং তৌই।

* সিটিজনশিংদা ডিজিটেলগী খুদোংচাবা

ডিজিটেল লোকরগী মতেংনা মরুওইবা ডোকুমেন্টশিং হায়বদি পান কার্ড, পাস্পোর্ট মার্ক সিৎ অমসুং সার্টিফিকেটনচিংবা অসি ডিজিটেল ওইনা ষ্টোর তৌবা য়াই। গভর্নমেন্টনা ইসু তৌবা মরু ওইবা ডোকুমেন্টশিং ডিজিটেল লোকরদগী ফংগনি। মসি আধারনা ওঠেন্টিকেসন পীবা সর্ভিসনি। মসিনা চে-চাং শীজিন্নবা হন্থহল্লী অমসুং গভর্নমেন্ট এজেন্টসিশিংগী ইলেক্ট্রোনিক ডোকুমেন্টশিং ভেরিফাই তৌবদা সিয়রিং তৌই। সিটিজন, ইস্যুঅর অমসুং রিক্বেষ্টর হায়বসি ডিজিটেল লোকরগী মরুওইবা ষ্টেকহোল্ডর অহুম্নি।

* বি পি ও এন্দ জোব গ্রোঠ : গভর্নমেন্টনা ষ্টেটশিংগী বি পি ওগী সিট ২৮,০০০ শেম্নবা থৌরাং তৌই অমসুং ষ্টেটকী গ্রাম পঞ্চায়ত খুদিংমক্তা কমন সর্ভিস সেন্টর অমমম্ লিংখৎলী।

* ই-সম্পর্ক ভর্নিকুলর সর্ভিস ইমেল সর্ভিস : ইন্দিয়াগী মীশিং 10% না ইংলিস ঙাঙঙী, মসিগী মনুংদা 2% না খুঙ্গংদা লৈ। মসি নত্তবা লেমহৌরিবা মীওইশিংদা মখোয়গী পুন্সিদা মমালোন্দা ডিপেন্দ তৌই। অদুম ওইনমক ইমেল এড্রেসেশিংদি ইংলিস লোলদা ওইনা শীজিন্নৈ। ইন্দিয়াগী খুঙ্গংশিং অসি ডিজিটেল ইন্দিয়ানা শম্নবা জিমেল য়াওনা ওফিস অমসুং রেডিফশিংগী ইমেল এড্রেসশিং অসি ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা রিজনেল লেঙ্গোইজদা ফংননবা চাওখৎনবা হোৎনৈ। ই-মেল প্রোভাইডর কম্পনিশিংনসু য়ানিংবগী ইঙ্গিৎ পী অমসুং মসিগা মান্নবা প্রোসেস তৌই। ইন্দিয়াদা বেজ তৌবা কম্পনি, ডেটা এক্সচেঞ্জ টেক্নোলোজি প্রাইভেট লিমিটেডনা ডেটামেল হায়বা মালেমগী অহানবা ফ্রি লিঙ্গুইষ্টিক ই-মেল এড্রেস অসি হৌদোকখি। হায়রিবা ই-মেল অসিদা ইংলিস অমসুং মীরমগী লোল ৩ (অহুম) হায়বদি আরাবিক, রুসিয়া অমসুং চাইনিজ লোলশিংসু য়াওহল্লী। মতমগী মতুং ইন্না লোল ২২ মুক ই-মেল সর্ভিস তৌনবা হোৎনরি।

**ট্রেনিং:**

ইং ২০১৯গী মার্চ ফাওবদা প্রধান মন্ত্রী গ্রামীণ ডিজিটেল সাক্ষরতা অভিয়ানগী মখাদা লুপা ক্রোর ২,৩৫১.৩৮ ওইবা খুঙ্গংগী য়ুমথোং ক্রোর ৬তা ডিজিটেল লিটরেসি হৈনবা পান্দম থম্মী। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা চিয়র লৌবা য়ুনিয়ন কেবিনেটনা ডিজিটেল ইন্দিয়া প্রোগ্রামগী মখাদা প্রধান মন্ত্রী গ্রামীণ ডিজিটেল সাক্ষরতা অভিয়ান (পি এম জি ডিসা) অসি হৌদোকখি। মসিগী মরু ওইবা পান্দমদি খুঙ্গংগী লমদমদা লৈবা মীওই ক্রোর ৬তা ডিজিটেল হৈহনবনি। মসিনা য়ুমথোং খুদিংগী মতিক চারবা মীওই অমমম্দা চাউরক্লা 40% মুক ডিজিটেল লিটেরেট খঙহনবদুনি।

**রিসেপসন:**

ডিজিটেল ইন্দিয়াগী প্রোগ্রাম অসিদা য়ু এস, জপান, সাউথ কোরিয়া, য়ু কে, কনাডা, অষ্ট্রেলিয়া, মলেসিয়া, সিঙ্গাপুর, উজবেকিস্থান অমসুং ভিএটনাম লৈবাকশিংনা ফেবরদা লৈ।

ইং ২০১৫ গী জুলাই তাং ১দা দিল্লীদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা ডিজিটেল ইন্দিয়া ৰিক হৌদোকপগী থৌরমদা ইন্দিয়া অমসুং মপাল লমগী টোপ সি. ই. ওশিংনা লু: লাক্ষ ক্রোর ২২৪.৫ (য়ু এস ট্রিলিঅন $ 3.4 ) শেনফম থাদনবা থবক পাইখৎলম্মী। মসিনা ইন্দিয়াগী ওইনা পঙতাং তাংদবা ইন্টরনেট ডিভাইসকী ওইবা স্মার্ট ফোন পুথোকপদা খুমাঙ চাউশিনগনি অমসুং ইন্দিয়াগী থবকশিংদা মতেং পাংবতা নত্তনা মপাল লমদগী পুশিল্লকপা পোৎশিংদগী মমলসু হন্থগনি।

ইং ২০১৫দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিগী খোঙচৎতা সিলিকোন ভেলি, সেন জোস, কালিফোর্নিয়াগী লুচিংবশিংনা ডিজটেল ইন্দিয়াদা সপোর্ট তৌরম্মী। ফেসবুক্কী সি ই ও মার্ক জুকরবর্গনা ডিজিটেল ইন্দিয়া সপোর্ট তৌবগীদমক্তা মাগী প্রোফাইল পিকচর ওন্থোকলম্মী অমসুং ফেসবুক্তা চেন অমা হৌদোকলম্মী অমসুং ইন্দিয়াগী খুঙ্গংদা ৱাইফাই হোটস্পোটশিংদা থবক তৌনবা অচেৎপা ফিরেপ লৌরম্মী। গুগলনা ইন্দিয়াগী রেলৱে ষ্টেসন ৫০০দা ব্রোডবেণ্ডগী খুদোংচাবা পীনবা থৌরাং লৌখৎলম্মী। মাইক্রোসোফ্‌টনা ইন্দিয়াগী খুঙ্গং লাক্ষ ৫দা ব্রোডবেণ্ডগী কনেক্তিভিতি লৈহন্নবা হোৎনৈ। ইন্দিয়াগী ষ্টার্টঅপ প্রোগ্রাম অসিদা ক্কালকোমনা য়ু এস ডোলর মিলিয়ন ১৫০ থাদগনি হায়দুনা লাউথোকই। ওরেকলনা ষ্টেট ২০দা স্মার্টসিটিগী ডেটা লৌদুনা প্লান্ট তৌরম্মী। অদুম ওইনমক ইন্দিয়াগী ওইনা সাইবর এক্সপার্টশিংনা ইনটরনেট.ও আর জিদা মসিগা মরি লৈনবশিং ফোঙদোক্তুনা

উৎলী অমসুং প্রাইম মিনিষ্টরগা জুকরবর্গ  অনিগী মরুপ–মপাং ওইবগী মওং অসি  য়াম্না হরাওনিঙাই ওইবা গভর্নমেন্টকী কট্রোভরসেল ওইবা ইনদাইরেক্ট এপ্রুবেলনি। দি ষ্টেটসমেন্টনা হায়রি মদুদি ‘‘প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিগী নুংগী ওইবা ৰাখল অসি কালিফোর্নিয়াগী ফাওরবা সোসিএল মেডিয়া ফেসবুক সি ই ও মার্ক জুকরবর্গনা সিলিকোন ভেলিদা থাজনিংঙাই ওইবা খুদোল ওইরে অমদি অতোপ্পা সোসিএল মেডিয়ানসু থাজনিংঙাই ওইরে অমসুং  সাইবর এক্তিবিটিশিং অসিদা নুংনাংনিঙাই ওইহল্লী। কাইনথংদদি নেটকি অচংবা পুথোক্কনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর ওফিসনা শেংদোকলম্মী। ডিজিটেল ইন্দিয়ানা রেলৰে ইন্দিয়াসু ফগৎলক্কবা হোৎনরি।

**ক্রিটিসিজম:**

একাডেমিক স্কোলারশিংনা আই সি টি ফগৎলকপগী মরমদা শন্দোক্লা ফোংদোকলম্মী। টেক্নোলোজিগী ওইবা কয়া অমসু পুথোকই। মালেমগী প্রোব্লেমশিং আই সি টিনা হন্থহল্লী। গভর্নমেন্টনা মীয়ামগী পোলিটিকেল অমসুং সোসিএলগী ওইবা পুম্নমক এদজস্ট তৌদুনা সোলুসন পুরক্কদবনি। টেক্নোলোজিনা ইনষ্টিট্যুসনেলগী মফমশিংদসু হেন্না ফগৎহল্লী, পোলিসিনচিংবা হোংদোক হোংজিন তৌদা টেক্নোলোজিনা কান্নবা কয়া অমা পী অমসুং মগুন লৈবা ইনষ্টিট্যুসন ওইহল্লী।

**ইম্পেক্ট:**

ইং ২০১৭ ফাওবদা ইন্টরনেট সবস্ক্রাইবর মিলিয়ন ৫০০ ফাওবা হেনগৎলী। ইং ২০১৫ গী ডিসেম্বরদা হরিয়ানাগী পঞ্চকুলা ডিষ্ট্রিক্টনা ডিজিটেল ইন্দিয়া কেম্পেনগী খ্বায়দগী ফবা ডিষ্ট্রিক্ট ওইরম্মী।

## ৫)     প্রধান মন্ত্রী গ্রামীণ আৱাস যোজনা ( সি এম জি এ ৰাই)

স্কিম অসি হান্নদি ইন্দিয়া আৱাস যোজনা (আই এ ৰাই) হায়না খঙনৈ, মসি ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা শেম্বা সোসিএল ৱেলফিয়র ফ্লেগসিপ প্রোগ্রাম অমনি, মসিনা  ইন্দিয়াগী খুঙ্গংশিংদা লায়রবগী য়ুম শাবি। ইং ২০১৫দা সহরগী লায়রবশিংগীসু য়ুম শাবিবগী স্কিম অসি হৌদোকলম্মী, অমদি ইং ২০২২ ফাওবদা লায়রবগী য়ুম পুম্নমক শাননবা পান্দম থম্মী। ইং ১৯৮৫দা, ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর রাজীব গান্ধীনা ইন্দিরা আৱাস যোজনা হায়না হৌদোকলম্বনি, মসি মিনিষ্ট্রি ওফ রুরেল ডিভলপমেন্টকি মখাদা খুঙ্গংদা লৈবা  বি পি এলগী মীওইশিংগীদমক্তা পায়খৎপা  মেজর ফ্লেগসিপ প্রোগ্রাম অমনি। স্কিম অসিগী মখাদা তম্পাক্কী লমদমদা লুপা ৭০,০০০ (য়ু এস  $1,000) অমসুং

চিংগী লমদমদনা লুপা ৭৫,০০০ (য়ু এস  $1,000)গী শেনফম পীগনি। হায়রিবা য়ুমশিং অসিদা হৌজিক্কানগী ওইবা খুদোংচাবশিং ফংহনগদবনি হায়বদি টোইলেট, এল. পি. জি. কনেক্সন, ইলেক্ট্রিসিটি অমসুং থক্নবা ঈশিং [ খুদম ওইনা – স্বচ্ছ ভারত অভিয়ান টোইলেট, উজ্বলা যোজনা এল. পি. জি. গ্যাস কনেক্সন, সৌভাগ্য যোজনা কনেক্সন অসিনচিংবা স্কিমশিং অসিনি ] য়ুমশিং অসি নূপীগী মিংদা লৈগদবনি নৎত্রগা মপুরোইবা অমসুং মাগী নূপীগী মিংদা লৈগদবনি। য়ুমশিং অসিগী বেনিফিসরি মপুনা মশাগী দায়িত্ব লৌজগদবনি অমসুং কন্ট্রেক্টর  এনগেজ তৌবসু কুপনা শেন্নদুনা য়েংশিনগদবনি। আই এ ৱাই য়ুম  খুদিংমক সেনিটরি লেটিন অমসুং মৈখু চেন্দবা চুলা শাগদবনি। মসিগীদমক্তা "টোটেল সেনিটেসন কেম্পেন"  নৎত্রগা রাজীব গান্ধী গ্রামীণ বিদ্যুতীকরন যোজনাগী মখাদা শেন লৌগদবনি। স্কিম অসি ইং ১৯৮৫দগী চৎনবা হৌরবনি, মসিনা খুঙ্গংগী মীশিংনা মশাগী য়ুম শাজবদা অতাবা মমলদা শাবা অমসুং শেনগী খুদোংচাবা ফংগনি।

**কন্টেন্ট:**

১) ফুল হিষ্ট্রি

২) পরপজ

৩) ইমপ্লিমেন্টেসন

৪) করেন্ট প্রোভিজন

৫) ইম্পেক্ট

**ফুল হিষ্ট্রি:**

ইং ১৯৮৫দা রুরেল লেণ্ডলেস এমপ্লোইমেন্ট গরেন্টী প্রোগ্রাম (আর এল ই জি পি )গী শরুক অমা ওইনা হৌদোকই। ইং ১৯৮৯দা ইন্দিরা আৱাস যোজনা (আই এ ৱাই) অসি জৱাহার রোজগার যোজনা (জে আর ৱাই) হায়না খঙনখ্রে অমসুং ইং ১৯৯৬তগী মনিং তম্না স্কিম অমা ওইদুনা লাক্লি। ইং ১৯৯৫–১৯৯৬তগী খুঙ্গংগী লমদমদা লৈরিবা খুৎ থোক্লবদা লৈখিদ্রবশিংগী লুখ্রাবী নৎত্রগা মচা–মশুশিং, থবক্তগী পোৎথারবা মীওইশিং অমসুং পোৎথারবা পেরামিলিটরি ফোর্সশিংসু স্কিম অসিনা কোনশিল্লি।

মমাংঙৌদগী ইন্দিয়া অসি লায়রবা অমসুং মী কূংনা তাবা লৈবাক অমা ওইবনা ইন্দিয়ানা নিং–খা তন্নকপদগী খুঙ্গংগী মীওইশিং অমসুং রিফ্যুজীশিংগী ময়ুম–মকৈ শাবদা পান্দম থমদুনা মতিক চাবা থবক পায়খৎলম্মী। মসিগী ফল ওইনা ইং ১৯৫০দগী য়াম্না কান্নবা হাউস সাইট কম কন্সট্রকসন এসিসটেন্ট স্কিম পায়খৎলম্মী। অদুম ওইনমক ইং ১৯৮৩ ফাওবদা সেড্যুল কাষ্ট সেড্যুল ট্রাইবশিংগী ময়ুম–মকৈ শেম্বী–শাবিনবা মীৎয়েং থমলম্মী অমসুং রুরেল লেণ্ডলেস এমপ্লোইমেন্ট গরেন্টী প্রোগ্রাম (আর এল ই জি পি)গী মখাদা বোন্দেদ লেবরশিংবু মনিং মখা তমহন্নবা থবক পায়খৎলম্মী। ইং ১৯৮৫–৮৬কী শেনবা চহিদগী আই. এ. ৱাই. অসি হৌদোরকপনি।

**পরপজ:**

স্কিম অসিনা সোসাইটিগী শোথরবা মীওইশিংদা শেন–থুমগী খুদোং চাবা পীবা অমসুং মখোয়গী লৈনবা ময়ুম–মকৈগী ফিভম ফগৎহনবনি। গভর্নমেন্টকী পান্দমদি ইং ২০১৭তগী টেম্পররি কচ্চা য়ুমশিংবু মগুন লৈবা অফবা য়ুম ওন্থোকপনি।

**ইমপ্লিমেন্টটেসন:**

ষ্টেটকী খুঙ্গংগী ময়ুম–মকৈ লৈজদবা মীওইশিংগী 75% ফন্দ খাক্তুনা থমগনি অমসুং লায়রবা মীওইশিংগীদমক্তা 25% না ৱেটেজ ওইগনি। ইন্দিয়াগী রেজিষ্ট্রার জেনেরেলনা ইং ২০০১দা ফোঙবা সেন্সসকী মতুং ইন্না ময়ুম–মকৈ লৈজদবা মীওইশিং লেপকনি।

স্কিম অসিবু মপুং ফানা পাঙথোকপা য়ানবগীদমক্তা ইং ২০১০গী জুলাই থাদা ''অৱাজ সোফট'' কৌবা সোফটৱায়ার অমা পুথোকই।

**করেন্ট প্রোভিজন:**

ইং ২০১১গী বজেটকী মতুং ইন্না লেফট ৱিং এক্সট্রিমিষ্ট (এল ডবলিয়ু ই) ডিষ্ট্রিক্ট শিংদা মীৎয়েং থমদুনা বি পি এল ইমুংশিংগী য়ুম শানবা আই. এ. ৱাইগী ফন্দ লুপা মিলিয়ন ১০০ (য়ু এস $1.5 বিলিয়ন) কাইথোকই। স্কিম অসিনা খুঙ্গংদা লৈবা মীওইশিংগী য়ুম শানবগীদমক্তা গভর্নমেন্টতগী ফাইনান্সিএল এসিসটেন্ট ওইনা লুপা লাক্ষ ১.২ (য়ু এস $ 1,800 ) ফাওবা ফংগনি অমসুং টোইলেট

শানবগীদমক্তা লুপা ১২,০০০ (য়ু এস $ 180) য়াওরি। অহেনবা ওইনা লুপা ৭০,০০০ (য়ু এস $ 100 )সু পুবা য়াই। খুদোংচাবা অসি লৌনবগীদমক্তা পি.এম.জি.এ.ৰাই.দা ওনলাইন্দা এপ্লাই তৌগদবনি।

**ইম্পেক্ট:**

স্কিম অসিগী মখাদা ইং ১৯৮৫দগী য়ুম মিলিয়ন ২৫.২ শাখ্রে। ভারত নির্মান ফেজ -১ প্রোজেক্ট অসিগী মখাদা য়ুম মিলিয়ন ৬ শানবা পান্দম থল্লম্মী অমসুং ইং ২০০৫-০৬তগী ২০০৮-০৯ ফাওবদা য়ুম মিলিয়ন ৭.১ শারম্মী। ভারত নির্মান ফেজ-২গী মখাদা অহেনবা য়ুম মিলিয়ন ১২ শানবা নত্রগা শেমজিন শাজিন্নবা প্লান তৌরম্মী।

ইং ২০০১ গী ওফিসিএল ফিগরগী মতুং ইন্না খুঙ্গংগী য়ুম মিলিয়ন ১৪.৮২৫গী অৰাৎপা লৈ।

## ৬) প্রধান মন্ত্রী মাতৃত্ব বন্দনা যোজনা ( সি এম এস ভি ৰাই)

স্কিম অসি অহানবদদি ইন্দিরা গান্ধী মাতৃত্ব সহযোগ যোজনা (আই জি এম এস ৰাই) হায়না খঙনরম্মী। মসি ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা মমা ওইবীশিংদা কান্নবা পীবা প্রোগ্রাম অমনি। মসি ইং ২০১০দা হৌদোকখিবনি অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ ৱুমেন এন্দ চাইল্ড ডিভলপমেন্টনা থবক ওইনা পাঙথোকপা হৌদোকখি। চহি ১৯ নত্রগা মসিগী মথক্তা লৈবা নূপীশিং অহানবা অঙাং উন্নবদা শেল-থুমগী খুদোং চাবা পীননবা স্কিম অমনি। নূপীশিংনা অঙাং উনরিঙৈ অমসুং অঙাং শেন্নরিঙৈদা মখোয়গী খুৎশুমল মাঙখিবশিং অদুগী খুৎশুমলগী কম্পেন্সেসন পীগদবনি। ইং ২০১৩দগী স্কিম অসি ‘‘নেসনেল ফুড সেক্যুরিটি এক্ট ২০১৩’’গী মখাদা অঙাং উন্নবগী খুদোং চাবা অসি লুপা ৬,০০০ (য়ু এস $ 92 ) পী। হৌজিক্তি স্কিম অসিগীদমক্তা খনগৎলবা ডিষ্ট্রিক্ট ৫৩দা পায়খৎলে অমসুং ইং ২০১৫-১৬ তা ‘‘হাই বর্ডন ডিষ্ট্রিক্ট’’কী অহেনবা ২০০ মুক্কী প্রাপোজেলশিং অন্দর কন্সিডরেসন্দা লৈরি।

মেটর্নিটি বিনিফিট প্রোগ্রাম অসিনা লৈবাকসিগী মফম খুদিংমক কোনশিল্লী। ইং ২০১৭কী ন্যু ইয়রগী ইবতা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা স্কিম অসিনা লৈবাকসিগী ডিষ্ট্রিক্ট ৬৫০ মুক কোনশিল্লে হায়না লাউথোকই। লাউথোকপসিনা মালেমগী ওইনা মমা শিবগী 17% অসিদা ইন্দিয়াগী ওইনদি য়াম্না কান্ননিংঙাই ওই। লৈবাকসিগী ওইনা মমা শিবগী চাং অসিনা ১,০০০ দা ৪৩ ওই। মমা অমসুং

অঙাং শিবগী মরু ওইবা মরমদি চিঞ্জাক্কী অৱাৎপা অমসুং মীরোল্লিঙৈ অমদি অঙাং উন্নবদা মেডিকেলগী খুদোংচাবা মপুং ফানা ফংদবননি।

**হিষ্ট্রি:**

ইং ২০১০দা ইন্দিরা গান্ধী মাতৃত্ব সহযোগ যোজনা (আই জি এম এস ৱাই) স্কিম অসি হৌদোকখি। ইং ২০১৪ দা স্কিম অসি মাতৃত্ব সহযোগ যোজনা হায়না খঙনরম্মী অমসুং ইং ২০১৭তা প্রধান মন্ত্রী মাতৃত্ব বন্দনা যোজনা ( সি এম এস ভি ৱাই) হায়না অমুক খঙনরে।

**প্রোগ্রামসিগী ওবজেক্টিভশিং:**

* মীরোল্লিঙৈ, অঙাং উন্নরিঙৈ অমসুং খোল্লাং পিথল্লিঙৈদা মতিক চানা পুক্লিং হকচাং নুংঙাইনা, চেকশিন্না অমসুং মতিক চানা ইনষ্টিট্যুসনল সর্ভিস ফংহনগদবনি।

* মচল শুবা চিঞ্জাক চাবা, অহানবগী থা ৬ অমসুং হেন্না ফীডিং তৌবদা নূপীশিংদা থৌনা হাপ্পিগদবনি অমসুং মীরোন্বী অমসুং খোল্লাং পিথল্লিবা মমাশিংগী মচল শুবা চিঞ্জাক অমসুং মশা মউ ফনা থম্নবা শেনগী তেংবাং ফংহনগদবনি। আই জি এম এস ৱাইনা ষ্টেট গভর্নমেন্টতা ফাইনান্সিএল এসিষ্টেন্স অসি গ্রান্ট–ইন–এড ওইনা পী।

**ইলিজিবিলিটি কন্দিসনশিং:**

চহি ১৯ অমসুং মসিগী মথক্তা লৈবা মীরোনবী নূপীশিংনা কেস ট্রান্সফর বিনিফিটকী মখাদা তাঙ্কক অহুমদা লুপা ৪,০০০ (য়ু এস $ 61 ) ফংবগী ইলিজিবল ওই হায়রিবসি মেটর্নিটি লিভ ফংবা মীরোনবীদি য়াওদে। নেসনেল ফুড সেক্যুরিটি এক্ট চৎনরকপদগী স্কিমগী শেনফম অসি লুপা ৬,০০০ (য়ু এস $ 92 ) দা হেনগৎলে অদুগা তাঙ্কক অনি থোক্না লুপা ৩০০০ (য়ু এস $ 46 ) অসি অনিরক পীরে।

স্কিম অসিগী মখাদা কেস ট্রান্সফর তৌবগী মওংশিং অদুদি:

→মীরোনবী মমা অমনা অহানবগী লুপা ৩,০০০ (য়ু এস  $ 46 ) অসি ট্রান্সফর তৌনবগীদমক (অনিশুবা পোকপগী অরোয়বা/মীরোনবা থা শুরবা নূপীশিংদা ) মখাগী ৰাফমশিং অসি খঙহনবা মথৌ তাই –

* মীরোনবা থা ৪গী মনুংদা অঙ্গনৱাদি সেন্টর (এ ডবলিয়ু সি)দা মীরোনবগী রেজিষ্টার তৌবা।

* অঙাং উন্নদ্রিঙৈ মমাংদা কেয়র সেসনদা অমুক্তগী তাদনা এটেন্দ তৌগদবনি অমসুং আইরন–ফোলিক এসিড টেব্লেট চাগদবনি অমসুং টিটি (টেটানস টোক্সোইড ইনজেক্সন) কাপথোক্কদবনি।

* অঙ্গনৱাদি সেন্টর নত্রগা হেল্থ কিয়র সেন্টরদা য়ামদ্রবদা কাউন্সেলিং অহুমলক্তি য়াওগদবনি।

→অনিশুবা ওইনা লুপা ৩০০০  (য়ু এস  $ 46 )  মমা ওইবীশিংদা কেস ট্রান্সফর তৌবদা (অঙাং উন্নরবা থা অহুমগী মতুংদা

* অঙাং পোকপগী রেজিষ্টার তৌবা

* অঙাং পোকপগা, চয়োল ৬ অমসুং চয়োল ১০ শুবদা ওপিভি অমসুং বিসিজি কাপথোকপিগদবনি।

* পোকপদগী থা ৩ ফাওবদা গ্রোঠ মোনিটরিং সেসনদা য়ামদ্রবদা অনিরক্তি চৎপিগদবনি।

→মমা ওইবীশিংদা স্কিমগী অহেনবা খুদোংচাবা পীবা:

* থা ৬কী ব্রেষ্টফিডিং নত্তনা কমপ্লিমেন্টরি ফিডিং তৌবগী মমাগী অয়াবা পীবা

* অঙাংদা ও পি ভি অমসুং ডি পি টি কাপথোকপিবা

* গ্রোঠ মোনিটরীংগী কাউন্সেলিং সেসন্দা য়ামদ্রবদা অনিরক চৎপিগদবনি অমসুং পোল্লবা মতুং থা ৩দগী ৬ ফাওবগী মনুংদা অঙাংগী চারিবা চিঞ্জাক অমসুং পীজরিবশিং য়েংশিনবিগদবনি।

অদুম ওইনমক মমা ওইবী অয়াম্বনা অসিগুম্বা খুদোংচাবা অসি ফংনবা মতিক চাবা কন্দিসনশিং শুদে।

## ৭)    ইন্টিগ্রেটেড চাইল্ড ডিভেলপমেন্ট সর্ভিসেস

স্কিম অসি ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকী প্রোগ্রাম  অমনি। মসিনা চহি ৬কী মখাগী অঙাংশিং অমসুং মমাশিংগী চিঞ্জাক, স্কুল কাদ্রিঙৈদা লাইরিক তম্বিবা অমসুং হকশেলগী খুদোংচাবা ফংহনবনি। স্কিম অসি ইং ১৯৭৫দা হৌদোকখিবনি অমসুং ইং ১৯৭৮দা মোরাজী ডেসাইনা মখা চৎথহনখিদ্রে। অদুবু টেণ্ঠ ফাইভ  ইয়র প্লান্দা অমুক হন্না হৌদোকলম্মী। টেণ্ঠ ফাইভ ইয়র প্লানগী আই সি ডি এস প্রোজেক্ট অসি খুঙ্গংগী লমদমদা লৈবা অঙ্গনৱাদি সেন্টরশিংগা মরি লৈনহল্লম্মী অমসুং ষ্টাফশিং অসি হকথেংননা থবক তৌহল্লম্মী। স্কিম অসিনা মশা মউ ফত্তবা অনাবশিং অমসুং চিঞ্জাক ৱাৎপশিং য়েংশিল্লম্মী। প্রোগ্রাম অসিনা নূপামচা অমসুং নূপীমচা খেন্নবা থমদনবা হোৎনরম্মী।

ইং ২০০৫দদি আই সি ডি প্রোগ্রাম অসিনা মচল শুবা চিঞ্জাক ফংহনবা ঙল্লমদবগী মরমদি প্রোগ্রাম অসি পায়খৎপদা খুদোংচাদবা মায়োক্লবা অমসুং লায়রবা ষ্টেট ওইবনা ফন্দ মতিক চাদবা অমসুং মফম খুদিংমক য়ৌহনবা ঙমদবনি। ইং ২০১২-২০১৩ গী ফাইনান্সিএল ইয়রদা, ইন্দিয়াগী সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা প্রোগ্রাম  অসিদা লুপা বিলিয়ন ১৫৯ (য়ু এস বিলিয়ন $ 2.4)   চাদিং তৌই। আই সি ডি এস প্রোগ্রাম অসিনা খুনাইদগী শোথরবা, মতিক চাদ্রবা অঙাংশিংগীদমক্তা মরু ওইবা থবক পায়খৎতুনা পাক চাউনা শন্দোরক্লি।

**বেক গ্রাউণ্ড:**

ইন্দিয়াগী অঙাং অয়াম্বা পোকপদগী হৌনা খুদোং চাদবা কয়ামরুম মায়োক্লে। ইন্দিয়াগী ওইনা অঙাং পোকপা শিবগী চাং অসি চাদা ৪৪নি। চহি মঙাগী মখা অঙাং শিবগী চাং অসি চাদা ৯৩নি অমসুং অনৌবা পোকপা অঙাং 25% না চিঞ্জাক, ইম্মুনাইজেসন অমসুং মহৈ-মশিং ৱাৎপনা অরুম্বা ৱাৎলী। ইন্দিয়াগী ওইনা খুদোংচাদবা কয়ামরুম লৈরি।

ইং ১৯৭৫দা নেসনেল পোলিসি ফোর চিলড্রেনগী মতুং ইন্না ইন্দিয়াদা আই সি ডি অসি হৌদোকখি। মালেমগী ওইনা ইমুং কয়ামরুম কোনশিনবা অমসুং ফুরুপশিংগী য়াইফনবা তৌবা চহি কয়া চংনা শেমগৎলবা স্কিমনি। স্কিম অসিনা ডিকেদ খরা অসিদা য়াম্না কান্নবা পীরি। ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনসু পাকথোক চাউথোক্লবা খোঙথাং পায়খৎলী।

**স্কোপ ওফ সর্ভিসেস:**

আই সি ডি এসকী মখাদা মায় পাক্লা চঙশিল্লিবা থবকশিংদি:

১। ইম্মুনাইজেসন

২। সপ্লিমেন্টরি ন্যুট্রিসন

৩। হেল্থ চেকঅপ

৪। রিফেরেল সর্ভিসেস

৫। প্রি স্কুল ইডুকেসন

৬। ন্যুট্রিসন এন্দ হেল্থ ইনফোর্মেসন

**ইমপ্লিমেন্টেসন:**

আই সি ডি এসনা চহি ৬কী মখাগী অঙাংশিংদা নুমিৎ খুদিংগী কিলো কেলোরি ৫০০ (প্রোটিন গ্রাম ১২–১৫ ফাওবা ) ফংহন্নবা হোৎনৈ। অদুগা মপুং–মরৈ ফারবা নূপীমচাশিংদনা নুমিৎ খুদিংগী গ্রাম ২৫গী প্রোটিন য়াওরবা কিলো কেলোরি ৫০০ পীনবা হোৎনৈ।

মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়রগী মখাদা পব্লিক হেল্থ ইনফ্রাষ্ট্রকচরনা ইম্ম্যুসনাইজেসন হেল্থ চেকঅপ অমসুং রিফরেল সর্ভিসশিংদা মতিক চাবা থবকশিং পায়খৎলী। ইং ১৯৭৫দগী য়ুনিসেফনা আই সি ডি এসকী চঙদবা য়াদ্রবা মচাক মথুম ফংহন্দুনা লাক্লি। ৱর্ল্ড বেঙ্কনসু প্রোগ্রাম অসিগীদমক শেন অমসুং টেক্নিকেলগী ওইবা মতেং পীদুনা লাকলি। আই সি ডি এস প্রোগ্রাম অসিগী চহিদা অঙাং অমগী চাদিং অসি চাংচৎতা $ 10 - $ 22 ফাওবনি। স্কিম অসি সেন্ট্রেলনা ষ্টেট গভর্নমেন্টতা স্পোন্সর তৌদুনা নোংমদা অঙাং অমদা লুপা ১.০০ (য়ু এস $ 1.5 ) ফাওবা কন্ট্রিব্যুসন তৌই। ইং ২০০৮দা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী মতুং ইন্না অঙাংশিংগী মশা মউ ফহন্নবা অমসুং চাউখৎলকপগী মওং মতৌ খঙনবা অমসুং য়েংশিনবগী থবক পায়খৎনবা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা আই সি ডি এস অমসুং নেসনেল রুরেল হেল্থ মিসন (এন আর ঐচ এম) অনিসি চৎননবা এদোপ্ট তৌই। ইং ১৯৯৭তগী চাউখৎক্লিবা লৈবাক ৬তা অসিগুম্বা ষ্টেন্দর লৈরবা প্রোগ্রাম অসি ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা ফগৎনবা হোৎনরম্মী। স্কিম অসিবু নিউ ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন চাইল্ড গ্রোঠ ষ্টেন্দর হায়না খঙনৈ অমসুং স্কিম অসিনা পোকপদগী চহি ৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংবু মখোয়গী ফিজিকেল গ্রোঠ, ন্যুট্রিসন অমসুং চৎথোক–চৎশিন্দা য়েংশিল্লম্মী।

**ইম্পেক্ট:**

ইং ২০১০ লোইবা ফাওবদা প্রোগ্রাম অসিনা খোল্লাং পীথক্লিবী মমা লাক্ষ ৮০.৬ অমদি চহি ৬ কী মখাগী অঙাং ক্রোর ৩.৯৩ কোনশিল্লে। প্রোজেক্ট ৬,৭১৯ গা লোইননা অঙ্গনৱাডি সেন্টর ১,২৪১,৭৪৯ লৈ। প্রোগ্রাম অসিনা মীয়ামগী কান্নবা থবক কয়ামুক তৌখ্রে অমসুং উৎখ্রে।

* অন্ধ্র প্রদেশ অমসুং কর্নাটকাগী ষ্টডি অমনা অঙাং খুদিংমক্কী নূপা-নূপী খাইদনা ৱাখলগী অমসুং সোসিএলগী ফগৎলকপা কয়ামরুম উৎখ্রে।

* ইং ১৯৯২দা নেসনেল ইনষ্টিট্যুট ওফ পব্লিক কোওপরেসন এণ্ড চাইল্ড ডিভলপমেন্টকী ষ্টডি অমনা ইন্দিয়াগী অঙাংশিংগী পোকপদা অরুন্বা শুদবা অমসুং অঙাং শিবা অসি ইম্ম্যুনাইজেসন অমসুং ন্যুট্রিসন মপুং ফাহন্দুনা য়াম্না ইমপ্রুভমেন্ট ওইরে হায়বসি কনফার্ম তৌরে। অদুম ওইনমক, ৱর্ল্ড বেঙ্কনসু ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংদা লৈরিবা য়েংশিনবিদ্রবা নূপীমচাশিংগী ফিভম ফগৎনবা লায়রবা অঙাংশিংদগী ইনাকখুনবা অঙাংশিংনা হেন্না শরুক য়ারিবা অমসুং খ্বায়দগী লায়রবশিংদা ফন্দ খ্বায়দগী লিক্লা পীবগী মপুং ফাদবা প্রোগ্রাম অসি মীয়ামদা খঙহল্লী।

## ৮) স্বর্ন জয়ন্টি গ্রাম স্বরোজগার যোজনা

স্কিম অসি ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা লৈবাকসিগী খুঙ্গং অমসুং সহরদা লৈবা লায়রবদগী লায়রবা মীওইশিংগী অয়েৎ-অপন লৈতবা ইনকম লৈহনবনি। স্কিম অসি ইং ১৯৯৯গী এপ্রিল তাং ১দা হৌদোকখি। আই আর ডি পি (ইন্টিগ্রেটেড রুরেল ডিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম, ১৯৮০) টি আর ৱাই এস ই এম, ডি ডব্লিউ সি আর এ (ডিভলপমেন্ট ওফ ৱুমেন ইন রুরেল এরিয়া ইন ১৯৮২) অমসুং ৱান মিলিয়ন ৱেল্স যোজনাগা পুন্সিন্নদুনা স্কিম অসি হৌদোকই।

এম জি এস ৱাই (স্বর্ন জয়ন্টি গ্রাম স্বরোজগার যোজনা) গী পান্দমদি খুঙ্গংদা সেল্ফ-হেল্প গ্রুপ শেমদুনা সেল্ফ-এমপ্লোইমেন্টকী খুদোং চাবা ফংহনবদুনি। মীয়ামগী ওইবা হৈ শিংবা অমসুং তৌবা ঙম্বশিং পুথোক্তুনা মখোয়গী ওইবা তৌবা য়াবা থবকশিং য়োকখৎনবা হৌদোকপনি। মসিগীদমক্তা এনজিওশিং, বেঙ্কশিং অমসুং ফাইনান্সিএল ইনষ্টিট্যুসনশিংনা শেন্থংশিং ফংহল্লী।

**ফাইনান্সিএল:**

স্কিম অসিনা হৌরকপদগী, সেল্ফ-হেল্প গ্রুপ মিলিয়ন ২.২৫ হেন্না লুপা ক্রোর ১৪,৪০৩ (য়ু এস বিলিয়ন $ 2.2) থাদদুনা লিংখৎখ্রে অমদি মীওই মিলিয়ন ৬.৬৯৭ হেন্না শেন্দোং ফংখ্রে। ইং ১৯৯৯গী এপ্রিল তাং ১দা খুঙ্গংদা লৈবা লায়রবশিংগীদমক্তা মশানা মশাবু থবক পীজনবগীদমক্তা স্বর্ন জয়ন্টি গ্রাম স্বরোজগার যোজনা (এস জি এস ৰাই) হৌদোকলম্মী।

**কন্টেন্ট:**

* ৱর্কিং ওফ ডি স্কিম
* ফন্দিং
* রিজল্ট

**ৱর্কিং ওফ ডি স্কিম:**

এস জি এস ৰাই স্কিমনা খুঙ্গংগী মীওই মিলিয়ন কয়াদা সেল্ফ এমপ্লোইমেন্ট খুদোং চাবা পী। পঙ্খোগী মনুংদা লৈবা মীওইশিংনা বেঙ্কতগী শেন্থং লৌথদুনা অমসুং গভর্নমেন্টকী সবসিদাইজগা লোয়ননা শেল্ফ-হেল্প গ্রুপ লিংখৎলি। এস ঐচ জি স্কিম অসিগী মরুওইবা পান্দমদি লায়রবা ইমুংশিংগী ফিভম ফগৎহনবগা লোইননা লেপ্পা লৈতনা ইনকম লাকহনবনি। স্কিম অসিগী মখাদা খুঙ্গংগী মীওইশিংনা পুনশিন্নদুনা মখোয়গী হৈ-শিংবা অমসুং তৌবা ঙম্বা পুথোক্নুনা এক্তিভিটি ক্লষ্টর হেনগৎহনগদবনি। এক্তিভিটি ক্লষ্টর অসিদা মীয়ামগী হৈ-শিংবা অদু ফংলিবা রির্সোসশিং অমসুং কৈথেলগী মওং মতৌগী মতুং ইন্না স্পেসিফিক এক্তিভিটি খনজগদবনি। এস ঐচ জি শিং অসিদা এন জি ওশিং, সি বি ওশিং, বেঙ্কশিং, শেল্ফ-হেল্প প্রমোটিং ইনষ্টিট্যুসনশিং অসিনচিংবনা এড সপোর্ট অমসুং ট্রেনিং পীবিগদবনি। গভর্নমেন্টনা মথৌ তৌহল্লিবা ডিষ্ট্রিক্ট লেভেল ডিভলপমেন্ট এজেন্সিশিং (ডি আর ডি এ) অমসুং ষ্টেট গভর্নমেন্টকা মরি লৈনবশিংনা ট্রেনিং অমসুং ফাইনান্সিএল এড পীবিগদবনি। প্রোগ্রাম অসিনা খুঙ্গংগী লমদা মাইক্রো ইন্তরপ্রাইজেসশিং লিংখৎপদা ফোকস তৌগদবনি।

এস ঐচ জিশিংগী মেম্বর অসি লম অমসুং মশা মউগী ফিভমগী মতুং ইন্না মেম্বর মশিং লেপকদবনি। মসিগীদমক্তা ষ্টেজ মখল অহুম থোক্লা থম্বা য়াই:

* গ্রুপ ফোরমেসন
* কেপিটেল ফোরমেসন থ্রু রিভোলভীং ফন্দ এন্দ স্কিল ডিভলপমেন্ট অমসুং

*   টেকিং অপ ওফ ইকোনোমিক এক্তিভিটি ফোর স্কিল জেনেরেসন

এস ঐচ জি শেন্দদা গ্রাম সভাদা য়াওবা লায়রবগী পঙ্খে মখাদা লৈবা (বি পি এল) মীওইশিংবু খনবিগদবনি। এস ঐচ জিশিং অসি ব্লোক কয়ামুক থোক্লা খায়দোকই অমসুং ব্লোক অমমম্দা তৌগদবা থবক মখল ৪–৫ মুক লৈ। এস ঐচ জি অসি মরুওইনা গভর্নমেন্টনা মথৌ তৌহল্লিবা ডি আর ডি এশিংগা মরি লৈনৈ অমদি লোকেল প্রাইভেট ইনষ্টিট্যুসনশিং, বেঙ্কশিং অমসুং পঞ্চায়টি রাজ ইনষ্টিট্যুসনশিংনা মতেং পাংঙি। খুঙ্গংগী মীওইশিংনা পুথোকলিবা পোৎথোকশিং অদু মার্কেটিং তৌনবগীদমক্তা গভর্নমেন্টনা মেলা, এক্সিবিসননচিংবা শিনবিগদবনি।

স্বর্ন জয়ন্টি গ্রাম স্বরোজগার যোজনা হায়বসি নেসনেল রুরেল লাইভলিহুড মিসন (এন আর এল এম) হায়না খঙনরে। স্কিম অসি য়ুনিভর্সেল ওইরগনি অমসুং ইং ২০১৪দদি লায়রবশিংগী ফিভম ফগৎলগনি।

**ফন্দিং:**

অপুনবা ইনভেসমেন্ট অসি লুপা ৭৫০০দগী তারবদি গভর্নমেন্টনা মীওই অমদা 30% তমক ফন্দগী অমসুং এস সি/এস টিগীদি ইনভেসমেন্ট অসি লুপা ১০,০০০দগী তারবদি 50% ফন্দ পী। অদুবু সেল্ফ-হেল্ফ গ্রুপকীদি ইনভেসমেন্ট অসি লুপা লাক্ষ ১.২৫ ওইরবদি গভর্নমেন্টনা 50% সৱসিডি পী। অদুম ওইনমক ইরিগেসন প্রোজেক্ট শিংগীদি শেলগী সবসিডি লৈতে।

সোসাইটিগী ওইনদি এস জি এস ৱাই অসি থোইনা কান্ননিংঙাই ওইদে। স্কিম অসিদগী এস সি/এস টি 50% নূপী 40% অমসুং নাস্মা শোইরবা 3% কান্নবা ফংখ্রে।

গভর্নমেন্টনা স্কিম অসিগী ফন্দ অসি সেন্ট্রেল অমসুং ষ্টেটকী ৭৫–২৫ বেসিস ওই।

**রিজল্ট:**

ইং ১৯৯৯দগী এস ঐচ জি মিলিয়ন ২.২৫২ লিংখৎখ্রে, মসিদা মী মিলিয়ন ৩.৫৫৪ কোনশিনলে। এস ঐচ জিগী শরুক অমা ওইনা মরোমদোমগী ওইবা সেল্ফ-এমপ্লোই মিলিয়ন ৩.১৪৩ কান্নবা ফংখ্রে। ইং ২০০৬–০৭তা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকী লুপা ক্রোর ১,২০০ য়াওনা অপুনবা লুপা ক্রোর ১৪,৪০৩.৭৪ ইনভেষ্টমেন্ট তৌই। অপুনবা বেনিফিসরিশিংগী মনুংদা ৪৫.৫৪ পর্সেন্টনা এস সি/এস টিনি অদুগা ৪৭.৮৫ পর্সেন্টনা নূপীনি।

ফিজিকেল এন্দ ফাইনান্সিএল প্রোগ্রেস সিন্স ইন্সেপসন

| | ১৯৯৯-২০০০ | ২০০০-২০০১ | ২০০১-২০০২ | অপুনবা |
|---|---|---|---|---|
| ফাইনান্সিএল প্রোগ্রেস(ইন ক্রোর) | | | | |
| টোটেল গভর্নমেন্ট এলোকেসন | ১৪৭২.৩৩ | ১৩৩২.৫০ | ৭৭৪.৫০ | ৩৫৭৯.৩৩ |
| টোটেল ফন্দ এভাইলেবল | ১৯০৭.৬৮ | ১৫১৮.৪০ | ১০৫৪.৭৭ | ৪৪৮০.৮৫ |
| টোটেল ফন্দ য়ুটিলাইজদ | ৯৫৯.৮৬ | ১১১৬.২৭ | ৪৯৯.৯৬ | ২৫৭৬.০৯ |

ফিজিকেল প্রোগ্রেস

ফিজিকেল এন্দ ফাইনান্সিএল প্রোগ্রেস সিন্স ইন্সেপসন

| | ১৯৯৯-২০০০ | ২০০০-২০০১ | ২০০১-২০০২ | অপুনবা |
|---|---|---|---|---|
| ফাইনান্সিএল প্রোগ্রেস(ইন ক্রোর) | | | | |
| শেল্লবা সেল্ফ-হেল্ফ গ্রুপশিং | ২৯২,৪২৬ | ৪৯২,৬৬৪ | ৪৭২,৩৫৪ | ৭৪২,৩৫৪ |
| ইনডিভিজুএল বিনিফিসরি | ৫৮৫,৯৫৬ | ৬৮৭,৬০২ | ৩০০,৭০০ | ১,৫৭৪,২৫৮ |
| মেম্বর ওফ এস ঐচ জি বেনিফিট | ৩৪৭,৯১২ | ৩৪৩,৮৭১ | ১৭৯,২৫১ | ৮৭০,০৩৪ |
| পুন্না শীজিন্নরবা স্বারোজগারীশিং | ৯৩৩,৮৬৮ | ১,০৩০,৪৭৩ | ৪৭৯,৯৫১ | ২,৪৪৪,২৯২ |

## ৯) জননি সুরক্ষা যোজনা (জে এস ৱাই)

স্কিম অসি ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা হৌদোকপা ''মাডর সেক্যুরিটি স্কিম'' হায়নসু খঙনবা স্কিম মখল অমনি। স্কিম অসি ইং ২০০৫গী এপ্রিল তাং ১২দা ইন্দিয়াগী প্রইম মিনিষ্টরনা হৌদোকই। লৈবাক অসিগী ওইনা মসিগী মরু ওইবা পান্দমদি অঙাং উনফম ইনষ্টিট্যুসনেলশিং অসি ফগৎহন্দুনা অঙাং অমসুং মমাশিংবু শিবগী চাং হন্থহনবনি। নেসনেল রুরেল হেল্থ মিসন (এন আর ঐচ এম)গী মখাদা মমা ওইবীশিংবু অশোয় অঙামদগী ঙাকথোকনবনি।

স্কিম অসিগী মখাদা অঙাং উনবা অমসুং অঙাং উনরবা মতুংদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবগীদমক্তা সেন্টরনা 100% পুথোকই। লায়রবা ইমুংশিংনা ইনষ্টিট্যুসনশিং অসিদা অঙাং উনবগী চাং হেনগৎলবদি স্কিম অসি মায় পাকলে হায়না লৌগনি।

## ১০. জৱাহারলাল নেহরু নেসনেল অর্বান রিন্যুৱেল মিসন

ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকী মিনিষ্ট্রি ওফ অর্বান ডিভলপমেন্টকী মখাদা সিটি মোর্দননাইজেসন তৌনবগীদমক্তা অচৌবা স্কিম অসি হৌদোকখি। চহি ৭ অসিদা স্কিম অসিগীদমক্তা বিলিয়ন $ 20 হেন্না ইনভেস্ট তৌখ্রে ইন্দিয়াগী অহানবা প্রাইম মিনিষ্টর জৱাহারলাল নেহরুগী মতুংদা, ইং ২০০৫গী ডিসেম্বর তাং ৩দা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহোন্না স্কিম অসি ওফিসিএল্লি হৌদোকই। মসি সিটিগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং মীওইবগী পুন্সি মহিং ফগৎনবা শেম্বা প্রোগ্রাম অমনি। ইং ২০০৫দা হৌদোকখিবা স্কিম অসি চহি ৭কী (মার্চ, ২০১২) প্রোগ্রামনি, মসিনা সিটিদা লৈরিবা মীয়ামগী থবকশিংদা ফগৎনবা ফেজ নাইনা থবক পায়খৎপনি। অদুবু প্রোগ্রাম অসি গভর্নমেন্টনা চহি ২গা (এপ্রিল, ২০১২দগী মার্চ ৩১,২০১৪ ফাওবা) শাংদোকই। জন্নরম হায়বসি ইন্দিয়াগী সিটিশিংদা লৈরিবা সহরগী কঙলোমরটশিংবু ফগৎনবা মিসন অমনি। জনরমগী সিটিশিংগী মীয়াম অমসুং শেল-থুমগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর, বেসিক সর্ভিসেস অর্বান পোর (বি এস য়ু পি)গী ফিভম ফগৎহন্দুনা ‘‘ইকোনোমিকেল্লি প্রদক্তিভ, ইফিসিএন্ট, ইকুইতেবল এন্দ রেসপোনসিভ সিটিশিং শেমগৎপদুনি। ৭৪শুবা কনষ্টিট্যিুসনেল এমেণ্ডমেন্ট এক্ট, ১৯৯২গী মতুং ইন্না ম্যুনিসিপাল গর্ভনান্স মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা ময়োন লমবু পাক শন্না শেমগৎপনি।

**কন্টেন্ট:**

১। ষ্ট্রকচর

* সব-মিসন

জনরমগী প্রোগ্রাম অসিদা মরুওইবা সব-মিসন অনি লৈ।

● সব-মিসন অসিদা মিনিষ্ট্রি ওফ অর্বান ডিভলপমেন্টনা অর্বান ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং গভর্নান্সকী থবকশিং মায়পুননা পাঙথোকই, মসিনা ৱাটর সপ্লাই অমসুং সেনিটরি, সোলিড ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট, রোড নেটৱর্ক, অর্বান ট্রান্সপোর্ট অমসুং ওল্ড সিটি ডিভলপমেন্টশিং অসিদা মরু ওইবা পান্দম থস্মী।

- সব-মিসন অসিদা মিনিষ্ট্রি ওফ অর্বান হাউসিং এন্দ অর্বান পোভর্টি এল্লেভেসননা সহরগী লায়রবশিংদা বেসিক সর্ভিস (বি এস য়ু পি) ফংহল্লী, মসিদা য়ুমলৈ কৈরৈ ফিভম চাদবশিংগী হেন্না ফগৎনবা মীয়েং চঙলি।

জন্নরমগী মখাদা য়ুমলৈ কৈরৈ ফগৎনবা অমসুং খুন্দা লৈতাহন্নবা ইন্টিগ্রেটেড হাউশিং এন্দ স্লম ডিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম (আই ঐচ এস ডি পি) লৈ।

মসিগী মথক্তা অতোপ্পা কম্পোনেন্ট অনি অমসু লৈ:- সব-মিসন অসিগীদমক্তা মিনিষ্ট্রি ওফ অর্বান ডিভলপমেন্টকী মখাদা অর্বান ইনফ্রাষ্ট্রকচর ডিভলপমেন্ট স্কিম ফোর স্মোল এন্দ মেডিয়ম টাউন (য়ু আই ডি এস এম টি) লৈ, মসিগী মরু ওইবা পান্দমদি ইন্টিগ্রেটেড ডিভলপমেন্ট ওফ স্মোল এন্দ মেডিয়ম টাউন (য়ু আই ডি এস এম টি) অমসুং এসেলেরেটেড অর্বান ৱাটর সপ্লাই প্রোগ্রামসি (এ য়ু ডব্লিউ এস পি) পুনশিন্নবনি। মসিগী মখাদা মরু ওইবা টাউন অমসুং সিটিশিংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং ফগৎহনবনি।

- মিনিষ্ট্রি ওফ হাউসিং এন্দ অর্বান পোভর্টি এল্লেভেসন (এম ঐচ য়ু পি এ) মখাদা ইন্টিগ্রেটেড হাউসিং এন্দ স্লম ডিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম (আই ঐচ এস ডি পি)গী সব-মিসন অসিনা ইং ১৯৯৩-৯৪দগী মীয়ামগী য়াইফ থৌরাং অমসুং মতিক চানা ঈশিংগী খুদোংচাবা য়েংশিন্দুনা লাক্লি। ইং ১৯৯১গী সেন্সসকী মতুং ইন্না মরু ওইনা মীওই ২০,০০০গী মখাদা লৈবাকশিংগীদমক্তা প্রোগ্রাম অসি হৌদোকই।

**ওবজেক্তিভ:**

- মিসন অসিগী মখাদা মপুং ফানা পাক-শন্না চাউখৎনবগীদমক্তা ইনফ্রাষ্ট্রকচর সর্ভিসশিংদা মীৎয়েং থল্লী।
- সিটিশিংদা লৈরিবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর সর্ভিসশিং অসি হেন্না মগুন লৈনা পাঙথোক্লবা অমসুং মশাগী ওইনা শেমগৎনবা এসেট ক্রিএসন অমসুং এসেট মেনেজমেন্ট মরি লৈনহনগদবনি।
- অর্বান ইনফ্রাষ্ট্রকচর সর্ভিসশিংদা খুদোংচাদবা থোক্তনবা ফন্দ মতিক চানা থাদগদবনি।

- অর্বানগী অকোইবদা লৈরিবা মফমশিং য়াওনা আইডেন্টিফাই তৌরবা সিটিশিং, আউট গ্রোঠশিং, অর্বান  কোরিডোরশিং অসি শেমগৎ শাগৎকদবনি অমসুং চাউখৎনবা প্লান তৌগদবনি।

- অর্বানগী লায়রবশিংদা মালেমগী য়ানরবা হিরমশিংদা মদুগী কান্নবা অমসুং খুদোংচাবা হেন্না ফংহনগদবনি।

- অর্বানগী রিন্যুৱেল প্রোগ্রাম পাইখৎকদবনি, হায়বদি খুদোং চাদবা থোক্তনবা সিটি অরিবা পুন্নমক রি-ডিভলপমেন্ট তৌগদবনি।

- অর্বানগী লায়রবশিংদা বেসিক সর্ভিসশিং ফংহনগদবনি অমদি মতম মতমগী ওইবা চানবা মমলদা সেক্যুরিটিগী খুদোং চাবা ফংহনগদবনি; য়ুমলৈ-কৈরৈ, শীজিন্ননবা অফবা ঈশিং অমসুং ইরম-নলাগী ফিভমসু ফগৎহনগদবনি। গভর্নমেন্টকী ওইবা মহৈ-মশিংগী ওইবা য়ুনিভর্সেল সর্ভিসশিং, হেল্থ  অমসুং সোসিএল সেক্যুরিটিসু মতিক চানা শুকশোয়-শোয়দনা ফংহনগদবনি।

**দ্যুরেসন:**

ইং ২০০৫গী ডিসেম্বরদগী হৌখিবা মিসন অসি চহি ৭কীনি। মতম অসিগী মনুংদা মিসন অসিদা য়াওরিবা সিটিশিংনা শুকশোয়-শোয়দনা মওং মরিল তানা চাউখৎনবা হোৎনগদবনি। মিসন অসি মপুং ফানা ইং ২০১২গী তরামাথোইশুবা ফাইভ ইয়র প্লানগী মমাংদা লোইশিনগদবনি। মিসন অসি ইং ২০১৪গী মার্চ ৩১ ফাওবা চহি অনিগী ওইনা শাংদোকলম্মী।

**ইমপ্লিমেন্টেসন মেকানিজম:**

ফন্দশিং অসি ষ্টেট-লেভেল এজেন্সিশিংদগীনি, অদুগা গ্রান্টনা সেন্ট্রেল অমসুং ষ্টেট গভর্নমেন্টকী পুলনি, সিটিশিংদা শেমগৎ-শাগৎনবা গ্রান্ট ওইনা নৎত্রগা সোফ্ট লোন লৌবা য়াই অমসুং থবক অসিগীদমক্তা মতিক চানা ফিট ওইগদবনি। মিসন অসি মীয়াম খঙনা পুক্লিং চঙগদবনি অমসুং দায়িত্ব খঙনা তৌগদবনি। মসিনা পব্লিক-প্রাইভেট পার্টনরশিপতসু মতেং পাংঙী অমসুং সেল্ফ সষ্টেনিঙগী সর্ভিস প্রোভাইডরশিংনা  ফাইনান্সিএল্লি কোস্ত রিকোভর  শেমজগদবনি। সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টকী ফন্দিংগী প্লান্ট সিয়র অসি অচৌবা সিটিদনা 35% নি অদুগা নোর্থ ইষ্ট সিটিদনা 90% নি। সিটি অয়াম্বনা পাক চাউবগী মতুং ইন্না 50% নত্রগা 40% নি। মিসন অসিদা কেপাসিটি বিল্ডিংসু য়াওহনগদবনি অমদি মসিগী ষ্ট্রেটেজি অমসুং প্রোজেক্টশিং শেম-শাবগীদমক্তা অর্বান লোকেল বোডিশিংনা মতেং পাঙগদবনি। জন্নরমগী ফন্দ মখাদা প্রোজেক্ট তরাদি কোভর তৌরে, মসিদা রোড

নেটৱর্ক, ষ্টোর্ম ৱাটর ড্রেন, বস রেপিড ট্রানসিট সিষ্টেম, ৱাটর সপ্লাই, সোলিড ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট, সিৱেজ ট্রিটমেন্ট, রিভর এন্দ লেক ইমপ্রুভমেন্ট, স্লম ইমপ্রুভমেন্ট এন্দ রিহেবিলিটেসননচিংবশিংসিনি।

**কোভরেজ:**

জন্নরমগী গাইডলাইনগী মতুং ইন্না, ইং ২০০১গী সেন্সসকী মতুং ইন্না খনগৎলবা সিটিশিং / অর্বান এগ্লোমেরেসনশিং (য়ু এশিং)দা মখাদা পীরিবা নোর্মশিং/ক্রাইটরিয়াশিংসিগী মতুং ইন্না প্রোগ্রামশিং ইমপ্লিমেন্টেসন অদু খঙগদবনি।

i) ইং ২০০১ সেন্সসকী মতুং ইন্না মীশিং মিলিয়ন ৪গী মথক্তা লৈবা সিটিশিং/য়ু এশিং

ii) ইং ২০০১ সেন্সসকী মতুং ইন্না মিলিয়ন ১গী মথক্তা লৈবা অদুগা মিলিয়ন ৪দগী তাবা সিটিশিং/য়ু এশিং

iii) খনগৎলবা সিটিশিং/য়ু এশিং (ষ্টেট কেপিটেলশিং অমসুং অতোপ্পা সিটিশিং/ রিলিজিয়স য়ু এশিং/ হিষ্টোরিক এন্দ টুরিষ্টিক ইম্পোর্টেন্টশিং)

**ষ্টেট লেভেল রিফোর্মশিং:**

ইং ২০১২দা মিসন অসিগীদমক্তা চঙগদবা রিফোর্ম ১০দা মকোক ওইদুনা গুজরাটনা ষ্টেট পুম্বগী মকোক্তা লৈ। ষ্টেট ৫না রিফোর্ম ১০গী মনুংদা ৯দা মাংজিন থাই, মখোয়শিংদুদি:- টেলঙ্গনা, অন্ধ প্রদেশ, মহারাষ্ট্র, মধ্য প্রদেশ. উরিষা অমসুং উত্তর প্রদেশনি। ইং ২০০৯দা রিফোর্ম অসিগী এজেন্দাগী শরুক অমা ওইনা ষ্টেট ৫ অসিদা মীয়াম পুন্না খঙমিন্নবা অমসুং কম্যুনিটিশিংনা লোগী মতুং ইন্না থবক থৌরম পুম্নমক পাঙথোকপদা তপ্পা তপ্পা চাউখৎলকপনি। অদুম ওইনমক, ইং ২০১২দা লোগী মতুং ইন্না থবক থৌরমশিং পাঙথোকপদা ষ্টেট ৩১গী মনুংদা ২২ ওই অমসুং ষ্টেট ২৭না মীয়ামগী লো অসি চৎনরম্মী। ৱাটর সপ্লাই অমসুং সেনিটেসনগী মায়পুনদুনা ষ্টেট ২০দা ষ্টেট লেভেলদগী য়ু এল বিশিং ফাওবা চৎনরে অমসুং ষ্টেট ১৯না সিটি প্লানিং ফঙ্কসন তৌরে।

**সিটি লেভেল রিফোর্ম:**

ইং ২০১২দা সিটি লেভেল রিফোর্ম ৮ তৌবদা বিসাখাপটনম, সুরট অমসুং পুনেনা মশক থোক্লা পাঙথোকলম্মী। রিফোর্ম ৮গী মনুংদা চেন্নাই, গ্রেটের মুম্বাই অমসুং হাইদ্রবাদনা ৭তা মাঙজিল থাই। সিটি ৬৭কী মনুংদা ৩০না প্রোপর্টি টেক্স কলেক্সন্দা 90% টার্গেট তৌবদা মাঙজিল থাই, সিটি

২০ না ৰাটর সপ্লাই অমসুং সেনিটেসনদা মেন্টেনেন্স কোষ্ট রিকোভরি তৌবদা মাঙজিন থাই, সোলিড ৱেষ্ট কোষ্ট রিকোভরিদা সিটি ৮না মাঙজিন থাই।

**প্রোজেক্টকী সেঙ্কসনিং:**

ইং ২০০৯দা প্রোজেক্ট ৪১৫গী লুপা ৪৪০ বিলিয়ন (য়ু এস বিলিয়ন $ 6.7) ইনভেসমেন্টকী দরকার ওই, মসি এপ্রুব তৌরবা অপুনবা চঙগদবা প্রোগ্রামগী তঙ্খায়গা মান্নে। ষ্টেটশিংগী মনুংদা মিসন অসিগী মখাদা মহারাষ্ট্রগীনা খ্বায়দগী য়াম্না সেঙ্কসন তৌই। সিটিশিংগী মনুংদা বেঙ্গলোরনা খ্বায়দগী য়াম্না প্রোজেক্ট এপ্রুব তৌই।

**মিড টার্ম এপ্রাইজেল:**

ইং ২০০৯দা মিসন অসিগীদমক্তা মিনিষ্ট্রিগী সিঙ্গল ডিরেক্তোরেটনা গ্রান্ট ঠোর্নটোন ফার্মগা তান্নদুনা মিদ টার্ম এপ্রাইজেল লিংখৎলম্মী; কন্সলটেন্টনা সিটি ডিভলপমেন্ট প্লানশিং শেম্বদা সিটি এডমিনিষ্ট্রেসন য়াম্না য়াওহনগদবনি; এনভাইরোনমেন্ট অমসূং সোসিএল ইম্পেক্ট এসেসমেন্ট লৌরিঙৈদসু বোর্ডদা লৈবা ষ্টেক হোল্ডরগসু তান্নগদবনি ; নেসনেল প্রোক্যুমেন্ট মেন্যুএল ডিভলপমেন্ট প্রোজেক্টশিংগী এপ্রুভেল প্রোসেস ষ্টেজ অনি থোক্লা খায়দোকপা, রিফোর্মশিং ইমপ্লিমেন্ট তৌবদা ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফন্দিং তৌবগী মথক্তা ফাইনান্সিএল সপোর্ট অমসুং কেপাসিটি ডিভলপ তৌবা ; ষ্টেট লেভেলগী পব্লিক প্রাইভেট পার্টনর্সিপ অমসুং পুল ফন্দিং মেকানিজমশিংদা পোলিসিশিং শীজিন্নবা, খুদম ওইনা : টমিল নাড়ু অমসুং উরিষা অর্বান ডিভলপমেন্ট ফন্দশিং থন্বা অসিনি।

**সিটি কেটোগোরিশিংগী ফন্দিং সিয়র:**

ফণ্ডিংগী পার্সেন্টেজ

| | | |
|---|---|---|
| সিটি/ টাউন /য়ু এশিংগী কেটেগোরি | গ্রান্ট সেন্টর/ষ্টেট | ফাইনান্সিএল ইনষ্টিট্যুসনশিংদগী য়ু এল বি নৎত্রগা পেরা–ষ্টেটল সিয়র/লোন |

সেন্সস ২০০১গী মতুং ইন্না মিলিয়ন

৪গী মথক্তা লৈবা সিটি /য়ু এশিংগী

| | | |
|---|---|---|
| মীশিং | 35% 15% | 50% |

২০০১ সেন্সসকী মতুং ইন্না মিলিয়ন
১দগী হেনবা অদুগা ৪দগী তাবা

| | | | |
|---|---|---|---|
| সিটি /য়ু এশিংগী মীশিং | 50% | 20% | 30% |
| সিটি /টাউন/য়ু এশিং নোর্ঠ ইস্তর্ন স্টেট অমসুং জম্মু এন্দ কাশমির | 90% | 10% | - |
| মথক্তা পল্লিবশিংসি নত্তবা সিটি/ য়ু এশিং | 80% | 10% | 10% |
| সমুদ্র মপান্দগী কি: মি: ২০গী মনুংদা অমসুং অতোপ্পা অর্বানশিংগী মফমদা মমাংঙৈদগী অফবা ঈশিং ফংদবা অমসুং মতিক চাবা মফম লৈতবশিং অসিদা ডি–সেলাইনেসন প্লান্ট লিংখৎপা | 80% | 10% | 10% |

আইডেন্টিফাই তৌরবা সিটিশিংগী লিষ্ট

মখাদা পীরিবা সিটি/অর্বান এগ্লোমেরেসনশিং (য়ু এশিং) অসি জন্নরমগী মখাদা কান্নবা ফংলবশিংনি। মসিদা পীরিবা ডেটা অসি ইং ২০০১গী সেন্সসকী মতুং ইন্না লাক্ষতা পীবনি।

আইডেন্টিফাইড সিটি/অর্বান এগ্লোমেরেসনশিং সেন্সস ২০০১গী মতুং ইন্না(য়ু এ)গী লিষ্ট

মেগা সিটিশিং:

| নম: | সিটি/য়ু এ | ষ্টেটকী মমিং | মীশিং (লাক্ষ) |
|---|---|---|---|
| ১. | দিল্লী | দিল্লী | ১২৮.৭৭ |
| ২. | গ্রেটর মুম্বাই | মহারাষ্ট্র | ১৬৪.৩৪ |
| ৩. | হাইদ্রবাদ | টেলঙ্গনা | ৫৭.৭২ |

| | | | |
|---|---|---|---|
| ৪. | বেঙ্গলোর | কর্নাটকা | ৫৭.০১ |
| ৫. | চেন্নাই | টমিল নাড়ু | ৬৫.৬০ |
| ৬. | কোলকটা | ৱেষ্ট বেঙ্গল | ১৩২.০৬ |
| ৭. | অহমদবাদ | গুজরাট | ৪৫.২৫ |

মিলিয়ন–পল্স সিটি /য়ু এশিং:

| নম: | সিটি/য়ু এ | ষ্টেটকী মমিং | মীশিং (লাক্ষ) |
|---|---|---|---|
| ১. | পটনা | বিহার | ১৬.৯৮ |
| ২. | ফরিদ বাদ | হরিয়ানা | ১০.৫৬ |
| ৩. | ভোপাল | মধ্য প্রদেশ | ১৪.৫৮ |
| ৪. | লুধিয়ানা | পঞ্জাব | ১৩.৯৮ |
| ৫. | জয়পুর | রাজষ্ঠান | ২৩.২৭ |
| ৬. | লক্ষনৌ | উত্তর প্রদেশ | ২২.৪৬ |
| ৭. | মড়ুরাই | টমিল নাড়ু | ১২.০৩ |
| ৮. | নাসিক | মহারাষ্ট্র | ১৬.৫২ |
| ৯. | পুনে | মহারাষ্ট্র | ৩৭.৬০ |
| ১০. | কোচি | কেরলা | ১৩.৫৫ |
| ১১. | বনারস | উত্তর প্রদেশ | ১২.০৪ |
| ১২. | আগ্রা | উত্তর প্রদেশ | ১২.০৩ |
| ১৩. | অমৃতসর | পঞ্জাব | ১০.০৩ |
| ১৪. | বিশাখাপতনম | অন্ত্র প্রদেশ | ১৩.৪৫ |
| ১৫. | বড়োডরা | গুজরাট | ১৪.৯১ |
| ১৬. | সুরট | গুজরাট | ২৮.১১ |
| ১৭. | কানপুর | উত্তর প্রদেশ | ২৭.২৯ |
| ১৮. | গাগপুর | মহারাষ্ট্র | ২১.২৯ |

| | | | |
|---|---|---|---|
| ১৯. | কোইম্বটোর | টমিল নাডু | ১৪.৬১ |
| ২০. | মীরুট | উত্তর প্রদেশ | ১১.৬১ |
| ২১. | জবলপুর | মধ্য প্রদেশ | ১০.৯৩ |
| ২২. | জামশেডপুর | ঝারখন্দ | ১১.০৪ |
| ২৩. | আসানসোল | ৱেষ্ট বেঙ্গল | ১০.৬৭ |
| ২৪. | এলাহাবাড | উত্তর প্রদেশ | ১০.৪২ |
| ২৫. | বিজয়ৱাদা | অন্ত্র প্রদেশ | ১০.৩৯ |
| ২৬. | রাজকোট | গুজরাট | ১০.০৩ |
| ২৭. | ধনবাড | ঝারখণ্ড | ১০.৬৫ |
| ২৮. | ইন্দোর | মধ্য প্রদেশ | ১৬.৬৪ |

মিলিয়ন ১দগী তাবা আইডেন্টিফাইড সিটি/য়ু এশিং:

| নম: | সিটি/য়ু এ | ষ্টেটকী মমিং | মীশিং (লাক্ষ) |
|---|---|---|---|
| ১. | গুৱাহাটি | অসাম | ৮.১৯ |
| ২. | ইটানগর | অরুনাচল প্রদেশ | .৩৫ |
| ৩. | জম্মু | জম্মু এন্দ কাশমির | ৬.১২ |
| ৪. | রায়পুর | ছটিসগর | ৭.০০ |
| ৫. | পনাজি | গৱা | ০.৯৯ |
| ৬. | সিমলা | হিমাচল প্রদেশ | ১.৪৫ |
| ৭. | রাঞ্চি | ঝারখণ্ড | ৮.৬৩ |
| ৮. | টিরুৱনন্তপুরম | কেরলা | ৮.৯০ |
| ৯. | ইম্ফাল | মণিপুর | ২.৫০ |
| ১০. | শিল্লোং | মেঘালয় | ২.৬৮ |
| ১১. | আইজোল | মিজোরাম | ২.২৮ |
| ১২. | কোহিমা | নাগালেণ্ড | ০.৭৭ |
| ১৩. | ভুবনেশ্বর | উরিষা | ৬.৫৮ |
| ১৪. | গেংটোক | সিক্কিম | ০.২৯ |
| ১৫. | অগরতলা | ত্রিপুরা | ১.৯০ |

| | | | |
|---|---|---|---|
| ১৬. | দেহরাদুন | উত্তরাঞ্চল | ৫.৩০ |
| ১৭. | বোধগয়া | বিহার | ৩.৯৪ |
| ১৮. | উজ্জয়ন | মধ্য প্রদেশ | ৪.৩১ |
| ১৯. | পুরি | উরিষা | ১.৫৭ |
| ২০. | পুস্কর | রাজস্থান | ৫.০৪ |
| ২১. | নৈনিতাল | উত্তরাঞ্চল | ২.২০ |
| ২২. | মহিসুর | কর্নাটকা | ৭.৯৯ |
| ২৩. | মেঙ্গলোর | কর্নাটকা | ৬.২৩ |
| ২৪. | উডুপি | কর্নাটকা | ১.৬৫ |
| ২৫. | পোন্দিচেরি | পুডুচেরি | ৫.০৫ |
| ২৬. | চন্দিগর | পঞ্জাব, হরিয়ানা | ৮.০৮ |
| ২৭. | শ্রীনগর | জম্মু এন্দ কাশমির | ৯.৮৮ |
| ২৮. | মথুরা | উত্তর প্রদেশ | ৩.২৩ |
| ২৯. | হরিদ্বার | উত্তরাঞ্চল | ২.২১ |
| ৩০. | কোল্হাপুর | মহারাষ্ট্র | ৫.৫০ |
| ৩১. | গুন্তুর | অন্ধ্র প্রদেশ | ৭.৪৩ |
| ৩২. | কোল্লাম | কেরলা | ৩.৪৯ |
| ৩৩. | টিরুচিরাপ্পলি | টামিল নাডু | ৭.৫২ |
| ৩৪. | কত্তক | উরিষা | ৫.৩৫ |

***নোট:*** নেসনেল ষ্টিয়রিং গ্রুপনা ষ্টেট গভর্নমেন্টশিংদগী ফংলিবা সজেসনদা বেজ তৌদুনা কেটোগোরি ৬কী মখাদা (ষ্টেট কেপিটেলশিংদা নত্তনা ) সিটি/য়ু এ/টাউনশিং হাপকৎপা নৎত্রগা লৌথোকপা য়াই। অদুমওইনমক, অপুনবা সিটি মশিং অসি মিসন অসিগী মখাদা ৬০মুক ওইগদবনি।

## ১১) কস্থুর্বা গান্ধী বালিকা বিদ্যালয়া

ইং ২০০৪গী অগষ্টতা কস্থুর্বা গান্ধী বালিকা বিদ্যালয়া স্কিম অসি হৌদোকই, মদুদগী সর্ব্ব শিক্ষা অভিয়ান প্রোগ্রামগা পুনশিন্নখ্রে। মসিনা সেড্যুল কাষ্ট, সেড্যুল ট্রাইব, অডর বেকৱার্ড ক্লাসশিং, মহৈ-মশিংগী লমদা শোথরবা ব্লোকশিংদা লৈবা লায়রবগী পনখৈগী মখাদা লৈবা ইমুংশিং অমসুং মীশিং য়ামদবা ফুরুপশিংগী নূপীমচাশিংদা মহৈ-মশিংগী খুদোংচাবা ফংহনবনি।

**ওবজেক্তিব:**

জেন্দরগী খেন্নবা অসি হৌজিক ফাওবদা খুঙ্গংগী লম অমসুং চাওখৎত্রিবা ফুরুপশিংদসু লৈরি। ইলিমেন্টরি লেভেলগী নূপীমচাশিংগী এনরোলমেন্ট অসি নূপামচাশিংগা চাংদম্নবদা চাওনা খেন্নবা লৈ, মসি মরুওইনা অপ্পর প্রাইমারি থাক্তসুনি। কেজিবিভি(KGBV)গী মরু ওইবা পান্দমদি ফিভম চাদ্রবা গ্রুপকী সোসাইটীদা লৈবা নূপীমচাশিংবু রেসিডেন্ট স্কুল লিংখৎতুনা ইলিমেন্টরি লেভেলদা বোর্ডীংগী ফেসিলিটি পীদুনা মতিক চাবা ক্বালিটি ইডুকেসন ফংহন্নবা হোৎনবিগদবনি।

**ইলিজিবিলিটি:**

স্কিম অসি ইং ২০০৪গী সেন্সস ২০০১গী মতুং ইন্না খুঙ্গংগী লমদা নূপীনা লাইরিক হৈবগী চাং অসি নেসনেলগী চাংচৎতা (46.13% )দগী তাবা ইডুকেসনেল্লী বেকৱার্ড ব্লোকশিং (ইবিবি)শিংদা হৌদোকখি অমসুং সেন্সস ২০০১গী নেসনেল চাংচৎ 21.59%দগী মহৈ–মশিংগী লমদা নূপা নূপী খেন্নবনা হেল্লি।

১. নূপী লাইরিক লাইসু হৈবা পংলৈ লৈতবা অমসুং স্কুল চৎতবা নূপীমচা য়াম্না লৈবা ট্রাইবেলগী মীশিং পুন্না তাবা মফমদা,

২. নূপী লাইরিক লাইসু হৈবা পংলৈ লৈতবা অমসুং স্কুল চৎতবা নূপীমচা য়াম্না লৈবা এস সি, ওবিসি অমসুং মাইনোরিটিগী মীশিং পুন্না লৈবা মফমদা ;

৩. নূপী লাইরিক লাইসু হৈবা পংলৈ লৈতবা মফমশিং ; নৎত্রগা

৪. স্কুলগী খুদোং চাবা ফংদ্রবা মীশিং খরা খরা য়াম্না লৈবা, চোইনা চোইনা তাবা মফমশিং

ইং ২০০৪গী এপ্রিল তাং ১দগী মখাদা পীরিবা ব্লোকশিংগী ক্রাইটরিয়া হাপচিন্দুনা শেমদোক্লে;

- খুঙ্গংগী নূপীশিংগী লিটরেসিনা 30%দগী তাবা ইডুকেসনেল্লি বেকৱার্ড ব্লোকশিং ৩১৬ হাপচিনবা অমসুং

- মাইনোরিটিনা নম্না তাবা টাউন/সিটিশিং ৯৪ (মিনিষ্ট্রি ওফ মাইনোরিটি এফিয়রসনা আইডেন্টিফাই তৌরবা লিষ্ট) হায়বদি নূপীনা লাইরিক হৈবগী চাং অসি নেসনেলগী চাংচৎতগী তাবা (53.67%; সেন্সস ২০০১)

**কোভরেজ**

স্কিম অসি ষ্টেট ২৮ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা চৎনখ্রে; ষ্টেটশিং অদুদি: অসাম, অন্ধ্র প্রদেশ, টেলঙ্গনা, অরুনাচল প্রদেশ, বিহার, ছতিসগর, দাদরা এন্দ নগর হবেলী, দিল্লী, গুজরাট, হরিয়ানা, হিমাচল প্রদেশ, জম্মু এন্দ কাশমির, ঝারখণ্ড, কর্নাটকা, মধ্য প্রদেশ, মহারাষ্ট্র, মণিপুর, মেঘালয়, মিজোরাম, নাগালেণ্ড, উরিষা, পঞ্জাব, রাজস্থান, টমিল নাড়ু, ত্রিপুরা, উত্তর প্রদেশ, উত্তরাখণ্ড অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গল অসিনচিংবনি।

ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা কেজিবিভি ২৫৭৮ সেঙ্কসন তৌরম্মী। মসিগী মনুংদা মুসলিম্না নম্না তাবা ব্লোক্তা কেজিবিভি ৪২৭, এসটি ব্লোক্তা ৬১২, এসসি ব্লোক্তা ৬৮৮ সেঙ্কসন তৌরম্মী। ইডুকেসনেল বেকৱার্ড ব্লোকশিংদা অপুনবা রেসিডেন্সিয়েল স্কুল ৭৫০ হাংদোকলম্মী। এসসি, এসটি, ওবিসি অমসুং মাইনোরিটি কম্যুনিটিশিংগী নূপীমচাশিংগীদমক্তা এনরোলমেন্টকীদমক 75% রিজার্ভ তৌই অমসুং লায়রবগী পনখৈগী মখাদা লৈবা ইমুংশিংগীদমক্তা 25% ওই।

## ১২) কিশোর বৈজ্ঞানিক প্রোতসাহন যোজনা

কিশোর বৈজ্ঞানিক প্রোতসাহন (ইংলিস: য়ং সাইন্টিষ্ট ইনসেন্টিভ প্লান) (কে ভি পি ৱাই) অসি ডিপার্টমেন্ট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিনা শেল থাদবা স্কোলারসিপ প্রোগ্রাম অমনি, মসিগী মরুওইবা পান্দমদি বেসিক সাইন্সকী এরিয়াশিংদা রিসর্চ কেরিয়র শেমগৎনবা মহৈরোয়শিংদা পুক্লিং থৌগৎপনি। স্কিম অসিনা স্কোলার্সিপকী খুদোংচাবসু পীরি অমসুং খনগৎলবা প্রী পি এচ ডি মহৈরোয়শিংদা কন্টিঞ্জেন্সি গ্রান্টসু পীরি। স্কিম অসি ডিপার্টমেন্ট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা শেল থাদদুনা নেসনেল প্রোগ্রাম অমা ওইনা বেসিক সাইন্সতা ফেলোসিপ পীনবা চৎথরিবা প্রোগ্রাম অমনি, মসিনা থোইদোক হেন্দোক্লা টেলেন্ট লৈবা অমসুং বেসিক সাইন্সকী লমদা, সাইন্সকী রিসর্চকী লমদা কেরিয়র শেম্লিংবা মহৈরোয়শিংদা থোইদোক হেন্দোক্লা পুক্লিং চিংশিনহল্লী। প্রোগ্রাম অসিগী পান্দমদি রিসর্চকীদমক্তা টেলেন্ট লৈবা অমসুং মতিক চাবা মহৈরোয় খনগৎপনি অমদি মখোয়গী ষ্টডিদা মখোয়গী তৌবা ঙম্বা পাঙ্গলদু খঙবিদুনা মতেং পাংবনি ; সাইন্সকী লমদা রিসর্চ কেরিয়র শেম্বিদুনা থৌনা হাপ্পিবনি

অমসুং লৈবাকসিগী রিসর্চ অমসুং ডিভেলপমেন্টকী খ্বাইদগী ফবা সাইন্সকী ৱাখল্লোন লৈহন্দুনা চাউখৎ খোঙথাঙগী লমদা মায় ওনশিলহনবনি।

মহৈরোয়শিংগী সেলেক্সন অসি ক্লাস XI তমলিবশিংগীনা বেসিক সাইন্সতা অন্দর গ্রেজুএট ফর্ষ্ট ইয়র ফাওবনি হায়বদি সাইন্টিফিক রিসর্চ তৌগদবা বি.এম.সি/বি.এস/বি. ষ্টেট /বি. মেঠ / ইন্টিগ্রেটেড এম এস সি/এম এস ইন মেঠমেটিক্স, ফিজিক্স, কেমিষ্ট্রি অমসুং বাইওলোজি অসিনি। আই আই এস সি অসিদা স্পিসিএল গ্রুপ/কমিটিশিং শেমগৎতুনা লৈবাকসিগী সেন্টরশিং অসিগী এপ্লিকান্তশিংবু স্ক্রিনিং তৌবা অমসুং এপটিচ্যুড টেষ্ট তৌবা য়াই। এপটিচ্যুড টেষ্ট পর্ফোমেন্সকী মতুং ইন্না ফাইনেল ষ্টেজগী সেলেক্সন প্রোসেড্যুর তৌনবগীদমক্তা সোর্ট-লিষ্টকী মহৈরোয়শিং অদু ইন্টরভিউগী কৌগনি। ফেলোসিপ অসি পীনবগীদমক্তা এপটিচুড টেষ্ট অমসুং ইন্টরভ্যুগী মার্ক অনিমক্তা য়ুম্ফম ওইগনি।

ষ্ট্রীম এস এ, এস বি অমসুং এস এক্স অসিগী মেরিট লিষ্ট অসি এপটিচ্যুড টেষ্টকী মার্ক 75% ৱেটেজ ওইগনি অমসুং ইন্টরভ্যুগী মার্ক 25% ওইগনি।

- এস এগীদমক্তা ক্লাস XI সাইন্স ষ্ট্রিম তম্লিবা মহৈরোয় ওইগদবনি।
- এস এক্সকীদমক্তা ক্লাস XII সাইন্স ষ্ট্রিম তম্লিবা মহৈরোয় ওইগদবনি।
- এস বিগীদমক্তা ফর্ষ্ট ইয়র গ্রেজুএসন সাইন্স ষ্ট্রিম তম্লিবা মহৈরোয় ওইগদবনি।

ইং ২০১৫-১৬দা মহৈরোয় লাক্ষ অমমুক কে.ভি.পি.ৱাই. স্কোলারসিপ অসিগীদমক্তা পরিক্ষা থাবদা ক্লাস XIগী মহৈরোয় ৮৮১, ক্লাস XIIকী মহৈরোয় ১৫৫৪ অমসুং ফর্ষ্ট ইয়র গ্রেজুএটকী মহৈরোয় ৯৬ মায় পাকই।

**একজাম ডেট:**

কে.ভি.পি.ৱাই. ফেলোসিপ অসি টেক্নোলোজি ডে (মে ১১) নুমিৎতা অমসুং চহি খুদিংগী সেকেণ্ড সন্দেদা নেস্নেল ডেলিশিংদা এদভর্টাইজমেন্ট তৌই। মহৌশানা চহি খুদিংগী নবেম্বর থাদা এপটিচ্যুড টেষ্ট পাঙথোকই অমসুং জানুৱারি অমসুং ফেব্রুৱারি থাদা ইন্টর্ভ্যু পাঙথোকই। এপটিচ্যুড টেষ্টকী পরিক্ষা অদুগী পাউখুমগী কি অদু কেভিপিৱাই ওফিসিএল ৱেবসাইটতা নুমিৎ ১০দগীনা ১২ ফাওবদা ফোঙদোক্কনি। ইং ২০১৫-২০১৬কী এপটিচ্যুড টেষ্ট অসি ইং ২০১৭কী নবেম্বর তাং ১দা

পাঙথোকই অমসুং পাউখুম কিনা নবেম্বর তাং ৬তা ফোঙদোকই। অরোইবা এপটিচ্যুড পরিক্ষানা ইং ২০১৮গী এপ্রিল তাং ২৭তা পাঙথোকই। অদুবু ইং ২০১৬কী পরিক্ষাদি ইং ২০১৬কী নবেম্বর তাং ৬তা পাঙথোকই।

**রিৱার্ড:**

কেভিপিৱাই পরিক্ষা মায় পাক্লবা মহৈরোয়শিং অসি ফেলোসিপ ফংবা য়ারে। গ্রেজুএসনগী মহৈরোয়শিংনা ফাষ্ট ইয়রদগী ফেলোসিপ ফংলগনি। কেভিপিৱাই ফেলোসিপ অসি বি.এস.সি/বি. ষ্টেট/ বি.এস./বি. মেঠস/ইন্টিগ্রেটেড এম.এস/এম এস সি মহৈরোয়শিংনা ফাষ্ট ইয়রদগী থার্ড ইয়র ফাওবা থাগী লুপা ৫০০০ ফংগনি অমসুং চহিগী কন্টিঞ্জেন্সি গ্রান্টনা লুপা ২০,০০০নি। ফেলোসিপ অসি চহি ৩গী মতুংদা এম এস সি/ ইন্টিগ্রেটেড এম এস/এম এস সিগী ৪ অমসুং ৫শুবা চহিদা থা ১গী ওইনা লুপা ৭,০০০তা হেনগৎলী অমসুং চহিগী কন্টিঞ্জেন্সি গ্রান্ট লুপা ২৮,০০০ ওইগনি।

**ফল লাওথোকপা:**

মহৌশানা এপটিচ্যুড টেষ্ট অসিগী ফল অসি ডিসেম্বরগী থাখায়দা লাউথোকই। পরিক্ষাগী অরোইবা ফল এপটিচ্যুড টেষ্ট ইন্টর্ভ্যু) অসি চর্চকী থাখায়দা লাউথোকই। ইং ২০১৫–১৬কী এপটিচ্যুড টেষ্টকী রিজল্ট ইং ২০১৫গী ডিসেম্বর তাং ২১দা লাউথোকই অমসুং অরোইবা ফলনা ইং ২০১৫গী মার্চ তাং ২৬তা লাউথোকই। ইং ২০১৬–১৭কী এপটিচ্যুড টেষ্টকী ফলনা ইং ২০১৬কী ডিসেম্বর তাং ১৯দা লাউথোকই অমসুং অরোইবা ফলনা ইং ২০১৭গী মার্চ তাং ৩১দা লাউথোকই। ইং ২০১৭কী এপটিচ্যুড টেষ্ট ফলনা ইং ২০১৭কী ডিসেম্বর তাং ২২দা লাউথোকই অমসুং অরোইবা ফলনা ইং ২০১৮গী এপ্রিল তাং ৯দা লাউথোকই পরিক্ষা পাস তৌরবশিংগী ওরিজিনেল ক্বালিফাই কেন্দিডেটশিংদুদা চানবা পোষ্টশিংদা থবক পীগনি।

## ১৩) নেসনেল রুরেল এমপ্লোইমেন্ট গরেন্টি এক্ট ২০০৫

(মহাত্মা গান্ধী নেসনেল রুরেল এমপ্লোইমেন্ট গরেন্টি এক্ট অসিদগী রিডাইরেক্ট তৌরকপা)

মহাত্মা গান্ধী নেসনেল রুরেল এমপ্লোইমেন্ট গরেন্টি এক্ট, এম জি এন আর ই জি এ

**মিসন ষ্টেটমেন্ট:**

ফাইনান্সিএল ইয়র খুদিংমক্তা খুঙ্গংগী লমদমদা লৈবা মীওইশিংগী, য়ুমথোং খুদিংমক্কী এডল্ট ওইরবা মেম্বরশিংনা ভোলন্টিয়র ওইনা অনস্কিল মেন্যুএল ৱর্কতা য়ামদ্রবদা নুমিৎ ১০০নিদগী তাদনা ৱেজ এমপ্লোইমেন্ট ফংহন্দুনা পুন্সিগী মহিংদা সেক্যুরিটি লৈনা হিংনবা পান্দমনি।

নেসনেল রুরেল এমপ্লোইমেন্ট গরেন্টি এক্ট ২০০৫ (নৎত্রগা, এন আর ই জি এ ন: 42, ‘‘মহাত্মা গান্ধী নেসনেল রুরেল এমপ্লোইমেন্ট গরেন্টি এক্ট’’, এম জি এন আর ই জি এ, হায়বা মমিংসি কোন্না কৌনরে), মসি ইন্দিয়াগী লেবর লো অমসুং সোসিয়েল সেক্যুরিটিগী পান্দম অমা ওইনা ‘‘রাইট টু ৱর্ক হায়বসিদা গরেন্টি পীবনি।

ফাইনান্সিএল ইয়র খুদিংমক্তা খুঙ্গংগী লমদমদা লৈবা মীওইশিংগী, য়ুমথোং খুদিংমক্কী এডল্ট ওইরবা মেম্বরশিংনা ভোলন্টিয়র ওইনা অনস্কিল মেন্যুএল ৱর্কতা য়ামদ্রবদা নুমিৎ ১০০নিদগী তাদনা ৱেজ এমপ্লোইমেন্ট ফংহন্দুনা পুন্সিগী মহিংদা সেক্যুরিটি লৈনা হিংনবা পান্দমনি।

ইং ১৯৯১দা পি.ভি. নরসিমহা রাওনা এক্ট অসি অহানবা ওইনা প্রপোজ তৌরম্বনি। ইং ২০০৬তা পার্লিয়ামেন্টনা অরোইবা ওইনা য়ারম্মী অমসুং ইন্দিয়াগী ডিষ্ট্রিক্ট ৬২৫দা হৌদোক্লম্মী। অথুবা এক্সপরিএন্সতা য়ুম্ফম ওইদুনা, ইং ২০০৮কী এপ্রিল ১দগী এন আর ই জি এ অসি ইন্দিয়াগী ডিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা পায়খৎনবা থৌরাং তৌরম্মী। গভর্নমেন্টনা পায়খৎলিবা ষ্টেট অসি মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা অমসুং সোসিএল সেক্যুরিটি ওইবা খ্বাইদগী এমবিসিয়স ওইবা পব্লিক ৱর্ক প্রোগ্রামনি। ইং ২০১৪গী ৱর্ক ডিভলপমেন্ট রিপোর্টকী মতুং ইন্না, ৱর্ল্ড বেঙ্ককী টর্মদা ‘‘ষ্টেলর একজাম্পল ওফ রুরেল ডিভলপমেন্ট’’ হায়বা অসিনি।

এম জি এন আর ই জি এগী হৌদোরকপগী ওবজেক্টিভতি ফাইনান্সিএল ইয়রশিংদা রুরেল এরিয়াশিংদা লৈরিবা মীওইশিংবু য়ামদ্রবদা নুমিৎ ১০০নিগী খুৎশুমল পীদুনা থবক শুহন্দুনা হিংবগী ফিভম ফগৎহনবা, য়ুমথোং খুদিংগী এডল্ট মেম্বরশিংনা অনস্কিল মেন্যুএল ৱর্কশিংদা ভোলন্টিয়র ওইনা

থবক তৌহনবনি। এম জি এন আর ই জি এগী অতোপ্পা পান্দমদি মীয়ামগী কান্নগদবা থৌওংশিং শেমগৎপনি (লম্বিশিং, কেনেলশিং, পুখ্রিশিং, গুহাশিং অসিনচিংবা) এপ্লিকান্টশিংদা ময়ুমদগী কিমি: ৫গী মনুংদা থবক শুহনগদবনি অমসুং খ্বাইদগী তাবা খুৎশুমল পীগদবনি। এপ্লিকান্টশিং অদুদা অনএমপ্লোইমেন্ট এলাৱেন্স পীগদবনি। এম জি এন আর ই জি এগী মখাদা থবক শুহনবা অসি আইনগী ওইবা খুদোংচাবা পীবনি।

মরুওইবা গ্রাম পঞ্চায়টনা (জি পি) এম জি এন আর ই জি এগী থবক থৌরমশিং পায়খৎলী। স্কিম অসিগী থবকশিংদা কন্ট্রেক্তর য়াওহন্দে। থবক শুরিবা লেবরশিংনা মরুওইনা ৱাটর হার্বেষ্টিং, দ্রাউট, রিলিফ অমসুং ফ্লদ কন্ট্রোলগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎপদা হেন্না মায় ওনশিনগদবনি।

ইকোনোমিক সেক্যুরিটি ফগৎহনবা অমসুং খুঙ্গংদা খুদোংচাবশিং ফংহনবনচিংৱশিং অসিদা নত্তনা এন আর ই জি এনা মহৌশাগী খল ঙাক্তুনা থন্বা, খুঙ্গংগী নূপীশিংবু মতিং লৈহনবা, খুঙ্গং-সহরগী য়ুমহোং-কৈহোংবা হন্থনবা অমসুং মীয়ামগী অচুম্বা মায়ওনদা চাউখৎহনবানচিংবদা মতেং পাঙব্বী।

স্কিম অসিবু মপুং ফানা মেনেজ অমসুং ইমপ্লিমেন্ট তৌনবগীদমক্তা লোগী ওইবা ঙাকলৌ কয়ামরুম ফংহল্লী। এক্ত অসি মপুং ফানা পাঙথোক্লবগীদমক্তা মসিগী প্রিন্সিপল অমসুং এজেন্সিশিং ময়েক শেংনা খঙহনগদবনি। ট্রান্সপরেন্সি অমসুং একাউন্টেবিলিটি লৈবা মপুং ফানা থবক পায়খৎনবা অয়াবা লৈরবা থবক্কী লিষ্ট, ফাইনান্সিএল পেটর্ন মোনিটরিং অমসুং ইভোলুসননচিংবা মপুং ফানা পায়খৎকদবনি।

**পাষ্ট সিনরিও:**

**হিষ্ট্রি:**

ফাইনান্সিএল মেনেজমেন্টকী লেসন অসিদা মেনপৱর প্রোগ্রামনা প্লানিং আউটকমগীদমক্তা ‘‘ক্রাস স্কিম ফোর রুরেল ইমপ্লোইমেন্ট’’, থবক হেন্না পিনবগীদমক ‘‘পাইলোট ইন্টেনসিভ রুরেল ইমপ্লোইমেন্ট প্রোগ্রাম’’ ইন্টিগ্রেটেড রুরেল ডিভেলপমেন্টকী ‘‘ড্রাউট প্রোন এরিয়া প্রোগ্রাম’’, রুরেল ইকোনোমিক ডিভেলপমেন্টকী ‘‘মার্জিনেল ফার্মরস এন্দ এগ্রিকলচরেল লেবরস স্কিম’’ ষ্টেটশিংগী হোলিষ্টিক ডিভেলপমেন্ট এন্দ বেটর কোর্ডিনেসনগী ‘‘ফুড ফোর ৱর্ক প্রোগ্রাম’’ (এফ ডবলিউ পি),

কম্মুনিটি ডিভেলপমেন্টকী ''নেসনেল রুরেল ইমপ্লোইমেন্ট প্রোগ্রাম'' (এন আর ই পি), অমসুং লেন্ডলেস হাউসহোলশিংদা ফোকস তৌনবা ''রুরেল লেণ্ডলেস ইমপ্লোইমেন্ট গরেন্টি প্রোগ্রাম'' হায়বসিগী মরমদা খঙমিন্নবা হোৎনবনি।

ইং ১৯৮৯গী এপ্রিল ১দগী ইমপ্লোইমেন্ট জেনেরেসন অসি হৌরকপদগী খুঙ্গংগী লমদা ইনফ্রাষ্ট্রকচর ডিভেলপমেন্ট অমসুং ফুড সেক্যুরিটিগী ফিভম ফগৎনবা গভর্নমেন্টনা এন আর ই পি অমসুং আর এল ই জি পি অনি অসি অনৌবা স্কিম জে আর ৱাইদা পুনশিনখ্রে। খ্বাইদগী মরুওইবা অহোংবা মাইকৈদা লাক্লিবদি খুঙ্গংগী মীওইশিংনা পি আর আইগা খুৎশম্নদুনা মীয়াম পুন্না স্কিম অসি হৌদোক্লম্বদুনি অমসুং ব্যুরোক্রেসিগী রোল হন্থহনবদুনি।

ইং ১৯৯৩গী ওক্তোবর তাং ২দা প্রাইম মিনিষ্টির পি.ভি. নরসিমহা রাওনা লৌউ-শিংউবগী মতমদা লৌউ-শিংউবগী থবক ফংহন্নবা ইমপ্লোইমেন্ট এস্যুরেন্স স্কিম (ই এ এস) হৌদোকখি। ইং ১৯৯১দা রাওনা এক্ট অসিগী মতাংদা খন্ন-নৈনবা হৌরম্মী। পি আর আইগী মরুওইবা রোলদি ডিষ্ট্রিক্ট লেভেলগী লোকেল সেল্ফ গভর্নমেন্টকী ''জিলা পরিসডনা'' মরুওইবা স্কিম অসি পাঙথোক্লবা ওঠোরিটি ওইহনবদুনি। মসিগী মতুং ইং ২০০১দা ই এ এসনা এস জি আর ৱাইগা লোইননা স্কিম অসিদা পুনশিন্নখ্রে।

ইং ১৯৯৯গী এপ্রিল তাং ১দা জে আর ৱাইগী তৌগদবা থবক থৌরমশিং অমসুং জে জি এস ৱাইগা মান্নবা ওবজেক্তিবতা মমিং ওল্লম্মী। পি আর আইগী মরুওইবা রোলদি খুঙ্গংদা লৈরিবা লোকেল সেল্ফ গভর্নমেন্ট হায়বদি ''ভিলেজ পঞ্চায়ট'' অসিনা ইমপ্লিমেন্টিং ওঠোরিটি ওইদুনা থবক তৌহনবদুনি। ইং ২০০১দা মসি এস জি আর ৱাইদা পুনশিনখ্রে।

ইং ২০০১গী জানুৱারিদা গভর্নমেন্টনা এফ ডবলিয়ু পি (ফুড ফোর ৱার্ক প্রোগ্রাম) হৌদোকখি, মসি ইং ১৯৭৭তা হৌদোকখিবা স্কিম অমগা মান্নে। এন আর ই জি এ অসি অমুক্তং থবক হেক হৌরকপগা স্কিম অনিমক ইং ২০০৬তা পুনশিন্নখ্রে।

ইং ২০০১গী সেপ্টেম্বর তাং ২৫দা খুঙ্গংগী ইমপ্লোইমেন্ট জেনেরেসন ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং ফুড সেক্যুরিটি ডিভেলপমেন্ট অসি পুনশিন্ননবগীদমক গভর্নমেন্টনা ই এ এস অমসুং জি জে এস ৱাই অসি অনৌবা স্কিম এস জি আর ৱাই অসিদা পুনশিনখ্রে। পি আর আইগী মরুওইবা রোলদি ''ভিলেজ

পঞ্চায়টপু'' ইমপ্লিমেন্টিং ওঠোরিটি ওইনা লেংদনা লৈহনবদুনি। অদুম ওইনমক ইমপ্লিমেন্টেসন্না মরম ওইদুনা ইং ২০০৬তা মহাত্মা গান্ধী এন আর ই জি এদা পুনশিনখ্রে।

মহাত্মা গান্ধী এন আর ই জি স্কিমগীদমক্তা গভর্নমেন্টকী এলোকেসন অসি চাউরাক্না লুপা ট্রিলিওন ১ (ইউ এস বিলিয়ন $ 15) ও–ক্বাটরনি।

**ওবরভিউ:**

তরামাথোইশুবা ফাইভ ইয়র প্লান (২০০৭–১২)গী মতুং ইন্না ইন্দিয়াদা লৈরিবা মীওইশিংসি নোংমদা $ 1 দগী তানা লৈরি, মসিবু লায়রবগী পনখৈ মখাদা লৈবা (বিলো পোর্ভটি লাইন) হায়না খঙনৈ, ইং ১৯৭৩দগী ইং ২০০৪ ফাওবগী ডিকেড অহুম অসিদা চাউখৎ খোঙজেল মিলিয়ন ৩০০ হেন্না ৰাৎলি। অদুম ওইনমক মসিগী পোর্পোসন অসি অপুনবা মীশিংগী (১৯৯৩–৯৪)দগী চাদা ৩৬তগী (২০০৪–০৫)গী চাদা ২৮ ফাওবনি, খুঙ্গংগী লমদদি লৌউ–শিংউবদা তাংদুনা হিংঙি, অদুবু চহি অমদা থা ৩মুক্তি থবক শুনিংঙাই লৈতে।

ইং ২০১৪গী লোক সভা ইলেক্সনগী মমাংদা য়ু পি এ গভর্নমেন্টনা থবক শুবগী নুমিৎ মশিং অসি ১০০দগী ১৫০দা হেনগৎনবা প্লান তৌরম্মী অদুবু মায় পাকখিদ্রে। এন ডি এ গভর্নমেন্টনা নোংকা হেন্না চুদুনা শোকহল্লবা মফমশিংদদি নুমিৎ ১৫০ ফাওবা থবক শুনবা ৰারেপ লৌরম্মী।

রেজিষ্ট্রেসনগী থৌওংদি গ্রাম পঞ্চায়টতা এপ্লিকেসন পীশিনগদবনি অমসুং জোব কার্ড শেমগনি। এপ্লিকেসন থাবদগী নুমিৎ ১৫গী মনুংদা খুৎশুমল পীদুনা থবক শুহনগদবনি। য়ুম অমদা লৈরিবা এডল্ট ওইরবা মীওইশিংনা নুমিৎ মশিং খাইদোকহন্দুনা চহি অমদা নুমিৎ ১২০ থবক শুহনগদবনি।

লোগী মতুং ইন্না শুবা য়াবা থবকশিংদি: ৰাটর কঞ্জাভেসন অমসুং ৰাটর হার্ভেষ্টিং, ইকংদগী ঙাকথোকপগা লোইননা উমং য়োকখৎপা; লৌউ–শিংউগী থবকশিং; মহৌশাদগী লৈজরক্লবা ঈশিং খোংশিংবু ফিভম কায়হনদনা থম্বা, লমশিং ফিভম ফগৎহনবা; ঈশিং ইচাউ লাকশিনবা; খুঙ্গংশিং অমগা অমগা শম্নহনবা; অমসুং গভর্নমেন্টতা খঙহল্লবা থবকশিং অসিনচিংবনি। এক্ট অসিগী মতুং ইন্না ৰেজ মেটেরিয়েল রেসিও অসিগী মিনিমম্ লিমিট অসি ৬০: ৪০ ওইগনি। মসিদা ওঠোরাইজ ওইরবা ইঞ্জিনিয়ারশিংনা ৰর্কসাইট ফেসিলিটি ফংহনগদবনি অমসুং ৰর্কসাইটকী চয়োলগী রিপোট অসিসু এক্ট

অসিগী মতুং ইন্না তৌদবা য়াদবনি। মসিদা নত্তনা এক্ট অসিনা খ্বাইদগী পিকপা লেপ্পা, নূপা নূপী খেন্নবা থমদনা শুরিবা থবক্কী মতম নৎত্রগা থবক্কী চাংদা য়েংদুনা খুৎশুমল পীগদবনি। ষ্টেটনা থবক শুবগী মওং মতৌ অমসুং মফম লেপ্পীগদবনি। করিগুম্বা নুমিৎ ১৫নি ফাওবা থবক শুহন্দ্রদি অনইমপ্লোইমেন্ট এলাউৱেন্স পীগদবনি।

লোগী মতুং ইন্না মীয়ামগীদমক্তা গ্রাম পঞ্চায়টকী এন আর ই জি এ থবক্কী বেঙ্ক একাউন্ট অমা লৈগদবনি। এক্ট অসিগী মতুং ইন্না মীয়াম পুন্নমক ট্রান্সপরেন্সি অমসুং একাউন্টেবিলিটি লৈনবগীদমক্তা ‘‘মন্থলি স্কৱারিং একাউন্ট’’ থমগদবনি। পব্লিক একাউন্টিবিলিটি লৈনবগীদমক্তা পব্লিক ভিজিলেন্সকা লোইনগদবনি, মপুং ফানা চৎনহন্নবগীদমক্তা এন আর ই জি এনা ‘‘সোসিএল ওডিট’’ তৌগদবনি।

এক্ট অসিগী ট্রান্সপরেন্সি অমসুং একাউন্টিবিলিটিগী মরুওইবা শরুক অসিনা ষ্টেট, পব্লিক ভিজিলেন্স অমসুং সোসিএল ওডিটকী রোল ওই।

মপুং ফানা থবক অসি পাংথোক্লবগীদমক্তা ডেটা মেনেজমেন্ট অমসুং রেকোর্ড মেনেজমেন্ট থমগদবনি; হায়বদি ইমপ্লোইমেন্টকা মরি লৈনবা রেজিষ্টারশিং জোব কার্ডশিং, মাষ্টর রোল অমসুং কমপ্লেন্টনচিংবা অসিনি। হায়রিবশিং অসি ইমপ্লিমেন্টিং এজেন্সিশিংনা ভিলেজ, ব্লোক অমসুং ষ্টেট লেভেল খাইনা থমগদবনি। ষ্টেটশিংনা ট্রান্সপরেন্সি অমসুং একাউন্টেবিলিটিগী রোল লৌনবগীদমক্তা লেজিসলেসনশিংনা রাইট টু ইনফোর্মেসন অমসুং ইনফোরমেসনশিংবু প্রোএক্টিভলি খঙহনগদবনি, পার্লিয়ামেন্টকীদমক্তা সিইজিসিনা এন্যুএল রিপোর্ট অমসুং ষ্টেট লেজিসলেচরশিংগী এস ই জিসি শেম্বিগদবনি, ডিষ্ট্রিক খুদিংমক্কী ফাইনান্সিএল ওডিট তৌবগা লোইননা ফিজিকেল ওডিটকী রিপোর্ট থবক ওইনা পায়খৎপা, সিটিজন্স চার্টর ডিভলপ তৌবা, ভিজিলেন্স অমসুং মোনিটরিং কমিটিশিং শেমগৎপা অমসুং গ্রিভান্স রিড্রেসেল সিস্টেমগী ফিভম ফগৎহনগদবনি।

এক্ট অসিগী মতুং ইন্না ডিষ্ট্রিক, ষ্টেট অমসুং সেন্ট্রেল লেভেলদা ‘‘টেক্নিকেল রিসোর্স সপোর্ট গ্রুপ’’শিং লিংখৎপা য়াই অমসুং ‘‘ইনফোর্মেসন মোনিটরিং অমসুং ইনফোর্মেসন সিষ্টেম (এম আই এস)’’ শেমগৎপদা ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিসু মতিং লৈনা শীজিন্নবা য়াই অমসুং এন আর ই জি এ ৱেবসাইট অসি টেক্নিকেল সপোর্টনা ইমপ্লিমেন্ট তৌবদা মগুন লৈবা ওইহল্লি।

লোগী মতুং ইন্না এন আর ই জি এ অসি অতোপ্পা প্রোগ্রামশিংগা পুনশিন্নবা য়াই। এন আর ই জি এনা অহেনবা পাঙথোকপা য়াই অদুম ওইনমক অতোপ্পা প্রোগ্রামশিংনা থবকশিংদুদদি কায়হল্লোইদবনি।

**লো অমসুং ইন্দিয়াগী কন্সটিটিয়ুসন:**

এক্ট অসিনা ইন্দিয়ন কন্সটিটিয়ুসনগী ডিরেক্টিভ প্রিন্সিপল ওফ ষ্টেট পোলিসি পার্ট IVগী মতুং ইন্না চান্নবা পান্দম থম্মী। লো অসিনা আর্টিকল ৪১গী মতুং ইন্না ষ্টেটকী সিটিজন খুদিংমক্তা ‘‘রাইট টু ৱর্ক’’কী মখাদা থবক পীগদবনি। এক্ট অসিগী মতুং ইন্না ষ্টেটনা আর্টিকল 48Aগী মখাদা খুঙ্গংগী থবকশিংদা মহৌশাগী অকোয়বগী ফিভম ঙাক্তুনা থমগদবনি।

ইন্দিয়াগী কন্সটিটিয়ুসনগী আর্টিকল 21গী মতুং ইন্না ইন্দিয়াগী  নাগরিক খুদিংমক্না হিংবগী রাইট লৈনা হিংগদবনি, এক্ট অসিগী শরুক অমা ওইনা খুঙ্গংদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমকসু নুংঙাই য়াইফনা লৈহনগদবনি। ইন্দিয়ন কন্সটিটিয়ুসনগী ফন্দামেন্টেল রাইট আর্টিকল 16কী মতুং ইন্না মীয়ামগী থবক পীবদা চপ মান্ননা খুদোংচাবা পীগদবনি অমসুং ষ্টেটনা ধর্ম্ম, জাট-বিজাট, কাংলুপ, কাষ্ট, সেক্স, হন্থনা য়েংবা, পোকফম, লৈফমনচিংবগী খেন্নবদা  থমদুনা থাক পীবগী মায়োক্তা লৈগদবনি। এন আর ই জি এনা  আর্টিকল 46কী  চৎনব কাংলোন ইন্দুনা ষ্টেটশিংনা সেড্যুল কাষ্ট অমসুং সেড্যুল ট্রাইবশিংগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎনবা থবক শুবদা পুক্নিং চিংশিনবিদুনা ফনবা হোৎনবিগদবনি অমসুং থাক মান্নদবগী মীৎয়েং অমসুং হন্থনা য়েংবীবদগী ঙাকথোকপীগদবনি।

আর্টিকল ৪০গী মতুং ইন্না ষ্টেটশিংনা খুঙ্গংগী পঞ্চায়টিশিংবু শুংশোয় শোইদনা শেমগৎ শাগৎকদবনি অমসং সেল্ফ গভর্নমেন্ট য়ুনিট অমা ওইনা থবক পাঙথোকপা ঙম্নবগীদমক্তা পাৱর অমসুং ওঠোরিটি পীবিগদবনি। গ্রাম পঞ্চায়টতা মরুওইবা থৌদাং পীবিগদবনি, কন্সটিটিয়ুসনেল প্রিন্সিপলসিদা এক্টশিং য়াওহনগদবনি। ইন্দিয়ন কন্সটিটিয়ুসনগী 73শুবা  এমেন্দমেন্ট অসিনা পঞ্চায়টতা কন্সটিটিয়ুসনেল ষ্টেটস পীদুনা ডিসেন্ট্রেলাইজেসনগী প্রোসেস তৌই অমদি মহাত্মা গান্ধী এন আর ই জি এনা রুরেল সেল্ফ গভর্নমেন্ট  ইন্সটিটিয়ুসনদা লো চৎনহনবা য়াহল্লী।

লোবু থবক ওইনা চৎনহনবা

ইন্দিপেন্দেন্ট একাডেমিক রিসর্চ

একাডেমিক রিসর্চ এন আর ই জি এগী হিরম কয়ামুক্তা মীৎয়েং থম্মী। মখোয়শিংদুদি :- ইকোনোমিক সেক্যুরিটি, সেল্ফ টার্গেটিং, নূপীদা শক্তি পীবা, এসেট ক্রিএসন, করপসন, লৌউ-শিংউবগী খুৎশুমলদা স্কিমনা কান্নবা পীবনচিংবনি। অহানবদা এন আর ই জি এনা সজেস তৌদুনা খুঙ্গংদা শোৎথদুনা লৈরিবা লায়রবশিং, ফিভম চাদনা লৈরিবা ইন্দিয়াগী অৱাংথংবদা লৈরিবা ষ্টেটশিংগী এসেসমেন্ট লৌরম্মী।

মশাগী সেল্ফ-টার্গেটিং লৈজবা থবকশিংগীদমক্তদি থবক্কী ডিমান্দ অসুক্কী মতিক লৈ হায়বসি অচুম্বনি।

এন আর ই জি এগী মরুওইবা পান্দমদি কৈথেনগী ফিভমনা লেবরশিংগী খুৎশুমলগী মতাংদা লু-নানবগী খুদোং চাদবসু হন্থহন্নবনি। স্কিম অসি হৌদোকপদগী অমদি ষ্টডি কয়ামরুমদগী নূপীশিংগী লৌউ-শিংউবগী খুৎশুমল অসি মায়ওন চুম্না হেনগৎলক্লি। এক্ট অসিনা মরম ওইদুনা মখল খুদিংমক্কী খুৎশুমল হেনগৎহল্লী, অদুম ওইনমক রিসর্চকী মতুং ইন্না স্কিম অসিনা খুৎশুমলগী য়েৎনবদুদি হন্থহনদুনা কান্নবা পী। এন আর ই জি এ অসি য়াম্না ফবা ইন্সুরেন্স পীবা স্কিম অমনি। চৎথরিবা রিসর্চ অসিনা স্কিম অসিনা মপুং ফানা কান্নবা পীনবা হোৎনবনি, কেজুএল থবক্কীদমক্তা অর্বান সেন্টরশিংদা ময়ুম মকৈ হোংবা অদু চাং হন্থবা অদু খঙদোক্লবা হোৎনবনি।

এন আর ই জি এগী অতোপ্পা মরুওইবা এস্পেক্তি নূপীশিংনা থবক্কী খুৎশুমন্দা খুদোংচাবা খনজবগী পাঙ্গল লৈজগদবনি। নূপীশিংগীদমক্তা থবক পুন্নমক্কী শরুক অহুমগী মনুংদা শরুক অমা খাক্তুনা থম্মী, নূপা অমদি নূপীগী খুৎশুমল মান্ননা পীবগী খুদোংচাবা ফংহনগদবনি, থবক শুফমদা অঙাংশিংবু য়েংশিন্নবগী খুদোং চাবা ফংহনগদবনি। হায়রিবা প্রোভিজন অহুম অসি এক্ট অসিদা নূপীগীদমক্তা য়াম্না মরু ওই। হন্দক্তা ষ্টডি তৌবদা ষ্টেট মনুংগী খেন্নবা কয়ামুক্কী নূপীশিংনা শরুক য়াবা হেনগৎলকলি। রাজষ্ঠান, মধ্য প্রদেশ অমসুং গুজরাটকী বোর্ডরদা লৈবা খুঙ্গংশিংদা ঙাইহাক ঙাইহাক্কী য়ুমহোং-কৈহোংবদগী ওইরকপা য়াবা অমসুং অঙাংশিংগী য়াইফনবগী ওইবা ষ্টডি তৌরম্মী। য়ুমহোং কৈহোংবগী মরমদা করিসু খঙদবা অঙাংশিংনা মখোয়গী ফিভম ফনা লৈরম্মী। অসিগুম্বা ষ্টডি অসিনা

এন আর ই জি এগী থবক য়াম্না ডিমান্দ লৈ হায়বসি খঙঙী। অদুম ওইনমক মাইগ্রেন্ট ৱেজেজশিংনদি য়াম্মী।

কান্নগদবা মওংদা শেমগৎনবা ডিটেল ওইবা ষ্টডি কয়ামরুমদি তৌদ্রি। এন আর ই জি এগী মখাদা কান্নগদবা এসেট শেমগৎনবা ৱাফম খরদা মীৎয়েং থম্মী। মদুদি:- (a) পোটেন্সিএল হায়বসি সবষ্টেনসিএল ওইগদবনি, (b) মফম খরদি মপুং ফানা খঙদোক্কদবনি, অমসুং (c) থবক অসিগীদমক্তা মচাক মথুম ৱাৎপদা নৎত্তনা টেক্নিকেল ষ্টাফ ৱাৎপনা লায়রবশিং খঙদোকপদা খুদোং চাদবা কয়ামুক থেংনৈ। এন আর ই জি এগী মখাদা ঈশিং য়োক্তুনা থন্বা অমসুং লৈবাক লৈহাওবু মাঙহন্দনা থম্নবা হোৎনবা অসিনা ঐখোয়গী অকোইবগী ফিভমদা য়াম্না ফবা অমা ওইগনি অমসুং বাইওডাইভর্সিটি অমসুং এনভাইরোনমেন্টপু কনবা ঙমগনি। ইন্দিয়ন ইন্সটিট্যিুট ওফ সাইন্স অমসুং অতোপ্পা কোলাবোরেটরশিংগী রিসর্চরশিংনা এন আর ই জি এগা লোইননা ইনভাইরন্টমেন্টপু মগুন লৈহন্নবা অমসুং সোসিও-ইকোনোমিক্কী থবকশিংদগী কান্নবা ফংনবা ষ্টডি তৌরম্মী।

গভর্নমেন্টকী প্রোগ্রামশিংদা করপসন হায়বসি খুদোং চাদবা অমা ওইদুনা লৈ অমসুং এন আর ই জি এ অসি মসিদগী নাম্থোকপা নত্তে। অনৌবা এষ্টিমেটকী মতুং ইন্না এন আর ই জি এগী খুৎশুমনগী করপসন অসি ইং ২০০৭-০৮দগী ইং ২০০৯-১০ ফাওবদা 50%দগী 30%দা হন্থরে। ওইরক্লিবা ইমপ্রুপমেন্ট অসি এন আর ই জি এগী খুৎশুমল পীবদা বেঙ্ক অমসুং পোষ্ট ওফিসকী একাউন্টকী খুথাংদা পীবননি। করপসনগী মায়োক্তা মায় পাক্লিবসি কম্যুনিটি মোনিটরিং তৌনবা প্রোভিজন লৈবননি। অতোপ্পা অমনা ''সোসিএল ওডিট তৌবনা শেরান তুরান তৌবা য়াওহন্দবদা নত্তনা অরানবসিবু লাইনা খঙদোকই।''

ইলেক্টোরেল গেনশিং অমসুং এন আর ই জি এগী ইমপ্লিমেন্টেসন মরক্তা লিঙ্ক তৌনবা পেপর খরনসু ষ্টডি তৌরম্মী। ওথরনা অন্ধ্র প্রদেশতা ষ্টডি তৌবদা প্রোগ্রাম এক্সপেন্দিচরদা পোলিটিক্সকী খুৎ চঙবা থেংনৈ, মসি মালেমগী ওইনদি অচুম্বা নত্তে অমসুং প্রোগ্রাম অসি পাঙথোক্লবা হোৎনবদা নুংনাংনিংঙাইদি ওইদে অমসুং স্কিম অসিগী অফবা থবক কয়ামরুম লৈ। রাজস্থান অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলদসু লিঙ্ক তৌনবগী ষ্টডি অনিদা ফোকস তৌরম্মী। এন আর ই জি এগী থবক থৌরমশিং অসি রিজনেলদা করম্না চৎথরিবগে হায়বগী ষ্টডি কয়ামরুম তৌরম্মী।

## ১৪) মেম্বরস ওফ পার্লিয়ামেন্ট লোকেল এরিয়া ডিভলপমেন্ট স্কিম

ইং ১৯৯৩গী ডিসেম্বর তাং ২৩দা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা মেম্বরস ওফ পার্লিয়ামেন্ট লোকেল এরিয়া ডিভলপমেন্ট স্কিম (এম পি এল এ ডি এস) অসি হৌদোকখি, মসিনা ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর খুদিংমক্না মাগী মাগী কন্সটিট্যুএন্সিগী ডিষ্ট্রিক্ট ৰক্কী হেডশিংগা পান্নিবা থবক খন্দুনা লুপা ক্রোর ৫ (য়ু এস $ 770,000 ) ফাওবগী শেমগৎ শাগৎনবা খুদোং চাবা ফংঙী। অহানবদদি স্কিম অসি রুরেল ডিভলপমেন্ট মিনিষ্ট্রিনা পায়রম্মী, অকোনবদা, ইং ১৯৯৪গী ওক্তোবরদগী মসিগী থবক থৌরম খুদিংমক মিনিষ্ট্রি ওফ ষ্টেটিষ্টিক্স এন্দ প্রোগ্রাম ইমপ্লিমেন্টেসন্না (এম ও এস পি এ) য়েংশিল্লে। মীখলদা মায় পাক্লবা রাজ্য সভাগী মেম্বরশিংনা ষ্টেট অমগী মপুং ওইবা থৌদাং লৌদুনা মখোয়না খনগৎলবা ডিষ্ট্রিক্ট অমা নৎত্রগা অমদগী হেনবদা পায়খৎকদবা থবকশিং খৎনগৎকনি। লৈবাকসিগী ডিষ্ট্রিক্ট ডিষ্ট্রিক্টশিংদা লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাগী খনগৎলবা মেম্বরশিংনা খনগৎলবা থবকশিং পাঙথোকপা য়াই। ইং ১৯৯৮-১৯৯৯দগী চহিদা এম পী অমগী এলোকেসন অসি লুপা ক্রোর ২ (য়ু এস $ 310,000 )দা হেনগৎলে, অদুবু ইং ২০১১দগী মখা তানা লুপা ক্রোর ৫ (য়ু এস $ 770,000 ) দা হেনগৎলে। এম পিশিংনা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা কন্সটিট্যুএন্সি অমদা লুপা লাক্ষ ১০ (য়ু এস $ 15,000 ) ফাওবা চাদিং তৌবসু য়াই। স্কিম অসি হৌরকপদদি মপুং ফানা চৎথরমদে অদুম ওইনমক হৌজিক্তি ডিমান্দ য়াম্না লৈরে। ইং ২০০৬তা টি ভি চেনেল অমদা স্কেন্দল অম এক্সপোজ তৌরম্মী, মদুদা এম পি এল এ ডি এসকী মখাদা লৈবা প্রোজেক্ট ৰর্কশিং এম পিশিংনা পায়নবা শেল পীজরম্মী। ৰাফম অসি থিজিন্নবা মেম্বর তরেৎ লৈবা কম্মিটি অমা শেম্লম্মী।

এম পি এল এ ডি এসনা চৎনগদবা গাইডলাইন অমা এম ও এস পি আইনা লাউথোক্লম্মী।

১. প্রোজেক্ট অসি গভর্নমেন্ট এজেন্সিনা তৌরবদি অহানবা ইনষ্টোলমেন্টতা প্রোজেক্ট অদুগী অপুনবা শেনফমগী 75% ফংগনি, অদুমওইনমক নন-গভর্নমেন্ট এজেন্সিনা তৌরগনা 60% ফংগনি।

২. অপিকপা প্রোজেক্টকী শেনফম অসি লুপা লাক্ষ ২ (য়ু এস $ 3,100 )দগী তাগনি অমদি অপুনবা শেনফম অদু অমুক্তদা থাদোক্কনি।

৩.	হেগু পম্পশিং পানবা, কম্প্যুটরশিং অমদি এসেসরিশিং লৈবা, সোলর ইলেক্ট্রিক লেম্পশিং লৈবা, চাউপালশিং অমসুং ইক্যুপমেন্টশিং লৈবনচিংবা অসি নত্তবা লুপা লাক্ষ ১দগী তাবা মরুওইবা প্রোজেক্টশিং সেঙ্কসন তৌরোই।

৪.	স্কিম অসিগী মখাদা প্রোজেক্টশিং অসি পাকথোক চাউথোকহন্দুনা লাইব্রেরিগী লাইরিক লাইসু লৈবা অমসুং অশি–অনাগী এম্বুলেন্সনচিংবা অসি মশাগী ওইনা তৌগদবনি অমসুং মসি ডিষ্ট্রিক্ট ওঠোরিটিনা কন্ট্রোল তৌগদবনি।

৫.	লৈবাক অসিদা কম্প্যুটর খঙবা হেনগৎহন্নবগীদমক স্কুল অমমম্দা মাইক্রোসোফ্ট ওফিস সোফ্টৱায়ার লৈবা অমদি ট্রেনিং তৌনবা ওঝা অনিগী অয়াবসু লৈরে।

৬.	এম পিশিংনা মখোয়না কারল্লিবা ষ্টেট নত্রগা য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা প্রোজেক্টশিং অসিগী চহিদা লুপা লাক্ষ ১০ (য়ু এস  $ 15,000 ) ফাওবা চাদিং তৌবসু য়াই।

৭.	ট্রষ্ট নৎত্রগা সোসাইটিশিংনা কম্যুনিটিশিংগা মরি লৈনবা থবকশিংদা চহিদা লুপা লাক্ষ ৫০(য়ু এস  $ 77,000 ) ফাওবা থাদবা  য়াই।

## ১৫) মিড ডে মিল স্কিম

স্কিম অসি গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা পায়খৎপা স্কুলশিংদা চরা (মিল) পীজবগী প্রোগ্রাম অমনি, মসিনা লৈবাক শিনবা থুংনা স্কুলদা তল্লিবা অঙাংশিংবু মচি ওইবা চিঞাকশিং পিজনবা হোৎনবনি। প্রোগ্রাম অসিনা গভর্নমেন্ট, গভর্নমেন্ট এডেড, লোকেল বোডি, ইডুকেসনেল গরেন্টি স্কিম, অতোপ্পা ইন্নোভেটিভ ইডুকেসনেল সেন্টরশিং, সর্বব শিক্ষা অভিয়াননা চলাইবা মড্রসা অমসুং মকতবশিং অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ লেবরনা চলাইবা  নেসনেল চাইল্ড লেবর প্রোজেক্ট স্কুলশিংদা তল্লিবা প্রাইমারি অমসুং অপ্পর প্রাইমারি স্কুলশিংদা তল্লিবা অঙাংশিংবু স্কুল কারকপা নুমিৎশিংদা চাকনচিংবা চান–থক্নবা লেম্না পীজবনি। স্কিম অসিদা স্কুল ১২,৬৫,০০০ হেন্না অমসুং ইডুকেসনেল গরেন্টি স্কিম সেন্টরশিং অসিগী অঙাং ১২০,০০০,০০০ হেন্না কান্নবা ফংঙী।  কনভেন্সন ওন ডি রাইটস ওফ ডি চাইল্ডগী আর্টিকল 2গী মখাদা পেরেগ্রাফ ২৬ অসিগী মতুং ইন্না ইন্দিয়া অসি অঙাংশিংগীদমক্তা ‘‘এডিক্বেট ন্যুট্রিঅস ফুড’’ ফংহন্নবা চঙশিল্লিবা লৈবাক অমনি। ইং ১৯৯৫দা প্রোগ্রাম অসি হেক হৌদোকখিবদগী স্কিম

অসিদা অহোংবা  কয়ামুক লাকখ্রে। মিডডে মিল স্কিম অসি নেসনেল ফুড সেক্যুরিটি এক্ট, ২০১৩গী মনুং চল্লী। নেসনেল স্কুল লঞ্চ এক্টগী মতুং ইন্না ইন্দিয়ন স্কুল মিল প্রোগ্রাম অসি য়ু এসকী লিগেল বেকিংগা মান্নে।

প্রি–ইন্দিপেন্দেন্স এন্দ পোষ্ট–ইন্দিপেন্দেন্স ইনিসিএটিভস

প্রোগ্রাম অসিগী হৌরকফম অসি প্রি–ইন্দিপেন্দেন্স ইরাদগীনি, মতম অদুদা মিড–ডে প্রোগ্রাম অসি বৃটিস এডমিনিষ্ট্রেসন্না ইং ১৯২৫দা মদ্রাস কোরপোরেসন্দা হৌদোকখি। ইং ১৯৩০দা ফ্রেঞ্চ এডমিনিষ্ট্রেসন্না স্কিম অসি পুডুচেরি য়ুনিয়ন টেরিটোরিদা হৌদোকখি।

ইং ১৯৬২–৬৩দা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা অঙাংশিংগী চরা অসি প্রাইমারি স্কুলদা মিড–ডে মিল প্রোগ্রাম ওইনা হৌদোক্লম্মী। ইন্দিয়াগী ওইনা টমিল নাডুনা মিড ডে মিল প্রোগ্রাম হৌদোক্তুনা অঙাংশিং স্কুল কারকপা হেনগৎনবা হোৎনবা পাইওনিঅর ষ্টেটনি। টমিল নাডুগী চিফ মিনিষ্টর ঠিরু কে কামরাজনা চেন্নাইদা অহানবা ওইনা হৌদোক্লম্মী অমসুং মতুং তারকপদা টমিল নাডুগী ডিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা পাক শন্না শন্দোকখিরম্মী।

ইং ১৯৮২গী জুলাই ১দগী হৌদুনা টমিল নাডুগী চিফ মিনিষ্টর ঠিরু এম.জি. রামচন্দ্রননা মিড–ডে মিল স্কিম অসি হেন্না পাকথোক চাউথোকহন্দুনা ষ্টেটকী ওইনা ''ন্যুট্রিঅস ফুড স্কিম'' ওইনা  মচি ওইবা চিঞ্জাক ৰাৎলবা অঙাং লাক্ষ ৬৮বু কোনশিল্লী।

ইং ১৯৮৪দা গুজরাটনা অনিশুবা ষ্টেট ওইনা এম ডি এম স্কিম অসি হৌদোক্লম্মী, অদুম ওইনমক মখা চৎথখিদ্রে।

ইং ১৯৮৪দা কেরালাদা স্কিম অসি হৌদোক্লম্মী অমসুং স্কুল কয়ামরুমদা তপ্না তপ্না শন্দোক্লম্মী। ইং ১৯৯০–৯১দা ষ্টেট ১২না মখোয়গী এরিয়াদা লৈবা মহৈরোয় খুদিংমকপু কোনশিনবা স্কিম অসিদা ফন্দ থাদরম্মী ; মখোয়শিং অদুদি :- গৰা, গুজরাট, কেরলা, মধ্য প্রদেশ, মহারাষ্ট্র, মিজোরাম নাগালেন্দ, সিক্কিম, টমিল নাডু, ট্রিপুরা অমসুং উট্টর প্রদেশ অসিনি। কর্নাটাকা, ওরিষ্যা অমসুং ৰেষ্ট

বেঙ্গলনা স্কিম অসি চৎনহনবদা মালেমগী থাক্তা মতেং ফংঙী, অমসুং অন্ধ্র প্রদেশ অমসুং রাজস্থান্নসু প্রোগ্রাম অসিদা মপুং ওইনা ফোরেনগী মতেংগা লোইননা পাঙথোকই।

ইং ১৯৯৭দা কর্নাটকাদা ''চিলদ্রেন'স লব কেস্টল্স ট্রষ্ট''না মিড-ডে মিল স্কিম অসি হৌদোক্লম্মী। অপুনবা স্কুল নিপালদা ফুদ বেঙ্ক প্রোগ্রাম অমসুং অঙ্গনৱাদি মিল্ক প্রোগ্রাম হৌদোক্লম্মী। ষ্টেট গভর্নমেন্টনা ফুড বেঙ্ক প্রোগ্রাম অসি মিড-ডে মিল স্কিম ওইনা ওন্থোক্লম্মী।

**সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টকী ইনিসিএটিবশিং:**

ইং ১৯৯৫গী আগষ্ট তাং ১৫দা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা নেসনেল প্রোগ্রাম ওফ ন্যুট্রিসনেল সপ্পোর্ট টু প্রাইমারি ইডুকেসন (এন পি এন এস পি ই) অসি হৌদোকই। স্কিম অসিগী মরুওইবা ওবজেক্টিবতি প্রাইমারি স্কুলদা তম্লিবা অঙাংশিংবু ন্যুট্রিসনেল ষ্টেটস ফগৎহনবদা মতেং পাংবা প্রোগ্রামনি। অহানবদদি লৈবাকসিগী গভর্নমেন্ট, গভর্নমেন্ট এডেড অমসুং লোকেল বোডিনা রন তৌবা স্কুলশিংদা তম্লিবা ক্লাস Iদগী V ফাওবগী অঙাংশিংদা অফবা চিঞ্জাক ফংহনবা হায়বসি ব্লোক ২,৪০৮দা হৌদোকই। ইং ১৯৯৭-৯৮তদি স্কিম অসি লৈবাকসিগী মফম খুদিংমক্তা হৌদোক্লম্মী। প্রোগ্রাম অসিগী মখাদা স্কুলদা মীং চন্দুনা তম্লিবা ক্লাস Iদগী V ফাওবদা লৈবা অঙাং পুম্নমক্তা থোংদোক্লবা কেলোরি ৩০০ য়াওবা মিড-ডে মিল অমসুং গ্রাম ১২ য়াওবা প্রোটিন ফংহনগদবনি। ইং ২০০৭গী ওক্তোবরদা স্কিম অসিনা মহৈ মশিংদা শোত্থরবা ব্লোক, ৩,৪৭৯দা লৈবা অপ্পর প্রাইমারি স্কুলগী ক্লাস VIদগী VIII ফাওবদা তম্লিবা অঙাংশিংসু কোনশিল্লে অমসুং নেসনেল প্রোগ্রাম ফোর ন্যুট্রিসন সপ্পোর্ট টু প্রাইমারি ইডুকেসন হায়রম্বদগী নেসনেল প্রোগ্রাম ওফ মিড-ডে মিল ইন স্কুল্স হায়না খঙনরে।

মহৈরোয়শিংদা অথোংবা চিঞ্জাক ওইনা পীরবসু ষ্টেট অয়াম্বনা ''ড্রাই রেসন'' ওইনা খনজবসু য়াই। ''ড্রাই রেসন''গী মখাদা 80% এটেন্দেন্স ওইবা অঙাংশিংদা থোংদোক্ত্রিবা গেহু নৎত্রগা চেং কে: জি: ৩ পীগদবনি।

**সুপ্রিম কোর্ট ওর্দর:**

ইং ২০০১গী এপ্রিলদা পিপল্স য়ুনিরন ফোর লিভরটিস (পি য়ু সি এল)না পব্লিক ইন্তরেষ্ট লিটিগেসন (সিভিল) ন: 196/2001, পিপল্স য়ুনিয়ন ফোর সিভিল লিভরটিজ V হৌদোক্লম্মী।

য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া অমদি অতোপ্পশিংনা ‘‘রাইট টু ফুড’’ কেস হায়না খঙনরম্মী। ইন্দিয়ান কন্সটিটিয়ুসনগী আর্টিকল 39(a) অমসুং 47 অনিমক্কা পুন্না পাবা মতমদা আর্টিকল 21 ‘‘রাইট টু লাইফ’’ অসি পি য়ু সি এলনা য়ানিংলমদে অমদি রাইট টু ফুড অসি ফন্দামেন্টেল রাইট অমা ওইগদবনি অমদি মসি কন্সটিটিয়ুসনগী আর্টিকল 32গী মখাদা কান্নবা ফংহনগদবনি। ফুড কোর্পোরেসন ওফ ইন্দিয়ানা অহেনবা চিঞ্জাক পৈশিন্দুনা থন্বা অসি পি য়ু সি এলনা য়ানিংলমদে অমদি চাবা ফংজদ্রবা মীয়ামদা পিজগদবনি। মসিনা প্রাইমারি স্কুলদসু মি-ডে মিল ওইনসু ফংহনগদবনি। ইং ২০০১গী নবেম্বর তাং ২৮দা থোকপা সুপ্রিম কোর্টকী ওর্ডর মতুং ইন্না স্কিম অসি গভর্নমেন্ট অমসুং গভর্নমেন্টনা এসিস্ত তৌবা প্রাইমারি স্কুল খুদিংমক্তা থোংদোক্লবা মিড-ডে মিল অসি শুকশোয় শোয়দনা পীজগদবনি।

**এন্টাইটলমেন্ট:**

ন্যুট্রিসনেল গাইড লাইনগী মিড-ডে মিল স্কিমগী মতুং ইন্না নোংমদা অঙাং অমদা পিজগদবা মিনিমম্ ওইবা চিঞ্জাক অমসুং কেলোরি:

| আইটেম | প্রাইমারি (ক্লাস Iদগী V ফাওবা) | অপ্পর প্রাইমারি (ক্লাস VIদগী VIII ফাওবা) |
|---|---|---|
| কেলোরি | ৪৫০ | ৭০০ |
| প্রোটিন (গ্রাম) | ১২ | ২০ |
| চেং/গেহু (গ্রাম) | ১০০ | ১৫০ |
| হৱাই (গ্রাম) | ২০ | ৩০ |
| মনা-মশিং (গ্রাম) | ৫০ | ৭৫ |
| থাও অমসুং ফেট(গ্রাম) | ৫ | ৭.৫ |

নেসনেল রুরেল হেল্থ মিসনগী স্কুল হেল্থ প্রোগ্রামগী মতুং ইন্না মহৈরোয়শিংদা মাইক্রোন্যুট্রেন্টশিং ভিটামিন-এ, আইরন অমসুং ফোলেট) অমসুং ডি-ৱার্মিং মেডিসিননচিংবা ফংহনগদবনি।

**ফাইনান্সেস:**

মিড-ডে মিল স্কিম অসিগী সেন্ট্রেল অমসুং ষ্টেট গভর্নমেন্টকী সিয়র কোষ্ট অসি মথংশিংনা 60% অমসুং 40% নি। সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা চেং, হৱাই অমসুং অতোপ্পা চিঞ্জাক্কী পৈশা পী।

ফেডরেল অমসুং ষ্টেট  গভর্নমেন্টনা ট্রান্সপোর্টেসন, লেবর অমসুং ফেসিলিটিনচিংবগী অচঙবা পৈশা পুথোকমিন্নগদবনি। স্কিম অসিদা য়াওরিবা ষ্টেটশিংনা  পুথোকপা শেনফম খেন্নৈ। স্কিম অসিগীদমক্তা তরামাথোইশুবা  ফাইভ–ইয়র প্লানদা লুপা বিলিয়ন ৩৮৪.৯(য়ু এস বিলিয়ন $ 5.9) এলোকেসন তৌই অমসুং তরানিথোইশুবা ফাইভ–ইয়র প্লানদা লুপা বিলিয়ন ৯০১.৫৫ (য়ু এস বিলিয়ন $ 14) এলোকেসন তৌই, মসি চাদা ১৩৪ হেনগৎলবনি। মিড–ডে মিল প্রোগ্রামসিদা পব্লিক এক্সপেন্দিচর অসি ইং ২০০৭–০৮তা লুপা বিলিয়ন ৭৩২৪ (য়ু এস বিলিয়ন $ 1.1) দগী  ইং ২০১৩–১৪দা লুপা বিলিয়ন ১৩২.১৫ (য়ু এস বিলিয়ন $ 2.0)দা হেনগৎলী। প্রাইমারি লেভেলগী অঙাং অমগী নোংমদা থোংগদবা অথোংবা চিঞ্জাক অসি লুপা ৪.১৩ (য়ু এস ¢ 6.3)দা লেপ্পী অদুগা অপ্পর প্রাইমারিগীনা লুপা ৪.১৮ (য়ু এস ¢ 9.5) দা লেপ্পী।

**ইমপ্লিমেন্টেসন মোডেল:**

**ডিসেন্ট্রেলাইজ্দ মোডেল:**

স্কিম অসি পাকশন্না পাঙথোকলবা থবক অমনি।  ডিসেন্ট্রেলাইজ্দ মোডেলদদি লোকেলগী কুকশিং অমসুং হেল্পর নৎত্রগা সেল্ফ–হেল্প গ্রুপশিংনা চাক থোংঙি। মসিগী থৌওং অসি লোকেলগী খুৎথোং ওইবনা খুদোং য়াম্না চাই, মফমদুগী মীওইশিংদুনা থবক ফংবগী খুদোং য়াম্না চাই অমসুং অরেম্বদা কা হেন্না মাংহন্দে। মসিনা মোনিটর তৌবদা খুদোং য়াম্না চাই (খুদম ওইনা:- মমা–মপা অমসুং ওঝা)।

ইনফ্রাষ্ট্রকচর মতিক চাদ্রবদি (খুদম ওইনা :- চাকখুম, কোল লিক্লচিংবা) খুদোং চাদবা কয়ামরুম মায়োকনৈ অমসুং হাইজিনিক ওইনবা হোৎনবদা অৱাবা ওই। ইং ২০০৪দা ইনা কুপ্পা ক্লাসরুম অমা চাক থোংবদগী মৈ ৱাইরক্কুনা অঙাং ৮৭ শিরম্মী। ইং ২০১১দা অঙাং নূপীমচা অমা চাক থোংলিবা পাত্রদা তাশিন্দুনা মৈ পোকপদগী অশোকপদুনা মরম ওইদুনা শিরম্মী।

**সেন্ট্রেলাইজ্দ মোডেল:**

সেন্ট্রেলাইজ্দ মোডেলদদি  এক্সটর্নেল ওর্গনাইজেসন্না থোংদোকলবা চিঞ্জাকশিং অদু স্কুলশিংদা য়েন্থোকপনি, মসি পব্লিক প্রাইভেট পার্টনরশিপনা মরুওইনা তৌবনি। অর্বান এরিয়াদদি স্কুল কুংনা তাবা মরম্না চানবা চিঞ্জাক পুথোক–পুশিন তৌবদা  শেল থুমগী খুদোং চাবা মরম্না  সেন্ট্রেলাইজ্দ কিটচন

অসি উবা ঙমগনি। সেন্ট্রেলাইজ্দ কিটচনশিংগী খুদোং চাবদি ওটোমেটেড প্রোসেসশিংদা হাইজিনিক ওইনা থোং-থাকপা তৌবদুনি। অক্ষয় পাত্র ফাউন্দেসন, একতা শক্তি ফাউন্দেসন, নান্দী ফাউন্দেসন, জয়জী হ্যুমেনিটরিয়ন সোসাইটি অমসুং পিপল'স ফোরমশিং অসি মিড-ডে মিল পীবা এনজিওশিংনি।

ইং ২০০৭তা সেন্ট্রেলাইজ্দ কিটচনশিং অসি য়েংশিনবা মতমদা চিঞ্জাক্কী ক্বালিটি অসি হেনগৎহনবা তঙাই ফদে হায়বসি খঙবা ঙমখি। চিঞ্জাক্কী মগুন অসি মতিক চাদ্রবা ফাওবদা ওঝাশিংনা কনাদা ৰাকৎকদগে হায়বসু খঙদে।

মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিসোর্স ডিভলপমেন্টকী রিপোর্ট মতুং ইন্না ইং ২০১০-১২গী দিল্লীগী এনজিওশিংগী চিঞ্জাক্কী সেম্পল অসি 95% দি চাং য়েংলে অদুম ওইনমক ন্যুট্রিসনেল ষ্টেন্দরদি য়ৌবা নত্তে। মসিগী মতুং ইন্না ৰাৎলিবা মিল অসিগীদমক্তা পেমেন্টকী 50% দি ফাজিন্দুনা থন্মী।

**ইন্টর্নেসনেল এসিষ্টেন্স:**

স্কিম অসিদা ইন্টর্নেসনেল ভোলুন্টরি অমসুং চেরিটি ওর্গনাইজেসনশিংনা মতেং পাংঙী। ৱার্ল্ড সর্ভিসনা দিল্লী অমসুং মদ্রাস ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন্দা শঙ্গোম পাউডর ফংহল্লী ; অসিদা সি এ আর ইনা নুংহৱাই মরু, বলগর গেহু অমসুং মনা-মশিংগী থাওনচিংবা পী; অমসুং য়ুনিসেফনা হাই প্রোটিন ফুড অমসুং ইডুকেসনেল সপোর্টশিং পী। ইং ১৯৮২দা ফুড এন্দ এগ্রিকলচরেল ওর্গনাইজেসন (এফ এ ও)গী মতেংগা লোইননা ''ফুড ফোর লর্নিং'' হৌদোকখি। অহৌবদদি স্কিম অসি সেড্যুল কাষ্ট অমসুং সেড্যুল ট্রাইব নূপীমচাশিংগী ওইরম্মী। ইং ১৯৮৩দা ৱার্ল্ড ফুড প্রোগ্রামগী অয়াবগী মতুং ইন্না ফেডরেল ডিপার্টমেন্ট ওফ ইডুকেসন্না ষ্টেট ১৫ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি ৩দা ক্লাস ।দগী V ফাওবা তন্নিবা সেড্যুল কাষ্ট নূপীমচা মিলিয়ন ১৩.৬ অমসুং সেড্যুল ট্রাইব নূপীমচা মিলিয়ন ১০.০৯দা মিল সপ্লাই তৌনবা স্কিম অমা হৌদোক্লম্মী। চহিগী ফুডকী ভেল্যু অসি $ 163.27 ওই। ষ্টেট গভর্নমেন্টনা লেবর, ফেসিলিটিশিং অমসুং ট্রান্সপোর্টেসনগী অচঙবা পৈশা পুথোকই। স্কিম অসিদা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী মরক্তা খুদোং চাদবা খরা থোকই। ষ্টেট অয়াম্বনা স্কিম অসিদা থৱাই য়াওই অদুমওইনমক এফ এ ওনা সপোর্ট তৌবা তোকখ্রবসু মখোয়গী তৌবা ঙম্বা অদুদি তৌগনি।

**মোনিটরিং এন্দ ইভালুএসন**
**মোনিটরিং মেকানিজম**
**এম ডি এম প্রোগ্রামদা মোনিটরিং তৌনবা কম্মিটিশিং**

| লেভেল | কম্মিটি | মিটিং ফ্রিক্বেন্সি |
|---|---|---|
| নেসনেল | নেসনেল লেভেল ষ্টিয়রিং/মোনিটরিং কম্মিটি প্রোগ্রাম এপ্রুভেল বোর্ড (পি এ বি) | ক্বার্টর্লি |
| ষ্টেট | ষ্টেট লেভেল ষ্টিয়রিং/মোনিটরিং কম্মিটি | ক্বার্টর্লি |
| ডিষ্ট্রিক্ট | ডিষ্ট্রিক্ট লেভেল কম্মিটি | মন্থ্লি |
| ম্যুনিসিপাল | ম্যুনিসিপাল কম্মিটি | মন্থ্লি |
| ব্লোক | মন্ডল লেভেল কম্মিটি | ফোর্টনাইটলি |
| ভিলেজ | পঞ্চায়ত লেভেল সব-কম্মিটি | স্কিম ইমপ্লিমেন্টকী ডে-টু-ডে ফঙ্কসনিং |
| স্কুল | স্কুল মেনেজমেন্ট অমসুং ডিভেলপমেন্ট কম্মিটি নৎত্রগা পেরেন্ট টিচর এসোসিএসন | মন্থ্লি নৎত্রগা দরকার ওইবা মতমদা |

**স্কিম ইভেলুএসন:**

এম দি এম স্কিম অসিগী মগুন লৈবা কান্নবা কয়ামরুম লৈ; মসিনা চাওখৎত্রিবা সেক্সনদা লৈবা স্কুলশিংগী অঙাংশিংদা পুক্লিং চিংশিল্লী (মরুওইনা নূপীমচাশিং, ডলিটশিং অমসুং আদিবাসীশিং); মসিনা অঙাংশিংদা চাং নাইবা, হৈগৎহনবা, ন্যুট্রিসনগী কান্নবা, অঙাংশিং মীরক তিন্নহনবগী কান্নবা অমসুং নূপীশিংদা লৌশিং মঙাল পীবগী কান্নবশিং পী।

ইকোনোস্তিশিংনা ষ্টডি তৌবদগী মসিগী কান্নবা অদু ময়েক শেংনা উৎলী। মসিগী পোজিটিব ওইবা কান্নবদি খুদোং চাদ্রবা অঙাংশিং (ড্রেজ অমসুং কিংডোন) মমিং চন্দুনা স্কুল চাং নাইনা কারক্লে (চক্রবর্ত্তি জয়ারমন, পান্দে), তম্লিংবগী পাঙ্গল লৈহল্লী (ব্রুৰা, অফ্রিডি অমসুং সোমনাঠন) মচি ওইবা

চিঞ্জাক চাবা থকপা হেনগৎহল্লী (অফ্রিডি), মচি ওইবা চিঞ্জাক চাবগী কান্নবা কয়ামরুম লৈহল্লী (সিং ডরকোন অমসুং পারকর), অসিনচিংবসিনি।

স্কিম অসিগী চিঞ্জাক পীবদা কাষ্টতা য়ুন্ফম ওইদুনা হন্থনা য়েংবিবা অসি গভর্নমেন্টনা য়ানিংলমদে। ইং ২০০৫দা সুখডেও ঠোরাট অমসুং জোইল লীনা মিড-ডে মিল প্রোগ্রামগী ষ্টডি তৌবদা কাষ্টতা য়ুন্ফম ওইদুনা হন্থনা য়েংবিবা অসি থেংনরম্মী।

প্রোগ্রাম অসি নূপীশিং মরুওইনা থবক শূরিবা নূপীশিংদনা হেন্না কান্নবা ওই হায়না মেডিয়ানসু রিপোর্ট তৌই অমসুং মসি মমা-মপা, মহৈরোয়শিং অমসুং ওঝাশিংনসু য়াম্না পাম্নবা স্কিম অমা ওই। মেডিয়ানসু স্কিম অসিগী ওইবা ইস্যুশিং রিপোর্ট তৌদুনা খঙহল্লী, মসিদা ইরিগুলরিটি, করপসন, হাইজিনিক, কাষ্টতা য়ুন্ফম ওইদুনা হন্থনা য়েংবিবা অসিনচিংববু খঙহল্লী।

**ইন্সিডেন্ট খরা মখাদা পীরি:**

ইং ২০০৫গী ডিসেম্বরদা দিল্লী পুলিসনা প্রাইমারি স্কুল অঙাংগী পিজনবা ট্রক ৪গী চেং বোড়া ২,৭৬০ ফাগৎলম্মী। হায়রিবা চেং অসি বুলন্দসার ডিষ্ট্রিক্কী ফুড কোরপোরেসন ওফ ইন্দিয়াদগী নোর্থ দিল্লীদা পুবদনি। চেংশিং অসি এন জি ও অমনা হুরান্দুনা পুবদা পুলিসনা ট্রকশিং অসি ফাবনি।

ইং ২০০৬কী নবেম্বরদা ডার্জিলিংদগী কি: মি: ৩০ লাপ্পা পেন্নোম খুঙ্গংগী ওঝ খরানা মিড-ডে মিলশিং অসি অরানবা মওংদা শীজিন্নরম্মী। খুঙ্গং অসিগী মীওইশিংনা প্রাইমারি স্কুলগী মহৈরোয়শিংগী মিড-ডে মিল অসি চহি অমমখায়রোম ফংলকত্রে হায়দুনা চেদা ইদুনা ৱাকৎলল্লুম্মী।

ইং ২০০৬কী ডিসেম্বরদা স্কুল স্তাফশিংনা চেং-হৱাই লৌবদা এটেন্দেন্ট রেজিষ্টারদা হেনজিন্না ইশিনবগী ডি টাইমস ওফ ইন্দিয়ানা রিপোর্ট তৌরম্মী। ইং ২০১৩গী জুলাই তাং ১৬তা সরান ডিষ্ট্রিক্কী ধর্ম্ম সটি খুঙ্গংগী অঙাং ২৩ মিড-ডে মিলগী হু চেনবা চিঞ্জাক চারুবদগী শিরম্মী। ইং ২০১৩গী জুলাই তাং ৩১দা জমুই ডিষ্ট্রিক্তা লৈবা কলয়ুগ খুঙ্গংদা লৈবা গভর্নমেন্টকী মিডল স্কুল অমদা এন জি ও অমনা পীজবা মিড-ডে মিল চিঞ্জাক চারুবদগী মহৈরোয় ৫৫ নারম্মী। নুমিৎ অসিমক্তদা অরৱল ডিষ্ট্রিক্কী চামন্দী প্রাইমারি স্কুলগী মহৈরোয় ৯৫সু মিড-ডে মিল চারুবদগী নারম্মী।

**ক্রীটিসিজম:**

ইন্দিয়াদা স্কিম অসি মায় পাকপগী মহুৎতা চাক লান্নবা অঙাংশিংগী প্রোব্লেম অমা লৈহল্লে। হৌজিক্কী ওইবা ষ্টেটিষ্টিক্সকী মতুং ইন্না চহি ৫গী মখাগী অঙাংশিং 42.5% দি অরুন্বা চাং য়ৌদ্রে। ইন্দিয়াগী ওইনা ইচম চন্বা হেল্থ মিজরশিং হায়বদি আইওদিন য়াওবা থুম শীজিন্নবা অমসুং ভেক্সিনেসন অসি অনকমন ওইরে। ইন্দিয়া ষ্টেট হঙ্গর ইন্দেক্সকী মতুং ইন্না ''মালেমগী ওইনা ইন্দিয়া অসি ফুড ইনসেক্যুর ওইবা পোপুলেসন ওই, মসিদা মীয়াম মিলিয়ন ৫০০ চাবা ফংদ্রি। অঙাং কয়ামরুম চাবা মপুং ফানা ফংদে, মসি লৈবাকসিনা মপুং ফানা নিয়ম চুম্না থবক তৌদবদগীনি। ''মসি সব–সহারান অফ্রিকাদগী হেন্না মচি ওইবা চিঞ্জাক চাবা ফংদবা রেটসি ৱাংনা লৈ'' হায়বদু উৎলি। ইং ২০০৯গী গ্লোবেল হঙ্গর ইন্দেক্সকী রেঙ্ক অসি লৈবাকসিনা ৮৪গী মনুংদা ৬৫দা লৈ। চহি অসিদা মিলিয়ন ২০০ হেন্না চাবা ফংদ্রি, মসি মালেমগী অতোপ্পা লৈবাকশিংদগী হেন্না লৈ। ষ্টেটকী রিপোর্টকী মতুং ইন্না ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিং অসি অঙাংশিংগী মচি ওইবা চিঞ্জাক পীজবা হেনগৎহনগদবনি।

## ১৬) নেসনেল লিটেরেসি মিসন প্রোগ্রাম

নেসনেল লিটেরেসি মিসন প্রোগ্রাম (এন এল এম) অসি ইন্দিয়া গভর্নমেন্টন্না ইং ১৯৮৮দা হৌদোকখিবা নেসন ৱাইড প্রোগ্রাম অমনি। মসিগী মরুওইবা পান্দমদি চহি ১৫–৩৫গী মথক্তা লৈবা মীওই মিলিয়ন ৮০বু চহি নিপালগী মনুংদা লাইরিক হৈহনবনি। ''লিটেরেসি'' হায়বসি এন এল এমগী মতুং ইন্না তম্বদা নত্তনা পাবা, ইবা অমসুং মশিং থিবা ঙমগদবনি অদুদসু নত্তনা অতোপ্পা মীশিংদা মতেং পাংদুনা, খঙহন্দুনা অমসুং হেন্না ফগৎপা মওংদা পুবিরক্তুনা মতেং পাংবনি।

**হিষ্ট্রি:**

ইং ১৯৮৮গী মে তাং ৫দা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা নেসনেল লিটেরেসি মিসন (এন এল এম) অসি লিংখৎখি। নেসনেল লিটেরেসি মিসন ওঠোরিটিগী গাইডেন্স মখাদা এন এল এমনা থবক তৌই, অমদি মসি মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিসোর্সেস এন্দ ডিভেলপমেন্টকী মখাদা লৈবা মনিং তম্বা মশা লোইশঙ অমনি।

এন এল এমগী ফ্লেগসিপ প্রোগ্রাম অনি লৈ ; মখোয় অদুদি:- ‘‘টোটেল লিটেরেসি’’ অমসুং ‘‘পোষ্ট লিটেরেসি’’ অসিনি। ইং ১৯৯৯গী সেপ্টেম্বর তাং ৩০দা প্রোগ্রাম অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা হৌদোক্লন্মী; প্রোগ্রামশিং অদুদি:- লিটেরেসি কেম্পেন অমসুং ওপেরেসন রেষ্টোরেসন অসিনি।

কেরলাগী ইরনাকুলম ডিষ্ট্রিক্তা লৈবা কোষ্টায়াম সিটিদা অহানবা ওইনা এন এল এম অসি মায় পাক্লা কেম্পেন তৌই।

ইং ২০০২গী নবেম্বর ফাওবদা লৈবাক অসিগী টোটেল লিটেরেসি অসি ডিষ্ট্রিক্ট ৬০০কী মনুংদা ৫৯৬তা মপুং ফানা পাঙথোক্লে। অদুগা ১৯১না পোষ্ট লিটেরেসি ফেজ ওইনা অদুগা ২৩৮না চৎথরিবা ফেজ ওইরন্মী।

ইং ১৯৯৯দা য়ু এন ই এস সিকোনা নোংমা লিটেরেসি প্রাইজ ফংলন্মী। মসিনা টিচিং মেটেরিএলগী জুরি এপ্রেত্রিসন ফংলন্মী ; মসিনা স্কুলশিংগী প্রাইমারি ইডুকেসনদা হেন্না ফবা মওং তাকপি তন্বিনবা এৱ্যারনেস পীবনি। এন এল এমনা এনজিওশিংগা লোইননা ঐখোয়গী লৈবাক শিন্থুংনা থবক তৌই অমদি মতিং লৈনা থবক তৌবশিংদা শেলগী তেংবাং ফংহল্লী। ইন্দিয়াগী ওইনা চহি ১৫–২৪ ফাওবদা লৈবা নহাশিংনা 81% অমসুং অহলশিংনা 63% লাইরিক হৈ, মসি য়ুনেস্কোনা ইং ২০০৫–২০১০দা ষ্টডি তৌবদা বেজ তৌবনি।

নেসনেল লিটেরেসি মিসন: নেসনেল লিটেরেসি মিসন গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়া পোর্টেল

## ১৭) স্মার্ট সিটিজ মিসন :

স্মার্ট সিটিজ মিসন হায়না খঙনবা অসি ভারত লৈঙাক্লা ময়োল্লম শেমদোক্লবা অমদি চাউখৎনবা অমদি লৈবাকসিদা লৈরিবা সিটি ১০০ চাউখৎনবা অমদি লৈবাকশিদা লৈরিবা মীওইশিং নুংশিননা অমদি তুংকোইনা চৎননবা  পান্দমগা লোইননা লৌখৎখিবা প্রোগ্রাম অমনি।  দি য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ অর্বান ডিভলপমেন্টনা মরি লৈনবা সিটিশিংগী ষ্টেট গভর্নমেন্টকা খুৎশম্নরগা মিসন্দু চৎননবা থৌদাং লৌই।

স্মার্ট সিটিজ মিসননা লৈবাকসিদা লৈরিবা সিটি ১০০ চাউখৎনবা থৌরাংদা য়ুন্ফম ওইরগা চাউখৎনবা হোৎনরি। মসিনা সিটিদুদগী অতোপ্পা মফমশিংদা অমদি নক্লবা সিটিশিং অমদি টাউনশিংদা মদুগী মমি তাখিনবা থাজবা থম্মী। স্মার্ট সিটিজ চেলেঞ্জদা য়ুন্ফম ওইরগা সিটিশিং খনগৎকনি। মিসনসিদগী কান্নবশিং ফংনবা লৈবাক শিনবা থুংনা অথোই-অহেন তান্নবদা সিটিশিং তান্নবা য়াওগনি। ২০১৮ জানুয়ারি ফাওবদা স্মার্ট সিটিজ মিসনগী শরুক অমা ওইনা সিটি ৯৯ অতোপ্পা সিটিশিং চেলেঞ্জদুদা মায়থীবা পীরল্লবা মতুংদা থাগৎখিনবা খনগৎলে।

মসি চহী মঙাগী প্রোগ্রাম অমনি। মসিদা ৱেষ্ট বেঙ্গল নত্তনা ভারতকী ষ্টেটশিং অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংনা  য়ামদ্রবদা সিটি অমমম্ থাগৎতুনা স্মার্ট সিটি চেলেঞ্জগীদমক্তা শরুক য়ারি। ২০১৭-২০২২ মরক্তা সেন্টর অমদি ষ্টেট লৈঙাক্লা সিটিশিংদুদা শেলগী তেংবাং পীগনি অমসুং মিসন্দুনা ২০২২দগী হৌনা পাউখুম উৎপা হৌরগনি। স্মার্ট সিটিজ মিসন চৎননবগীদমক্তা সিটি খুদিংমক্লা ফুল টাইম সি ই ও অমনা লুচিংবা  কোর্পোরেট কম্পনি অমা শেমগনি। প্রোজেক্টশিংসি মাগী চানবা অপুনবা রিভিন্যুশিংগা লোইননা অপুনবা ভেনচরশিং, সবসিদিয়ারিশিং, পব্লিক প্রাইভেৎ পার্টনরসিপ (পিপিপি), ত্রঙ্কি কন্ট্রেক্টনচিংবগী খূথাংদা য়েংশিনবগী থবক তৌবা য়াই। সেন্টর অমদি ষ্টেট লৈঙাক্লা কম্পনিদা আই এন আর ক্রোর ১,০০০ শেন্থং পীবদা আই এন আর ক্রোর ৫০০ / ৫০০ মান্ননা পুথোক্লে। কম্পনিনা ফাইনান্সিএল মার্কেতগী ডেট নৎত্রগা ইক্বিটি ওইনা  লৌরগা অহেনবা ফন্দ ৱাংখৎহনগদবনি।

**হিষ্ট্রি :**

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা ২০১৫, জুন ২৫দা 100 স্মার্ট সিটিজ মিসন হৌদোকখি। স্মার্ট সিটি ১০০ শেমগৎনবা অমদি অতৈ অতোপ্পা ৫০০না অমুক হন্না শেমগৎ- শাগৎনবা ভারতকী কেবিনেটনা লুপা ক্রোর ৯৮.০০গী অপুনবা শেনফম অমা অয়াবা পীখ্রে। কেবিনেটনা স্মার্ট সিটিজ মিসনগীদমক্তা লুপা ক্রোর ৪৮.০০ অমসুং অটল মিসন ফোর রিজুবিনেসন এন্দ অর্বান ট্রান্সফোর্মেসন (AMRUT)কীদমক্তা অপুনবা লুপা ক্রোর ৫০,০০০গী অয়াবা পীখ্রে। ২০১৪ য়ুনিয়ন বদজেৎ ওফ ইন্দিয়াদা ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা স্মার্ট সিটি ১৫০গীদমক্তা লুপা ক্রোর ৭,০১৬ কাইথোকখ্রে। অদুম ওইনমক কাইথোকখ্রবা অপুনবা শেনফমদগী শুপ্পগী লুপা ক্রোর ৯২৪ খক্তং ফেব্রুৱারী ২০১৫ ফাওবগী মনুংদা শীজিন্নথোকখিবা য়াই। মরম অসিনা ২০১৫ য়ুনিয়ন বদজেৎ ওফ ইন্দিয়ানা প্রোজেক্টসিগীদমক্তা লুপা ক্রোর ১৪৩ কাইথোকখ্রে।

অহানবা বেটচগী ওইনা ভারত পুম্বগী সিটি চেলেঞ্জ কম্পিটিসনগী অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা 20 লাইট হাউস সিটিজ হায়না খঙনবা সিটি ২০ খনগৎলে। মখোয়দা সেন্টরগী তেংবাং লুপা ক্রোর ২০০ চৎলিবা শেন্বা চহিদা পীগনি অমদি মতুং তারকপা চহিদা লুপা ক্রোর ১০০ থংন থংননা চহি অহুম ফাওবা পীগনি। অরেম্বা পৈশাশিং ষ্টেটশিং, অর্বান বোডিশিং অমসুং কোরপোরেট এন্টাইটিশিংগা লোইননা শেন্বা কনসোর্সিয়মদগী লাক্কদবনি। হৌখিবা মমাঙ চহিদা তৌখিবা অফবা থবকশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা বদজেৎ এলোকেসনগী চাদা ১০সু ষ্টেটশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা পুক্লিং থৌগৎপা ওইনা পীগনি। অর্বান ডিভলপমেন্ট মিনিষ্ট্রিনা স্মার্ট সিটি প্লানগী শেমগৎ-শাগৎনবগীদমক্তা পান্দম থল্লিবা সিটিশিংদা মাঙজৌননা লুপা ক্রোর ২ থাদোকখ্রে।

**স্মার্ট সিটি চেলেঞ্জ:**

স্মার্ট সিটিগী খোঙথাংসি ময়োল্লম চাওখৎনবগীদমক্তা য়ুনিয়ন গভর্নমেন্টনা অহেনবা মচাকশিং পীনবা নত্তে। মরুওইবা মচাক্তি সিটিজনশিংগী প্লান্নিং অমসুং ইন্টরপ্রিটিং স্মার্টনেসকী মরমদনি। মায়পাক্লবা সিটিশিংগী স্মার্ট সিটি ৱাহৌদোক্লা সিটিজনশিংদা, ষ্টেটশিংদা অমদি য়ু এল বিশিংদা স্মার্টনেসশিংনা করম্না তোঙান তোঙাননা লৌনরি হায়বদু পীরি। ভুবনেশ্বরনা মদুদা য়েংলিবা মীৎয়েংগা পুনেনা মদুদা য়েংলিবা মীৎয়েংগা মরী লৈনদে। মরম অসিদগী মিসন্সি শাথীনা খেন্নে। মিনিষ্ট্রি ওফ অর্বান ডিভলপমেন্ট প্রোগ্রামনা অহানবা ওইনা মেথদতা য়ুম্ফম ওইরগা শেল থাদনবা সিটি খন্নবগী

পান্বে অমা ওইনা অথোই অহেন তান্নবা অমা পাঙথোকখি অমসুং লমদা য়ুন্ফম ওইবা চাওখৎ থৌরাংগী লাল্লোং অমা শীজিন্নখি। ষ্টেটকী থাক্তা সিটিশিং অতোপ্পা সিটিশিংগা ষ্টেটতুগী মনুংদা অথোই অহেন তান্নে। অদুদগী ষ্টেটকী থাক্তা মায় পাক্লবশিংনা জাতিগী থাক্তা স্মার্ট সিটি চেলেঞ্জগী অথোই অহেন তান্নে। অকক্লবা রাউন্দদা খ্বাইদগী মার্ক ৰাংনা ফংবা সিটিখক্তনা মিসন্দুগী শরুক ওইগনি। মসি চৎনরবা ফাওবদা সিটি অমগী ম্যুনিসিপালিটি নৎত্রগা মেয়রদুনা মাগী সিটিদুগী চাউখৎ থৌরাংগী খূমাঙ চাওশিনবগী ফিভম উৎত্রবদি মখোয়দু অতোপ্পা সিটিনা মহুৎ শিন্দোকখিবা য়াই নৎত্রগা মথংগী শেলগী তেংবাং পীররোই। স্মার্ট সিটি খনবগী থৌওংদা নোমিনেসনগী লিষ্টনা অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা মার্ক তৌই। ষ্টেট লৈঙাকশিংদা মতিং লৈবা সিটিশিং ভারত শিন থুংনা লৈরিবা সিটি ১০০ ষ্টেট থাক্তা অথোই অহেন তান্নবদা য়ুন্ফম ওইরগা থাগৎলক্লবা হায়রম্মী। ষ্টেটশিং অমদি য়ুটিশিংগী মনুংদা অপুনবা স্মার্ট সিটি মশীং ১০০ মান্নবা ক্রাইটেরিয়াদা য়ুন্ফম ওইরগা য়েন্থোকখ্রে। ফোরম্যুলা অসিনা ষ্টেট/য়ুটিগী ময়োল্লমদা লৈবা মীওইশিং অমদি ষ্টেট/য়ুটিদুদা লৈরিবা ষ্টেট্যুটোরি টাউন অনিমক্তা মান্ননা মরু ওইবদু পীরি। ফোরম্যুলা অসিদা য়ুন্ফম ওইরগা ষ্টেট/য়ুটি খুদিংমক্তা মতিং লৈবা স্মার্ট সিটি খরদি লৈ। ষ্টেট/য়ুটি খুদিংমক্তা শোয়দনা স্মার্ট সিটি অমদি লৈগদবনি।

অগষ্ট ২০১৫দা ষ্টেট লৈঙাক্লা থাগৎলকপা নোমিনিশিংগী লিষ্ট অমা মিনিষ্ট্রি ওফ অরবান দিভেলপমেন্টনা ফোঙদোকলে। মসিদা ষ্টেটশিংগী কোনুং কয়া য়াউনা সিটি ৯৮ য়াওই।

স্মার্ট সিটি মিসন অসিদগী ৱেষ্ট বেঙ্গলগী সিটি পূন্নমক (ন্যু টাউন, কোলকটা, বিখানগর, দূর্গাপুর, হল্দিয়া) লৌথোকখ্রে। অদুগা মহারাস্ত্রগী মুম্বাই, নবী মুম্বাইসু মিসন অসিদগী লৌথোকখ্রে।

**স্মার্ট সিটি চেলেঞ্জগীদমক্তা ষ্টেটশিংনা থাগৎলকপা সিটিশিংগী লিষ্ট :**

ষ্টেটকী থাক্তা অথোই-অহেন তান্নবদা য়ুন্ফম ওইরগা জাতিগী থাক্কী স্মার্ট সিটি চেলেঞ্জগীদমক্তা ষ্টেটশিংনা থাগৎলকপা সিটি মশিং ৯৮নি। সিটি ১০০ থাগৎকদবনি অদুবু জম্মু কশ্মীর অমদি উত্তর প্রদেশতি থাগৎলক্ত্রে।

| এস এন ও. | ষ্টেট/য়ুটিশিংগী মমিং | স্মার্ট সিটিস চেলেঞ্জ নোমিনেসনস এলোকেটেদ | ষ্টেটশিংনা থাগৎলকপা সিটিশিংগী মমিং |
|---|---|---|---|
| ১. | অন্ধ্র প্রদেশ | ৩ | বিশাখাপটনম, কাকিনাদা, টিরুপটি |
| ২. | গুজরাট | ৬ | গান্ধীনগর, সুরট, বড়োদরা, রাজকোট, অহ্মদবাদ, লাহোর |
| ৩. | মধ্য প্রদেশ | ৭ | ভোপাল, ইন্দোর, গ্বালিয়র জবলপুর, সার্টনা, উজ্জয়ন, সাগর |
| ৪. | টমিল নাডু | ১২ | কোইম্বটোর, চেন্নাই, মদুরাই, টিরুচিরাপল্লি, বেলোর, সলেম, ইড়োড, টিরুপপুর, ডিনদিগুল, থানজবুর টিরুনেলবেলী, থুত্থুকুড়ি |
| ৫. | কর্নাটক | ৭ | মেঙ্গলুরু, বেলগাবি সিবামোগা, হুবলী–ধরৱাদ, টুমাকুরু, দবঙ্গিরী, বেঙ্গলুরু |
| ৬. | কেরলা | ২ | তিরুবনন্তপুরম, কোচ্চি |
| ৭. | টেলঙ্গনা | ২ | ৱারঙ্গল, করীম নগর |
| ৮. | মহারাস্ত্র | ৮ | থানে, কল্যান দোম্বিবলী, নাসিক, অমরাবটী, সোলাপুর, নাগপুর, পুনে, ঔরঙ্গবাদ |
| ৯. | উত্তর প্রদেশ | ১২(১৩) | মোরাদবাদ, আলিগর, সহরানপুর, বরেলী, ঝান্সী, কানপুর, ইলাহাবাদ, লক্ষ্ণৌ, রামপুর বরানসী, গাজিয়াবাদ, আগ্রা |
| ১০. | রাজস্থান | ৪ | জয়পুর, উদয়পুর, অজমের, কোটা |
| ১১. | পঞ্জাব | ৩ | লুধিয়ানা, জলন্ধর, অমৃটসর |
| ১২. | বিহার | ৪ | মুরজাফরপুর, গলপুর, বিহার সরিফ, পটনা |
| ১৩. | হরিয়ানা | ২ | করনাল, ফরিদবাদ |
| ১৪. | অসাম | ১ | গুৱাহাটী |
| ১৫. | উড়িষা | ২ | উড়িষা, ভুবনেশ্বর, রৌরকেলা |
| ১৬. | হিমাচল প্রদেশ | ১ | ধরমশালা |

| | | | |
|---|---|---|---|
| ১৭. | উত্তরখন্দ | ১ | দেহরাদুন |
| ১৮. | ঝরখন্দ | ১ | রাঞ্চী |
| ১৯. | সিক্কিম | ১ | নমচি |
| ২০. | মণিপুর | ১ | ইম্ফাল |
| ২১. | অন্দমানএন্দ নিকোবর | ১ | পোর্ট ব্লেয়র |
| ২২. | অরুনাচল প্রদেশ | ১ | পশিঘাট |
| ২৩. | চণ্ডিগড় | ১ | চণ্ডিগড় |
| ২৪. | ছাটিছগড় | ৩ | রাইপুর, বিলাসপুর, নয়া রাইপুর |
| ২৫. | দদ্রা এন্দ নগর হবেলী | ১ | সিলবাসা |
| ২৬. | ডমন এন্দ ড্যু | ১ | ড্যু |
| ২৭. | দিল্লী | ১ | ন্যু দিল্লী |

| এস এন ও. | ষ্টেট/য়ুটিশিংগী মমিং | স্মার্ট সিটিস চেলেঞ্জ নোমিনেসনস এলোকেটেদ | ষ্টেটশিংনা থাগৎলকপা সিটিশিংগী মমিং |
|---|---|---|---|
| ২৮. | গোৱা | ১ | পনাজী |
| ২৯. | লক্ষদ্বীপ | ১ | কবরাটী |
| ৩০. | মেঘালয় | ১ | শিলোঙ |
| ৩১. | মিজোরাম | ১ | আইজোল |
| ৩২. | নাগালেন্দ | ১ | কোহিমা |
| ৩৩. | পুদুচেরী | ১ | ঔলগরেৎ |
| ৩৪. | ত্রিপুরা | ১ | অগরটলা |
| ৩৫. | জম্মু এন্দ কাশ্মীর | ০(১) | নন |

০ উত্তর প্রদেশকী ওইনা সিটি ১৩ থাগৎপদা সিটি ১২ খনগৎলে।

০ জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী ওইনা সিটি অমখক পীখৎলী অদুবু মতম চানা চেলেঞ্জদুগী অহানবা রাউণ্ডগী ওইনা প্রোপেজেল থাজিনবা ঙমখিদে।

০ ৱেষ্ট বেঙ্গলগী সিটি পূন্নমক স্মার্ট সিটি মিসন্দগী লৌথোকখ্রে।

০ মুম্বাই অমসুং নবী মুম্বাই স্মার্ট সিটি মিসন্দগী লৌথোকখ্রে।

**অহানবা তাঙ্কক্কী মায় পাক্লবশিং– স্মার্ট সিটি ২০ খনবা।**

ভোপাল

ভুবনেশ্বর

পুনে

জয়পুর

সুরট

লুধিয়ানা

কোচ্চি

অহমদবাদ

জবলপুর

বিসাখাপটনম্

সোলাপুর

দবঙ্গিরী

ইন্দোর

ন্যু দিল্লী

কোইম্বটোর

ককিনাদা

বেলগাম

উদয়পুর

গুৱাহাটী

চেন্নাই

ইং ২০১৬কী জানুৱারী ২৮দা অরবান দিভেলপমেন্ট মিনিষ্টর ভেনকয়া নাইডুনা নোমিনেট তৌরক্লবা সিটি ৯৮গী মনুংদা সিটি ২০ খনগৎলে হায়না লাওথোকখ্রে। ভুবনেশ্বরনা অহানবা খনগৎলবা সিটি ২০গী মনুংদা খ্বাইদগী মকোক ওইরে অদুগা পুনে অমসুং জয়পুরনা মথংশিৎনা লাকই।

| রেঙ্কিঙ | খনগৎলবা সিটিশিং | ষ্টেট/য়ুটিশিংগী মমিং |
|---|---|---|
| ১. | ভুবনেশ্বর | উড়িষা |
| ২. | পুনে | মহারাস্ত্র |
| ৩. | জয়পুর | রাজস্থান |
| ৪. | সুরট | গুজরাট |
| ৫. | কোচ্চি | কেরলা |
| ৬. | অহ্মদবাদ | গুজরাট |
| ৭. | জবলপুর | মধ্য প্রদেশ |
| ৮. | বিসাখাপটনম্ | অন্ধ্র প্রদেশ |
| ৯. | সোলাপুর | মহারাস্ত্র |
| ১০. | দবঙ্গিরী | করনাটক্ক |
| ১১. | ইন্দোর | মধ্য প্রদেশ |
| ১২. | ন্যু দিল্লী | ন্যু দিল্লী |
| ১৩. | কোইম্বটোর | টমিল নাডু |
| ১৪. | ককিনাদা | অন্ধ্র প্রদেশ |
| ১৫. | বেলগাম | কর্নাটক |
| ১৬. | উদয়পুর | রাজস্থান |
| ১৭. | গুৱাহাটী | অসাম |
| ১৮. | চেন্নাই | টমিল নাডু |
| ১৯. | লুধিয়ানা | পঞ্জাব |
| ২০. | ভুপাল | মধ্য প্রদেশ |

**অনিশুবা রাউন্দগী মায় পাক্লবশিং – স্মার্ট সিটি ১৩ খনবা**

লক্ষ্নৌ

ভগলপুর

ন্যু টাউন, কোলকটা

ফরিদবাদ

চন্ডিগড়

রাইপুর

রাঞ্চী

ধরমসালা

ৱারঙ্গল

পনাজী

অগড়টালা

ইম্ফাল

পোর্ট ব্লেয়র

| সে. নং. | সিটি মমিং | ষ্টেট/য়ুটিশিংগী মমিং |
|---|---|---|
| ১. | লক্ষ্নৌ | উত্তর প্রদেশ |
| ২. | ভগলপুর | বিহার |
| ৩. | ফরিদবাদ | হরিয়ানা |
| ৪. | চন্ডিগড় | চন্ডিগড় |
| ৫. | রাইপুর | ছটিছগড় |
| ৬. | রাঞ্চী | ঝরখণ্ড |
| ৭. | ধরমসালা | হিমাচল প্রদেশ |
| ৮. | ৱারঙ্গল | টেলঙ্গনা |
| ৯. | পনাজী | গোৱা |

| | | |
|---|---|---|
| ১০. | অগরটলা | ত্রিপুরা |
| ১১. | ইম্ফাল | মণিপুর |
| ১২. | পোর্ট ব্লেয়র | অন্দমান এন্দ নিকোবর |
| ১৩. | ন্যু টাউন কোলকটা | ৱেষ্ট বেঙ্গল |

বেঙ্গল লৈঙাক্লা অথোই অহেন তান্নবশিদগী সিটি পূন্নমক লৌথোক্লবা ৱারেপ্লরবা মতুংদা স্মার্ট সিটি মিসন্দগী ন্যু টাউন কোলকটা লৌথোকখ্রে। মসিনা সিটিদু স্মার্ট সিটি ওইনা শেমগৎনবা পীগদবা লুপা ক্রোর ১,০০০ লৌদ্রে। অহুমশুবা রাউণ্ডগী মায় পাক্লবশিং – স্মার্ট সিটি ২৭ খনবা

অমৃটসর

কল্যান

উজ্জয়ন

টিরুপটি

নাগপুর

মেঙ্গলুরু

ভেল্লোর

থানে

গ্বালিয়র

আগ্রা

নাসিক

রৌরকেলা

কানপুর

মদুরাই

টুমকুর

কোটা

থানজবুর

নমচী

জলন্ধর

সিমোগা

সালেম

অজমের

বরানসী

কোহিমা

হুবলী

ঔরঙ্গবাদ

বড়োদরা

রাউন্দ অসিদা ষ্টেটকী কোনুং ওইরিবা সিটিশিং পটনা, তিরুবনন্তপুরম্, বেঙ্গলুরু, অমরাবটী, ইটানগর, গেংটোক, শিমলা, নয়া রাইপুরশিংদা পীরিবা (চাকথুংশিংদগী) কোটাদগী হেনগৎনা স্মার্ট সিটি চেলেঞ্জদা অথোই অহেন তান্নবা য়াওবা য়াহনখ্রে। মসিনা জম্মু এন্দ কাশ্মীর অমদি উত্তর প্রদেশ লৈঙাক্তা সিটি ২/২ মথংশিৎনা জম্মু অমসুং শ্রীনগর অমদি রাই বরেলী অমসুং মিরুট নিয়ম থুগাইদুনা নোমিনেট তৌবা য়াহল্লী। সিটি ১১০ রোম্না মতিক চাবা সিটি ১০০গীদমক অথোই অহেন তান্নগনি।

মখাদা পীরিবশিংসি অহুমশুবা স্মার্ট সিটি লিষ্টনি।

| সে. নং. | খনগৎলবা সিটিশিং | ষ্টেট/য়ুটিশিংগী মমিং |
|---|---|---|
| ১. | অমৃটসর | পঞ্জাব |
| ২. | কল্যান | মহারাস্ত্র |
| ৩. | উজ্জয়ন | মধ্য প্রদেশ |
| ৪. | টিরুপটি | অন্দ্র প্রদেশ |
| ৫. | নাগপুর | মহারাস্ত্র |
| ৬. | মেঙ্গলুরু | কর্নাটিক |
| ৭. | ভেলোর | টমিল নাডু |
| ৮. | থানে | মহারাস্ত্র |
| ৯. | গ্বালিয়র | মধ্য প্রদেশ |
| ১০. | আগ্রা | উত্তর প্রদেশ |

| | | |
|---|---|---|
| ১১. | নাসিক | মহারাস্ত্র |
| ১২. | রৌরকেলা | উড়িষা |
| ১৩. | কানপুর | উত্তর প্রদেশ |
| ১৪. | মদুরাই | টমিল নাড়ু |
| ১৫. | টুমকুর | কর্নাটক |
| ১৬. | কোটা | রাজস্থান |
| ১৭. | থানজবুর | টমিল নাড়ু |
| ১৮. | নমচী | সিক্কিম |
| ১৯. | জলন্ধর | পঞ্জাব |
| ২০. | সিমোগা | কর্নাটক |
| ২১. | সালেম | টমিল নাড়ু |
| ২২. | অজমের | রাজস্থান |
| ২৩. | বরানসী | উত্তর প্রদেশ |
| ২৪. | কোহীমা | নাগালেন্দ |
| ২৫. | হুবলী ধরৱাদ | কর্নাটক |
| ২৬. | ঔরঙ্গবাদ | মহারাস্ত্র |
| ২৭. | বড়োদরা | গুজরাট |

মরিশুবা রাউন্দগী মায় পাক্লবশিং স্মার্ট সিটি ৩০ খনবা মখাদা পীরিবশিংসি স্মার্ট সিটিদা মরিশুবা রাউন্দ চল্লবা সিটিশিংনি।

মহারাস্ত্রদগী থাগৎলকপা পিম্প্রী চিন্দচৱাদনা নবী মুম্বাইগী মহুৎ শিন্দোকখ্রে অমদি স্মার্ট সিটি মিসনগীদমক্তা সিটিশিংগী মরক্তা অমা ওইনা খনবা ঙমলে।

টিরুনেলবেলী

থুখুকুড়ী

নয়া রাইপুর

রাজকোট

অমরাবটী

পাটনা

করীম নগর

মুজাফরপুর

পুদূচেড়ি

গান্ধীনগর

বিলাসপুর

পশিঘাট

জম্মু

দাহোদ

তিরুবনন্তপুরম

আইজোল

ইলাহাবাদ

ঝান্সী

পিম্প্রী চিন্দৰাদ

টিরুচিরাপলী

দেহরাডুন

শিমলা

বেঙ্গলুরু

টিরুপপুর

গেংটোক

আলিগড়

সাটনা

কর্নাল

শ্রীনগর

**স্মার্ট সিটি ৩০:**

| সে. নং. | সিটিশিংগী মমিং | ষ্টেট/য়ুটিশিংগী মমিং |
|---|---|---|
| ১. | তিরুবনন্তপুরম | কেরলা |
| ২. | নয়া রাইপুর | ছটিছগড় |
| ৩. | রাজকোট | গুজরাট |
| ৪. | অমরাবটী | মহারাস্ত্র |
| ৫. | পাটনা | বিহার |
| ৬. | করীম নগর | তেলঙ্গনা |
| ৭. | মুজাফরপুর | বিহার |
| ৮. | পুদুচেড়ি | পোন্দিচেড়ী |
| ৯. | গান্ধীনগর | গুজরাট |
| ১০. | শ্রীনগর | জম্মু এন্দ কশ্মীর |
| ১১. | সাগর | মধ্য প্রদেশ |
| ১২. | কর্নাল | হরিয়ানা |
| ১৩. | সাটনা | মধ্য প্রদেশ |
| ১৪. | বেঙ্গলোর | কর্নাটক |
| ১৫. | শিমলা | হিমাচল প্রদেশ |
| ১৬. | দেহরাডুন | উত্তরাখন্ড |
| ১৭. | টিরুপপুর | টমিল নাড়ু |
| ১৮. | পিম্প্রী চিন্দৱাদ | মহারাস্ত্র |
| ১৯. | বিলাসপুর | ছটিছগড় |
| ২০. | পশিঘাট | অরুনাচল প্রদেশ |
| ২১. | জম্মু | জম্মু এন্দ কশ্মীর |
| ২২. | দহোদ | গুজরাট |
| ২৩. | টিরুনেলবেলী | টমিল নাড়ু |
| ২৪. | থুত্থুকুড়ী | টমিল নাড়ু |

| | | |
|---|---|---|
| ২৫. | টিরুচিরাপলী | টমিল নাডু |
| ২৬. | ঝান্সী | উত্তর প্রদেশ |
| ২৭. | আইজোল | মিজোরাম |
| ২৮. | ইলাহাবাদ | উত্তর প্রদেশ |
| ২৯. | আলিগড় | উত্তর প্রদেশ |
| ৩০. | গেংতোক | সিক্কিম |

**মঙাশুবা রাউন্দগী মায় পাক্লবশিং– স্মার্ট সিটি ৯ খনবা:**

ইরোদ

সহারানপুর

মোরদবাদ

বরেল্লী

ইটানগর

সিলভাসা

দিউ

কভরাটি

বিহার সরিফ

**স্মার্ট সিটি ৯:**

হৌজিক স্মার্ট সিটি মিসন্দা হাপচিনখ্রবা অপুনবা সিটি ৯৯ লৈরে। মখাদা পিরিবশিংসি মঙাশুবা রাউন্দ চল্লবা সিটিশিংনি।

| সে. নং. | সিটিশিংগী মমিং | ষ্টেট/য়ুটিশিংগী মমিং |
|---|---|---|
| ১. | ইরোদ | টমিল নাডু |
| ২. | সহরানপুর | উত্তর প্রদেশ |
| ৩. | মোরাদবাদ | উত্তর প্রদেশ |

| | | |
|---|---|---|
| ৪. | বরেল্লী | উত্তর প্রদেশ |
| ৫. | ইটানগর | অরুনাচল প্রদেশ |
| ৬. | সিলভাশা | দাদ্রা এন্দ নগর হবেলী |
| ৭. | ড্যু | দামন এন্দ ড্যু |
| ৮. | কভারাটি | লক্ষদ্বীপ |
| ৯. | বিহার সরীফ | বিহার |

## ১৮) ষ্টেন্দ অপ ইন্দিয়া

ষ্টেন্দ অপ ইন্দিয়াসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ২০১৬গী এপ্রিল ৫দা নূপীশিং অমদি সেদ্যুল কাষ্ট অমদি সেদ্যুল ট্রাইব জাতিশিংগী মরক্তা মশানা মশাবু থবক পীজনবা হোৎনবদা মতেং পীনবা হৌদোকখি। মসি ষ্টেন্দ অপ ইন্দিয়াগা য়াম্না মান্নে অদুবু খেন্নবা খরসু য়াওই। অনিমক অতৈ লৈরিবা ভারত লৈঙাক্কী স্কিমশিং হায়বদি মেক ইন ইন্দিয়া, ইন্দষ্ট্রিয়েল কোড়িদোর দেদিকেটেদ ফ্রেট কোড়িদোর, সগরমালা, ভারতমালা, উড়ান আর সি এস, ডিজিটেল ইন্দিয়া, ভারত নেট অমসুং UMANG নচিংবদা কান্নবা পী।

### হিষ্ট্রি:

ইং ২০১৬গী এপ্রিল ৫দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নূপীশিং অমদি সেদ্যুল কাষ্ট অমসুং সেদ্যুল ট্রাইব জাতিগী মরক্তা মশানা মশাবু থবক পীজনবা হোৎনবদা শৌগৎনবা লৈঙাক্কী হোৎনবগী শরুক ওইনা ষ্টেন্দ অপ ইন্দিয়া স্কিমসি হৌদোকখি।

### দি স্কিম:

স্কিমশিনা বেঙ্ক লোন লুপা লাক্ষ ১০দগী লুপা ক্রোর ১গী মনুংদা সেদ্যুল কাষ্ট অমসুং সেদ্যুল ট্রাইবশিং অমদি নূপীশিংনা ফার্ম সেক্টরগী ৱাংমদা অনৌবা থবক ময়াম লিংখৎলিবশিংদা পী

## ১৯) প্রধান মন্ত্রী আৱাস যোজনা

প্রধান মন্ত্রী আৱাস যোজনাসি মচাক অনিগা লোয়ননা হায়বদি প্রধান মন্ত্রী আৱাস যোজনা (অর্বান) (পি এম এ ৱাই য়ু) ময়োনলমগী লায়রবশিংগীদমক্তা অমসুং প্রধান মন্ত্রী আৱাস যোজনা (গ্রামীন) (পি এম এ ৱাই জি অমসুং পি এম এ ৱাই –আর শু) খুঙ্গংগী লায়রবশিংগীদমক্তা, হায়বসি ভারতকী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ময়োনলমগী লায়রবশিংগীদমক্তা অহোঙবা মমলদা য়ুম শাবিনবা ২০২২গী মার্চ ৩১ ফাওবগী মনুংদা অহোঙবা মমলদা য়ুম মিলিয়ন ২০ শানবগী পান্দমগা লোয়ননা লৌখৎখিবা খোঙথাং অমনি। স্কিমসি অতৈ অতোপ্পা স্কিমশিংগা পুনশিন্নরে অমদি য়ুম খুদিংমক টোয়লেৎ অমা শোয়দনা লৈহনগদবনি অমদি সৌভাগ্য যোজনা ইলেক্ট্রিসিটি কন্নেক্সন, উজ্বলা যোজনা, এল পি জি গ্যাস কন্নেক্সন, থক্লবা ঈশিং ফংহনবা অমসুং জন ধন বেঙ্ককী খুদোংচাবশিংনচিংবা শোয়দনা লৈহনগদবনি। আর এ ৱাই স্কিমগা য়াওরগা অপুনবা শেন কায়থোকপগী অয়াবা পীরবা ময়োনলমগী য়ুম মশিং ৩৯,২৫,২৪০নি অমদি ২০১৮গী মার্চ ফাওবদা খুঙ্গংগী য়ুম মিলিয়ন ৫ শাবা লোইশিনবনি অমসুং ২০১৯গী মার্চ ফাওবদনা য়ুম মিলিয়ন ১০ শাবা লোইশিনবনি।

### হিষ্ট্রি:

প্রধান মন্ত্রী আৱাস যোজনাসি ২০১৫গী জুনদা ময়োনলমগী লায়রবশিংদা অহোঙবা মমলদা য়ুম শাবিনবা পান্দমগা লোয়ননা হৌদোকখি।

পি এম এ ৱাইগী মখাদা ময়োনলমগী লায়রবশিংগী শেন–থুমগী ফিভম শোত্থবা কাংবুশিং অমদি ইনকম নেম্বা গ্রুপশিং য়াওনা সেন্ট্রেল লৈঙাক্তগী শেলগী তেংবাং লুপা ট্রিলিয়ন ২ গা লোয়ননা ময়োনলমদা চহি ২০২২ ফাওবদা য়ুম ক্রোর ২ শানবা থৌরাং তৌরে। মিসনসিগী মচাক মরি লৈ হায়বদি লৈরিবা লমদু রিসোর্স ওইনা শীজিন্নদুনা প্রাইভেত সেক্টরগা পুন্না শরুক য়াম্মিন্নদুনা, স্লম অমুক হন্না শেমগৎ–শাগৎপা, ক্রেদিৎ লিঙ্ক সবসিদিগী খুত্থাঙদা চানবা য়ুম শাবা, প্রাইভেত অমসুং পব্লিক সেক্টর পুল্লগা অতাবা মমলদা য়ুম শাবা অমদি বেনিফিসরিশিংগী অপাম্বা মতুং ইন্না য়ুম শাগৎপা/শেমজিনবা/মচাকশিংসিগী মখাদা সেন্টরগী তেঙবাংসি লুপা লাক্ষ ১দগী লুপা লাক্ষ ২.৩০ ফাওবা ওইগনি।

**দি স্কিম:**

প্রধান মন্ত্রী আৱাস যোজনাগী মওং মতৌশিং অদুদি লৈঙাক্লা য়ুম শানবা লোন লৌরিবা বেনিফিসরিশিংদা চহি ২০গী ওইবা ক্রেদিৎ লিঙ্ক সবসিদি স্কিম (সি এল এস এস)গী মশাদা লোন অমা লৌবা হৌবদগী শেন্দোয়গী তেঙবাং চাদা ৬.৫গী চাংদা পীগনি। প্রধান মন্ত্রী আৱাস যোজনাগী মখাদা য়ুম খূদিংমক টেক্নোলোজি অমগী মখাদা হায়বদি অকোয়বগী ফিভমগা চাননা শাগদবনি। পি এম এ ৱাইগী মখাদা হাউসিং স্কিম অমদা মখা ইথং-থংবা কাশিং পীবদা অহল ওইরবশিং অমদি হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবশিংদনা হেন্না খুদোংচাবা পীগনি।

**ফাইনান্স:**

এপ্রিলগী ২০১৬ ফাউবদা লৈঙাক্লা ময়োনলমগী লায়রবশিংগী য়ুম ৬,৮৩,৭২৮ শাননবা সেন্টরগী তেঙবাং লুপা বিলিয়ন ১০০.৫০ য়াওরগা লুপা বিলিয়ন ৮৩৯.২২ থাদবগী অয়াবা পীখ্রে।

**ইলিজিবিলিটি ক্রাইটেরিয়া:**

পি এম এ ৱাইগী ফিভম (a) বেনিফিসরিগী মতম চহি ৭০ ফাওবগী মনুংদনি। (b) ই ডব্লিউ এস (ইকোনোমিক ৱিকর সেক্সন) চহিগী ইনকম লুপা লাক্ষ ৩দগী তাবা অমসুং (c) এল আই জি (লোৱর ইনকম গ্রুপ) - ফেব্রুৱারি ২০১৭তগী চহিগী ইনকম লুপা লাক্ষ ৩,০০,০০১দগী ৬,০০,০০০ অমসুং মিদ ইনকম গ্রুপ (d) বেনিফিসরিশিংনা ভারতকী মফম অমত্তদা মখোয়গী ইমুংগী মীওই অমগী মিংদা মশাগী ওইবা লৈফম অমত্তা লৈরোইদবনি। স্কিমসিগী মখাদা পীবা য়ুমশিংদু নূপীশিংনা নত্রগা নূপাশিংগা পুল্লগা মপু ওইগদবনি।

**ফেজেস:**

পি এম এ ৱাই ফেজ অহুম থোক্লা য়ুম শাবা হৌবা অমদি লোইশিনবগী থবক মখাগী অসুম্না পীরি।

০ পি এম এ ৱাই ফেজ -১ - এপ্রিল ২০১৫দগী ২০১৭ মার্চ ফাওবা সিটি ১০০ কোনশিনবা

০ পি এম এ ৱাই ফেজ –২ – ২০১৭এপ্রিলদগী ২০১৯ মার্চ ফাওবা অহেনবা সিটি ২০০ কোনশিনবা

০ পি এম এ ৱাই ফেজ –৩ – ২০১৯এপ্রিলদগী ২০২২ মার্চ ফাওবা লেমহৌবা সিটিশিং কোনশিনবা

**কোনশিল্লবা ষ্টেটশিং অমসুং সিটিশিং:**

২০১৬কী এপ্রিল ২৫ ফাওবদা লৈঙাক্লা ষ্টেট ২৬তা সিটি অমসুং টাউন ২,৫০৮ ময়োন লমগী লায়রবশিংগীদমক্তা য়ুম শাবা হৌনবা মশক খঙদোক্লে। ২০১৮গী ফেব্রুৱারিদা ময়োন লমগী লায়রবশিংগী অহেনবা য়ুম ১,৮৬,৭৭৭ শানবা সেন্টরগী তেংবাঙ লুপা ক্রোর ২,৭৯৭কা লোয়ননা লুপা ক্রোর ১১,১৬৯ থাদবা য়াখ্রে। মার্চ ২০২২ ফাউবদা য়ুম মিলিয়ন ২০ শানবা পান্দমদা খন্নরিবা আর এ ৱাই স্কিম য়াউরগা অপুনবা য়ুম মশীং ৩৯,২৫,২৪০দা অয়াবা পীখ্রে।

১। ছটিসগর – সিটি/টাউন ১০০০

২। জম্মু এন্দ কাশ্মীর – সিটি/টাউন ১৯

৩। ঝরখন্ড – সিটি/টাউন ১৫

৪। মধ্য প্রদেশ – সিটি/টাউন ৭৪

৫। রাজস্থান থাদনা

৬। লুপা ক্রোর ৪,৩২২ থাদবগা লোয়ননা হরিয়ানাগী সিটি অমসুং টাউন ৩৮দা য়ুম ৫৩,২৯০

৭। লুপা ক্রোর ২,৩১৪ থাদবগা লোয়ননা টামিল নাডুগী সিটি অমসুং টাউন ৬৫দা য়ুম ৪০,৬২৩

৮। লুপা ক্রোর ১,৪৬১ থাদবগা লোয়ননা কর্নাটকগী সিটি ৯৫দা য়ুম ৩২,৬৫৬

৯।  লুপা ক্রোর ৯৪৬ থাদবগা লোয়ননা গুজরাটকী সিটি অমসুং টাউন ৪৫দা য়ুম ১৫,৫৮৪

১০।  লুপা ক্রোর ৮৬৮ থাদবগা লোয়ননা মহারাস্ত্রগী সিটি অমসুং টাউন ১৩দা য়ুম মশীং ১২,১২৩

১১।  লুপা ক্রোর ২৮৪ থাদবগা লোয়ননা কেরলাদা সিটি ৫২দা য়ুম মশিং ৯,৪৬১

১২।  লুপা ক্রোর ২৫৮ থাদবগা লোয়ননা উত্তরাখন্ডদা সিটি অমসুং টাউন ৫৭তা য়ুম মশীং ৬,২২৬

১৩।  লুপা ক্রোর ১৫৬ থাদবগা লোয়ননা উরিষাদা সিটি অমসুং টাউন ২৬তা য়ুম মশীং ৫,১৩৩

**প্রাইভেত কন্ত্রিব্যুটরস:**

প্রধান মন্ত্রী আৱাস যোজনাগী মখাদা আই আই এফ এল হোম লোন্না লৈবাক শিনবা থুংনা বেনিফিসরিশিংবু ক্রেডিট লিঙ্ক সবসিদিগী কান্নবা ফংহন্দুনা মতেং পাংদুনা লাক্লি। ২০১৭কী অগষ্ট ১৭ ফাউবদা কম্পনিনা বেনিফিসরি ৪১৮৭ লৈঙাক্কী সবসিদিগী খুদোংচাবা ফংহন্দুনা মতেং পাংলি। আই সি আই সি আই বেঙ্কনা স্কিমশিগী মতিক চাবা মীওইশিংদা সবসিদাইজ হোম লোনশিং পীরি। এ য়ু হাউশিং ফাইনান্স লিমিটেদনসু  স্কিমশিগী মখাদা সবসিদিগী ওইবা শেল কায়থোকই। রাজীব আৱাস যোজনাসি স্লমদা লৈবশিংদা চানবা য়ুম ফংহন্নবা অমসুং স্লমশিং করম্না  ওইরকখিবা অমদি মশীং য়ামখৎলকপগী থৌওংশিং হন্থহনবদা মতেং পাংনবা হোৎনবা ভারত লৈঙাক্কী প্রোগ্রাম অমা ওইরম্মী। মসি ভারত লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ হাউশিং এন্দ অর্বান পোৱর্টি এল্লিবিএসন্না হৌদোক্লম্মী। প্রোগ্রামসি সেন্টরনা শৌগৎপা ২০১৩দগী ২০১৪ ফাওবা চথখিবা স্কিম অমা ওইরম্মী। স্কিমসিনা ২০২২ ফাওবদা মীওইশিংদা য়ুম নত্রগা চঙজফম লৈফম লেম্না পৈশা তিংদনা পীদুনা ভারতসি স্লম লৈতবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা পান্দম থল্লি। মসিনা মোড ওইনা হৌদোক্ত্রিঙৈ মমাঙদা পাইলোট প্রোজেক্ট ওইনা হৌখ্রে। ভারতকী তরানিথোইশুবা চহি মঙাগী থৌরাংগী মতমদা লৈঙাক্লা মসি চৎননবগীদমক্তা লুপা বিলিয়ন ৩২২.৩০ কায়থোক্লে। রাজীব আৱাস যোজনাগী মখাদা বেনিফিসরি মিলিয়ন অমা কোনশিন্নবা ৱা হৌদোকখ্রে।

মফম খনবসি ষ্টেটনা সেন্টরগা তান্নরগা দিষ্ট্রিক্ট হেডক্বাটরশিং, ধর্ম্মগা মরী লৈনবা মফমশিং অমসুং লমকোয়বগী মরুওইবা মফমশিংদনা হেন্না খুদোংচাবা পীগদবা ওইরম্মী। সিটিদা লৈরিবা স্লমশিং

অমদি সেড্যুল কাষ্ট, সেড্যুল ট্রাইবনা হেন্না খুন্দাবা অমসুং মীশিং য়াম্না তাদবা অমদি অতোপ্পা শোত্থরবা অমদি খুন্নাইগী উপায় লৈজদ্রবা সেক্সন্দনা হেন্না খুদোংচাবা পীগনি। এস বি আইনা হৌজিক হোম লোন লুপা লাক্ষ ৭৫গী মথক্তা লৈবশিংগী শেন্দোয়গী চাং বেসিস পোইন্ট ১০দা হন্থহনখ্রে। ২০১৭কী জুন ১৫দগী হায়রিবসিগী চাং চাদা ৮.৫৫-৮.৬ ওইগনি।

## ২০) রাষ্ট্রিয় স্বাস্থ্য বীমা যোজনা (RSBY)

নেসনেল হেল্ঠ ইন্সুরেন্স প্রোগ্রাম হায়বসি ভারতকী লায়রবশিংগীদমক্তা লৈঙাক্না চলাইবা হেল্ঠ ইন্সুরেন্স প্রোগ্রাম অমনি। স্কিমশিনা বি পি এল ক্যাটেগোরিগী মনুং চনবা রিকগনাইজ তৌদবা সেক্টরগী শিন্মীশিংবু হেল্ঠ ইন্সুরেন্স কোনশিন্নবা পান্দম থল্লি অমদি মখোয়গী ইমুং মনুংগী মীওইশিংসু স্কিম অসিগী মখাদা কান্নবা ফংবা ওইগদবনি। মসিনা মীয়ামগী অমদি লন্নাই অনা লায়েংশঙশিংদা লায়েংনবগীদমক্তা পৈশা তিংদনা ইন্সুরেন্সকী খুদোংচাবা পীরি। স্কিমশি ২০০৮গী এপ্রিল ১দগী মিং চনবা হৌখ্রে অমসুং ভারতকী ষ্টেট ২৫দা চৎনহনখ্রে। ২০১৪গী ফেব্রুৱারি ফাওবদা অপুনবা ইমুং মিলিয়ন ৩৬ মিং চল্লে। অহানবদদি আর এস বি ৱাইসি মিনিষ্ট্রি ওফ লেবর এন্দ ইমপ্লোইমেন্টকী মখাদা প্রোজেক্ট অম ওইরম্মী। হৌজিক মসি ২০১৫গী এপ্রিল ১দগী মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্ঠ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যারদা হোংখ্রে। লায়রবগী পনখৈগী মখাদা লৈবা নাপু মচুগী রেসন কার্ড পায়বা ইমুং খুদিংমক্না মখোয়গী ফোটোগ্রাফ অমসুং খুৎশা মমিশিং য়াউবা বাইওমেত্রিক এনেবল স্মার্ট কার্ড অমা ফংনবা রেজিষ্ট্রেসন ফী লুপা ৩০ পী। মসিনা মখোয়বু মমিং লৈরবা অনা-লায়েংশঙশিংদা ইমুং অমদা চহিদা অনাবা লায়েংবগী লুপা ৩০,০০০ ফাউবা ফংবা ঙমহল্লী। হান্নना নাদুনা লৈরম্লবা অনাবশিংদি অহানবা নুমিত্তগী কোনশিল্লে অমদি ইমুংগী মকোক ওইরিবা মতৈ-মনাউ অমসুং মচা অহুম ফাউবা নত্রগা মমা-মপা ফাউবা কোনশিল্লী।

২০১২-১৩গী ওইনা যুনিয়ন বজেত্তা লৈঙাক্না অপুনবা শেল লুপা ক্রোর ১০,৯৬৭ আর এস বি ৱাইগী কায়থোক্লে। বি পি এলগী মীশিং পূম্নমক কোনশিগদবা ওইরবসু (টেন্দুলকর কম্মিটি এষ্টিমেটকী মতুংইন্না চাউরাক্না ভারতকী অপুনবা মীশীং চাদা ৩৭.২) ২০১১গী মার্চ ৩১ ফাউবদা ভারতকী অপুনবা মীশীং চাদা ১০ রোমতমক মিং হাপচিনখ্রে। বি পি এলগী মীশীং লোয়না কোনশিনবা ঙম্নবা লৈঙাক্কী শেঙ্গাউদগী চহি অমদা য়ামদ্রবদা লুপা ক্রোর ৩,৩৫০ চৎকনি পান্নরি।

স্কিমসি মালেমগী খ্বাইদগী ফবা হেল্থ ইন্সুরেন্স স্কিমশিংগী মরক্তা অমনি হায়দুনা ৱার্ল্ড বেঙ্ক, য়ু এন অমসুং আই এল ওদগী থাগৎপা ফোঙদোরকই।

জর্মন্না মশাগী লৈজরিবা মালেমদা খ্বায়দগী লিরবা সোসিয়েল সেক্যুরিটি সিষ্টেম ফগৎনবা হৌজিক লৈরিবা অঙাং মিলিয়ন ২.৫ কান্নবা ফংলিবা অতাঙবা ভোকচর বেজ সিষ্টেমগী মহুৎ শিন্দোক্তুনা স্মার্ট কার্ড বেজ মোদেল চৎননিংবগী অপান্বা উৎলে। ইন্দো জর্মন সোসিএল সেক্যুরিটি প্রোগ্রাম লৈবাক অনিগী মরক্তা মতেং পাংননবা শেমখিবসিনা লৈবাক অনি অসি পুন্না থবক তৌম্মিন্ননবগী লমজিং লমতাক ওইরি। চাউনা হোংবশিংগী মনুংদা অমদি স্কিমশিনা থৌশাবিদ্রবা মফমশিংদা শেল থাদদুনা কান্নবা পীবা অসিনি। ভারত্তা লৈরিবা প্রাইভেত ইনভেষ্টমেন্ট অয়াম্বনা হকশেলগী লমদা অহুমশুবা থাক নত্রগা ময়োনলমগী লমদনা থোইদোক হেন্দোক্লা মীৎয়েং থমলক্লি। অদুম ওইনমক আর এস বি ৱাইনা লাকপগা লোয়ননা ফিভমশি হোংলক্লি। অনৌবা মতমগী কম্পনিশিং হায়বদি গ্লোবেল হেল্থ কেয়ার সিষ্টেমগুম্বা কোলকটাদা বেজ তৌবা অমসুং টায়র ১ কেপিটেল ফন্দশিং হায়বদি সিকুইয়া কেপিটেল অমসুং ইলিভর ইক্বিটিনা শেল থাদদুনা সেমি অরবান রুরেল সেটিংশিংদা ষ্টেট ওফ আর্ট হোসপিটালশিং লিংখৎলে। মসিগী মওংসিনা ভারতকী হেল্থ কেয়ার সিষ্টেমদা (দরকার লৈবশিং) ৱাৎলিবা মচাকশিং শেমগৎপা ঙম্লে। কাউন্সিল ফোর সোসিএল দিভলপমেন্ট রিপোর্টকী মতুং ইন্না স্কিমশি য়াম্না কান্নবা ওইদে। আউটপেসেন্টকী চাদিং অনা-লায়েংশঙদা লৈরগা লায়েংবা অমসুং হিদাক লাংথকশিংগী চাদিং হেনগৎপনা ইন্সুরেন্স কম্পনিশিংনা মখোয়গী পোলিসিশিংগী মনুংদা য়াওবা মখল মখা কয়াগী লায়নাশিং নমদুনা য়াওহন্দে অমসুং মসিনা বি পি এল ইমুংশিংগী ওইনা ঙমহন্দ্রে। রিপোর্টতশু ফংলে মদুদি বিনিফিসরি অয়াম্বদি অৱাংবা থাক্তগী ঙাক্তা ওইরে অমদি ফংহন্নিংলিবা বিনিফিসরিশিংদি ওইদ্রে। ইমুং ক্রোর ১০ বু লুপা মিলিয়ন ০.৫কী ইন্সুরেন্স ফংহন্নবা আর এস বি ৱাইদগী আয়ুস্মান ভারত নেসনেল হেল্থ প্রোটেক্সন মিসন (এন ঐচ পি এম) হায়বা অমা খায়দোক্লবা খন্নরি।

## ২১) সাব্লা:

রাজীব গান্ধী স্কিম ফোর ইম্পাৱরমেন্ট ওফ এদোলেসেন্ট গর্লস (আর জি এস ই এ জি)সাব্লা হায়বসি সেন্টরনা শৌগৎপা ভারত লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ ৱুইমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্টকী মখাদা ২০১১গী এপ্রিল ১দা হৌদোকখিবা প্রোগ্রাম অমনি।

**পান্দম:**

প্রোগ্রামসিগী পান্দমশিংদি:

০ মথোৎ কারকপী নূপীমচাশিংবু মশা মতোমতা শেমগৎচবা অমদি হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহনবা

০ মখোয়গী চিঞ্জাক অমদি হকচাংগী ফিভম ফগৎহনবা

০ হকচাংগী মরমদা ৰাখল তাবা হেনগৎহন্নবা লু-নানবা, চিঞ্জাক, এদোলেসন্টে রি প্রদক্তিভ এন্দ সেক্সুয়েল হেল্ঠ (এ আর এস ঐস) অমসুং ইমুং-মনুং অমসুং অঙাংগী চেক্শিন থৌরাংগী মতাংদা ৰাখল তাবা হেনগৎহনবা।

০ ভোকেসনেল স্কিলগীদমক্তা হোম-বেজ স্কিলস, লাইফ স্কিলশিংবু হেন্না চাওখৎহন্দুনা নেসনেল স্কিল প্রোগ্রামগা পুনশিন্নবা

০ স্কুল থাদোকখ্রবা ইনখৎলক্লিবা নূপীমচাশিংবু ফোর্মেল নত্রগা ননফোর্মেল মওংদা পুশিল্লক্তুনা ময়ামগা মান্নহনবা

০ হৌজিক লৈরিবা পব্লিক সর্ভিসশিং হায়বদি পি ঐচ সি, সি ঐচ সি, পোষ্ট ওফিস, বেঙ্ক, পুলিস ষ্টেসন্নচিংবশিংগী ই-পাউ অমদি লমজিং লমতাক পীবিবা

**কন্টেন্ট:**

ইনখৎলক্লিবা নূপীমচাশিংদা পীগদবা সর্ভিস পেকেজ য়াওবা অমা মখাগী অসুম্না পীরি:-

০ চিঞ্জাক প্রোভিজন

০ আইরন অমসুং ফোকিল এসিদ (আই এফ এ) কী অৰাৎপা মেনশিনবা

০ হেল্ঠ চ্যেক-অপ অমদি রিফরেল সর্ভিসশিং

o ন্যুত্রিসন এন্দ হেল্‌ঠ ইদুকেসন (এন ঐচ ই)

o ইমুং মনুংগী য়াইফনবা এ আর এস ঐচ (ARSH), অঙাং চেকশিন থৌরাংগী থবকশিং অমসুং হোম মেনেজমেন্টকী মতাংদা পাউতাক পীবা অমদি লমজিং লমতাক পীবা

o লাইফ স্কিল ইদুকেসন অমদি পব্লিক সর্ভিসশিংদা চঙবা

o NSDPগী মখাদা চহি ১৬ অমদি মসিগী মথক্তা লৈবা নূপীমচাশিংগী ভোকেসনেল ট্রেনিং পীবা

ইলিজিবিলিটি ক্রাইটেরিয়া:-

প্রোগ্রামসিনা লৈবাকসিদা লৈরিবা ষ্টেটশিং/য়ু টিশিংদা খনগৎলবা দিষ্ট্রিক্ট ২০০দা আই সি ডি এস প্রোজেক্টকী মখাদা ইনখৎলক্লিবী স্কুল চৎত্রবা নূপীমচাশিং চহি ১১দগী ১৮ ফাওবদা লৈবশিংখক্তা কোনশিনগনি। টার্গেট গ্রুপতু অমুক মখা তানা চহি ১১-১৫ অমদি ১৫-১৮ ফাওবা খায়দোক্কনি।

## ২২) সম্পূর্ণ গ্রামীণ রোজগার যোজনা:

সম্পূর্ণ গ্রামীণ রোজগার যোজনা (ইংলিস: য়ুনিবর্সেল রুরেল ইমপ্লোইমেন্ট প্রোগ্রাম) হায়বসি ভারত লৈঙাক্না খুঙ্গংগী লায়রবশিংবু কান্নবা থবক পীনবগী পান্দম ফংনবা হৌদোকখিবা স্কিম অমনি। ১৯৯৯গী এপ্রিল ১দগী ই এ এস অসি এলোকেসন বেজ স্কিম অমা ওইখ্রে। প্রোগ্রামসি পঞ্চায়তী রাজ ইনষ্টিট্যুসনশিংগী খুত্থাংদা চৎনবা হৌখ্রে।

সম্পূর্ণ গ্রামীণ রোজগার যোজনাসি ২০০১গী সেপ্টেম্বর ১দা ইমপ্লিমেন্ট এস্যুরেন্স স্কিম (ই এ এস) অমদি জৱাহর গ্রাম সমৃদ্ধী যোজনা (জে জি এম ৱাই)গী প্রোভিজনশিং পুনশিন্নদুনা হৌদোকখ্রে। প্রোগ্রামসি মহৌশানা মশা মতোমতা লেপচবা ওই অমদি খুঙ্গংগী লমদা লৈবা লায়রবা পনখৈগী মখাদা লৈবা মীওইশিংদা থবক অমদি চিঞ্জাক পীনবা পান্দম থল্লি।

**হৌরকফম:**

সম্পূর্ণ গ্রামীণ রোজগার যোজনা হায়বসি তশেংনা ইমপ্লোইমেন্ট এস্যুরেন্স স্কিম (ই এ এস) অমসুং জৱাহর গ্রাম সমৃদ্ধী যোজনাগী (জে জি এস ৱাই)গী মখাদা প্রোভিজনশিং পুনশিন্নবনি। ১৯৮০গী ওক্টোবরদা মতমদুগী প্রাইম মিনিষ্টর ইন্দিরা গান্ধীনা ফুদ ফোর ৱর্ক প্রোগ্রামসি অমুক হন্না শেমদোকখি অমদি নেসনেল রুরেল ইমপ্লোইমেন্ট প্রোগ্রাম হায়না অমুক নৌনা মমিং থোনখি অমদি ১৯৮১গী এপ্রিলদগী চাং নাইবা প্রোগ্রাম অমা ওইরে। প্রোগ্রামসি তরুকশুবা চহি মঙাগী থৌরাংগী মতমদা হৌদোকখি। মসিনা থবক ফংদ্রিবা মীশিংদা অহেনবা থবক হৌদোক্লবা পান্দম থল্লি। সেন্টরগা ষ্টেটকা রেসিও ৫০: ৫০ ওইরগা শেনখায় পুথোক্লরম্মী।

ইং ১৯৮৯দা এন আর ই পি অসি জৱাহর রোজগার যোজনাগা পুনশিন্নরম্মী। প্রাইম মিনিষ্টর রাজীব গান্ধীনা ইং ১৯৮৯গী অপ্রিল ১দা জৱাহর রোজগার যোজনাসি (জে আর ৱাই) নেসনেল রুরেল ইমপ্লোইমেন্ট প্রোগ্রাম অমদি রুরেল লেন্দলেস ইমপ্লোইমেন্ট গরেন্টি প্রোগ্রাম পুনশিন্নদুনা হৌদোকখ্রে। প্রোগ্রামসি ময়োন লমদদি নেহরু রোজগার যোজনা হায়বদুনি।

মসি মমাঙগী ইমপ্লোইমেন্ট প্রোগ্রামশিং পুনশিন্নদুনা হেন্না মপুং ফাবা প্রোগ্রাম অমা ওইরম্মী অমদি মসি মরু ওইবা শোৎখবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈবা মীওই অমদা নুমিৎ ৯০-১০০ ফাওবা থবক পীনবা পান্দম অমগা লোয়ননা মতমদুগী ভারতকী খ্বাইদগী চাউবা নেসনেল ইমপ্লোইমেন্ট প্রোগ্রাম ওইরম্মী। মরু ওইবা পান্দমদি লায়রবগী পনখৈগী মখাদা লৈবা মীওইশিংগী ওইরম্মী। যোজনাসি খুঙ্গংগী থাক্তা চৎনরম্মী। খুঙ্গং খুদিংমক পঞ্চায়তী রাজ ইনষ্টিট্যুসনশিংদা কোনশিনগদবা ওইরম্মী। খুঙ্গংদু দিষ্ট্রিক্ট রুরেল দিভলপমেন্ট ওথোরিটিদগী মতেং ফংলম্মী। শীজিন্নবা শেল খুদিংমক সেন্টর অমদি ষ্টেটনা রেসিও ৮০: ২০গী চাংদা পুথোক্লে। যোজনাসি ইং ১৯৯৩-৯৪দগী শেল হেন্না চাউনা কাইথোক্তুনা হেন্না পাকথোক চাওথোক্লবা পান্দম থমখ্রে। মসি পরিং অহুম থোক্লা খায়দোক্লম্মী।

**অহানবা পরিং:**

জে আর ৱাইগী মখাদা ময়ামগী ওইবা থবকশিং য়াওরি অমদি সব-স্কিম অনি হায়বদি ইন্দিরা আৱাস যোজনা অমসুং মিলিয়ন ৱেলস স্কিমসু য়াওরি। মসিদনা অপুনবা কায়থোরকপা শেনফমদগী চাদা ৭৫ ফংঙী। হায়রিবা মতমসিদা ইন্দিরা আৱাস যোজনাগী কাইথোকপা শেনফম চাদা ৬তগী চাদা ১০ অমদি মিলিয়ন ৱেলস স্কিমগীনা চাদা ২০দগী ৩০দা হেনগৎখি।

**অনিশুবা পরিং:**

মসি ইনটেন্সিফাইদ জে আর ৱাই হায়নসু কৌনরম্মী অমদি খনগৎলবা শোত্থরবা দিষ্ট্রিক্ট ১২০ চৎনখ্রে। মসিনা কাইথোকপা শেনফমগী চাদা ২০ ফংঙী।

**অহুমশুবা পরিং:**

শিন্মীশিং হোংখিবা থিংনবা, ইকং থোকপা থেংননবা, ৱাটরসেদনচিংবা শানবা প্রোগ্রামশিং হৌদোক্লবা কাইথোরকপা শেনফমগী চাদা ৫ খাক্তুনা থল্লম্মী। ইং ১৯৯৯গী এপ্রিল ১দগী হৌনা মসিগী যোজনাসি জৱাহর গ্রাম সমৃদ্ধী যোজনানা মহুৎ শিনখ্রে। অদুগী মতুংদা ইং ২০০১গী সেপ্টেম্বর ২৫দগী জৱাহর গ্রাম সমৃদ্ধী যোজনাসি সম্পূর্না গ্রামীন রোজগার যোজনাগা পুনশিন্নরম্মী।

**জৱাহর গ্রাম সমৃদ্ধী যোজনা:**

জৱাহর গ্রাম সমৃদ্ধী যোজনাসি ভারতকী অহানবা  প্রাইম মিনিষ্টর জৱাহরলাল নেহরুগী মমিং লৌদুনা থোনখিবনি অমসুং খুঙ্গংগী মথৌ তাবা মচাক মথুমশিং শেমগৎনবা পান্দম থল্লি। প্রোগ্রামশিংসিনা খুঙ্গংগী লায়রবশিংগী ফিভম ফগৎহনবদা অচৌবা মতেং পীরি। ২০০১দা খুৎশুমল পীবা শিন্মীশিং অমসুং মথৌ তাবা মরু মরাংশিং পীবা ঙম্নবা দি ফুদ ফোর ৱর্ক প্রোগ্রাম হৌদোকখি। স্কিমসি মমাঙদদি জৱাহর রোজগার যোজনা হায়না খঙনরম্মী। মসি ইং ১৯৮৯দা ৱেজ ইমপ্লোইমেন্ট প্রোগ্রাম অনি হায়বদি নেসনেল রুরেল ইমপ্লোইমেন্ট প্রোগ্রাম (এন আর ই পি) অমসুং রুরেল লেন্দলেস ইমপ্লোইমেন্ট গরেন্টি প্রোগ্রাম (আর এল ই জি পি) পুনশিন্নদুনা হৌদোকখ্রে। মসি পঞ্চায়তী রাজ ইনষ্টিট্যুসনগী খুত্থাংদা চৎনখিবা খ্বাইদগী চাওবা অমত্তা ঙায়রবা ৱেজ ইমপ্লোইমেন্ট প্রোগ্রাম ওইরম্মী।

**ইমপ্লোইমেন্ট এস্যুরেন্স স্কিম:**

ইং ১৯৯৩গী ওক্টোবর ২দা লৈবাকশিদা লৈরিবা মী লন্না তাবা য়াম্না খুদোং চাদবা ব্লোক ১৭৭৮দা অহানবা ওইনা ই এ এস চৎনবা হৌখি।

**এনাওন্সমেন্ট ওফ এস জি আর ৱাই:**

অরোইবদা ইং ২০০১গী অগষ্ট ১৫দা মতমদুগী প্রাইম মিনিষ্টর অটল বিহারী বাজপাইনা অনৌবা ৱেজ ইমপ্লোইমেন্ট প্রোগ্রাম হায়বদি সম্পূর্না গ্রামীন রোজগার যোজনা লাওথোকখি। মতুং তারকপদা স্কিমসি ২০০১গী সেপ্টেম্বর ২৫দা হৌদোকখি।

**প্রোবিজন্স:**

স্কিমসিদা নূপীশিং, সেড্যুল কাষ্ট, সেড্যুল ট্রাইব অমদি খুদোংথিনিংঙাই ওইবা শিনফমশিংদগী থোরক্লবা অঙাংশিংগী মমা-মপাশিংগী অখন্নবা প্রোবিজনশিং য়াওই। লায়রবগী পনখৈগী মখাদা লৈবা ইমুংশিংদা খুদোংচাবা পীবা তারবসু লায়রবগী পনখৈগী মথক্তা লৈবা মীওইশিংসু স্কিমসিগী মখাদা খন্ননিঙায় ওই। চিঞ্জাক টোন লাক্ষ ৫০গী প্রোবিজন য়াওবা লুপা ক্রোর ১০,০০০গী বজেৎ অমা স্কিমসিগীদমক্তা কাইথোকখ্রে। সেন্টর অমদি ষ্টেটকী মরক্তা রেসিও ৭৫-২৫দা শেল পুথোকমিন্নে। অদুম ওইনমক সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা চানবা মরু মরাংগীদি পৈশা তিংদনা পীরে অদুবু পুথোক পুশিনগী মমলদি ষ্টেটনা পুজগদবনি। অদুম ওইনমক ই এ এস অমদি জে জি এস ৱাই পুনশিন্নখিবা তারবসু চহি ২০০১-০২গী ওইনা ই এ এস অমদি জে জি এস ৱাইগী তোঙান তোঙানবা ফন্দ কাইথোক্লে। মসি পাঙথোকপা/চৎনবা অমদি একাউন্টিংগী খুদোংচানবগীদমক্তা তৌখিবনি। অদুম ওইনমক চৎলিবা চহি ২০০২-০৩দগী হৌনা ই এ এস অমসুং জে জি এস ৱাই অনিমক্কী ওইনা অপুনবা বজেৎ চৎনরে।

**চৎনবা/পাঙথোকপা:**

প্রোগ্রামসি দিষ্ট্রিক্ট পঞ্চায়তশিং, ইন্টরমেদিয়েৎ পঞ্চায়তশিং অমদি গ্রাম পঞ্চায়তশিংদা চৎনরে/ পাঙথোক্লে। রিসোর্সশিংসি রেসিও ২০-৩০-৫০দা কাইথোক্লে। গ্রাম সভাগী অয়াবদা য়ুন্ফম ওইরগা গ্রাম পঞ্চায়তশিংনা মখোয়গী থবক পাঙথোকই। গ্রাম পঞ্চায়তকী ফন্দগী চাদা ৫০দি এস সি/এস টিনা নম্না তাবা মফমশিংগী মচাকশিং শেমগৎ-শাগৎপদা শিজিন্নে। দিষ্ট্রিক্ট অমসুং ইন্টরমেদিয়েত পঞ্চায়তশিংদা পীরকপা ফন্দগী চাদা ২২.৫দি এস সি/এস টি কাঙলুপকী লন্নাই মীওইশিংগী চাওখৎ থৌরাংদা শীজিন্নে। স্কিমসিগী মখাদা কন্ট্রেক্টরশিং নত্রগা মরক্কী মীশিং থবক তৌহনবগী অয়াবা পীদে। অদুম ওইনমক স্কিমসি ফেব্রুৱারী ২গী ২০০৬তগী চৎনবা হৌখ্রবা এন আর ই জি পিদা পুনশিনখ্রে।

## ২৩) নেসনেল রুরেল লাইব্লিহুদ মিসন (এন আর এল এম)

নেসনেল রুরেল লাইব্লিহুদ মিসন (এন আর এল এম) হায়বসি ভারত লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ রুরেল দিভলপমেন্টনা লায়রবশিংগী ফিভম ফগৎনবা পায়খৎখিবা প্রোজেক্ট অমনি। স্কিমশিনা খুঙ্গংগী লায়রবশিংবু মশানা মশাবু থবক পীজনবা অমদি শেমগৎ–শাগৎপা হেনগৎনবা মীৎয়েং থল্লি। প্রোগ্রামসিগী মরুওইবা ৱাখল্লোন্দি লায়রবশিংবু সেলফ হেলপ গ্রুপশিং লিংখত্তুনা মখোয় মশানা মশাবু থবক পীবা ঙমহনবনি। ১৯৯৯দা ইন্টিগ্রেটেদ রুরেল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম অমুক হন্না শেমদোক্লবা মতুংদা মিনিষ্ট্রি ওফ রুরেল দিভলপমেন্টনা খুঙ্গংগী লায়রবশিংবু মশানা মশাবু থবক পীজবা হেনগৎনবা মীৎয়েং থমদুনা স্বর্ন জয়ন্টি গ্রামীন স্বরোজগার যোজনা (এস জি এস ৱাই)সি হৌদোকখি। এস জি এস ৱাই সি হৌজিক এন আর এল এম শেম্নবা মওং হোংদোক্লে। এস জি এস ৱাই প্রোগ্রামগী অৱাৎ– অপা কয়ামুক হাপচিন্দুনা এন আর এল এমগী মওং অসি শেল্লে। স্কিমসি ২০১১দা বজেৎ দোলর বিলিয়ন ৫.১গা লোয়ননা হৌদোকখ্রে। অমদি মিনিষ্ট্রি ওফ রুরেল দিভলপমেন্টকী ফ্লেগসিপ প্রোগ্রামশিংগী মনুংদা অমা ওইরে। মসি মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা লায়রবশিংগী পুন্সি মহিং ফগৎনবা পায়খৎপা খোঙথাংশিংগী মনুংদা অমা ওইরে। প্রোগ্রামসি ৱর্ল্ড বেঙ্কনা দোলর বিলিয়ন ১গী শেন্থং পীদুনা মতেং পাঙ্ভী। স্কিমসি ২০১৫ সেপ্টেম্বর ২৫দগীদি দিন দয়াল অন্ত্যোদয়া যোজনানা মহুৎ শিনখ্রে।

### বেক গ্রাউন্দ:

এম এস জি এস স্কিমগী মরুওইবা ৱাখল্লোন্দি এস ঐচ জি গ্রুপশিং শেম্বনি অমসুং ওন্ত্রপ্রনরগী ওইবা থবক থৌরাং খরা হৌনবা মখোয়বু মতেং পাংবনি। অদুবু মমৈদদি এস ঐচ জি গ্রুপশিং মাই পাক্ত্রে।

### মিসন, প্রিন্সিপলস অমসুং ভেল্যুজ:

নেসনেল রুরেল লাইব্লিহুদ মিসনগী মরুওইবা থাজবদি লায়রবশিংসি পোকপদগী তৌবা ঙম্বগী থৌনা য়াওজরকই অমসুং লায়রবা কোক্লবা অচেৎপা অনীংবা অমা লৈজে হায়বসিনি। মখোয়শিংসি লায়রবগী চৈথেং ময়াম মায়োক্লদুনা হিংবা ঙম্নবগীদমক মচাক ওইরিবা ওন্ত্রপ্রনরগী গুন চেনবা মীওইশিংনি। মসিদা শিংনরিবদি মখোয়গী থবক তৌবা ঙম্বগী থৌনা ফুদোক্তুনা মশক থোকপা পুন্সি মহিং অমা শেমগৎপা অমদি মখোয়বু লায়রবদগী নান্থোকপা ঙমহনবনি।

**মিসন:**

লায়রবশিংগীদমক মপাঙ্গল কনবা অমদি তুং কোইনা লৈহৌগদবা গ্রাসরুট ইন্সটিটিয়্যুসনশিং লিংখত্তুনা লায়রবা কোকহন্নবা লায়রবা ইমুংশিংদা মশানা মশাবু থবক পীজনবা অমদি মখোয়গা চানবা থবক ফংদুনা মখোয়গী পুন্সি মহিং অদু ফগৎনবনি।

**গাইদিং প্রিন্সিপলস**

০ লায়রবশিংসি লায়রবা কোক্লবা অচেৎপা অনীংবা অপান্বা লৈজে অমদি মখোয় পোকপদগী থবক তৌবা ঙম্বগী থৌনা য়াওজরকই।

০ মীয়াম হুপ্না য়াওহন্নবা, ইন্সটিটিয়্যুসনশিং শাগৎনবা থৌনা হেনগৎনবা থৌওং পাংথোক্লবা মপানথোংগী কখোকপা অমসুং থৌদাং লৈবা তেংবাং অমা মথৌ তাই।

০ লৌশিং শন্দোকপদা মতেং পাংবা, হৈ-শিংবা, খুৎলোইবা হেনগৎহনবা, শেন্থং লৌনবা লন্থী, থোন্নবা লন্থী, অতৈ অতোপ্পা পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা থবকশিংনা মখোয়গী পুন্সি মহিং তুংকোইনা নংঙায়বা পরিং অমদা হিংবা ঙমহল্লী।

**ভেল্যুজ:**

এন আর এল এমগী মখাদা থবক থৌরম খুদিংমক লমজিং লমতাক্লিবা মরুওইবা ভেল্যুশিং মখাগী অসুম্না পীরি:

০ থৌওং পুন্নমক্তা লায়রবদগী লায়রবশিং ৱাহন্থোক লৈবা থৌদাং লৌহনবা

০ ইন্সটিটিয়্যুসনশিং অমসুং থৌওং পুন্নমক্কী মনুং মপান ফাওনা উবা অমদি একাউন্টিবিলিটি লৈবা

০ লায়রবশিংনা মখোয়গী ইন্সটিটিয়্যুসনশিংদা তাঙ্কক খুদিংদা হায়বদি শীন লাঙবদা, চৎনবা লিংখৎপদা অমসুং য়েংশিনবদা মপু ওইবা অমদি মরু ওইবা  থৌদাং লৌবা

o মীয়ামগী (মনীং-মখা তন্বা অমসুং) মশানা মশাবু তেংবাংজবা অমদি মশানা মশাগী লাইবক লেপচবা

**খোঙজং:**

লায়রবশিংগী পুন্সি মহিং শেমগৎনবা, মতেং পীনবা অমসুং ঙাক্তুনা থম্নবা মখোয়গী থবক ঙন্বগী মওং পুনশিনগনি অমদি মখোয়গী তৌবা ঙন্বগী মওং হায়বদি (ই-পাউ, লৌশিং, হৈ-শিংবা, খুৎলাইশিং, শেল অমদি অপুনবা)শিং চান্ননা লৈহনবনা লায়রবশিংনা মপানগী মালেমগা শম্নবা ঙমহল্লী। এন আর এল এমনা মরম অহুমদা হায়বদি – লৈরিবা লায়রবশিংগী পুন্সি মহিংগী অপান্বা হেগৎহন্দুনা অমসুং পাকথোক চাউথোকহন্দুনা মপান্দা পোৎ য়োন্থোকখিনবা হৈ-শিংবশিং শেমগৎনবা অমসুং মশানা মশাবু থবক পীজবা অমদি ওন্ত্রপ্রনরশিং য়োকখত্নুনা থবক তৌই। কখোল্লবা তেংবাং মচাকশিংনা লায়রবশিংগী ইন্সটিট্যুটকী প্লেটফোর্মশিং শাগৎলী অমদি মপাঙ্গল কনখৎহল্লী মীওইবগী অমসুং খুন্নাইগী মতেংগা লোয়ননা হায়রিবা প্লেটফোর্মশিং অসিনা মখোয়গী মেম্বরশিংদা হিংবদা চঙবা কয়া অমা পীবগা লোয়ননা লায়রবশিংদসু মতেং পীরি। হায়রিবা সর্ভিসশিং অসিদা শেন-থুম অমসুং কেপিটেল সর্ভিসশিং, পোখোক হেন্না পুথোক্লবা সর্ভিসশিংসিগী মনুংদা টেক্নোলোজি, লৌশিং, স্কিমশিং অমসুং ইনপুটস মার্কেট লিঙ্কশিংসু য়াওরি। খুঙ্গংগী লায়রবগী পনখৈগী মখাদা লৈবা নহাশিংদা কাউন্সেলিং তৌরবা মতুংদা স্কিল দিভলপমেন্টকী মতেং পীরবা মতুংদা মখোয়বু চানবা তলব ফংবা থবক পী। মশানা মশাবু থবক পীনিংবা লায়রবশিংদা স্কিল অমসুং শেন-থুমগী মরী লৈনবা মতেং পীগনি অমসুং মীয়াম্না পাম্নবা পোখোক অমসুং সর্ভিসশিংগা মরী লৈনবা মাইক্রো ওন্ত্রপ্রাইজশিং লিংখৎপদা মতেং পাংগনি। লায়রবশিংবু মখোয়গী হক অমসুং খুদোংচাবশিং পব্লিক সর্ভিসশিং অমসুং ইন্নোভেসনশিং অসিবু খুদোং চাবা পীনবগীদমক্তা প্লেটফোর্মশিং অসিদা মফম পীরি। ইন্সটিট্যুসনশিংগী মতেংনা লায়রবশিং পুনশিন্নবা অসিনা মেম্বর খুদিংগী ট্রাঞ্জেক্সন কোষ্ট হন্থহল্লি। মসিনা মখোয়গী পুন্সি মহিংবু হেন্না লাইথোকহল্লি অমসুং লায়রবা কোক্লবগী খোঙজেল অদু হেন্না য়াঙহল্লে। এন আর এল এস সি মিসনগী মওংদা চৎনগনি। মসিনা য়াহল্লিবশিংদি –

a) ষ্টেটশিংনা শেন্বা লায়রবা হন্থহন্দুনা/কোকহন্দুনা মশা মথন্তা হিংজনবগী এক্সন প্লানশিং চৎনবা ঙম্নবগীদমক্তা হৌজিক লৈরিবা বেজ ষ্ট্রাটেজিবু দিমান্দ দ্রাইভন ষ্ট্রাটেজিদা হোংবা

b) অককপবা মতমগী মনুংদা পোখোকশিং থাদোকপদা মীৎয়েং থল্লি।

c) কেপাসিটি বিলদিং লেপতনা চৎথগনি, চান্নবা স্কিল তন্বিগনি অমসুং লায়রবগী হিংনবগী লন্বী শেন্বিগনি। ওরগানাইজ সেক্টরদা লৈবশিংসু য়াওনা হায়রিবা থবকশিংসি চত্থগনি। অকক্লবা মতমগী মনুংদা পোত্থোকশিং থাদোকপদা মীৎয়েং থল্লি।

d) লায়রবা ওইহল্লকপগী মরমশিং য়েংশিনগনি।

দিমান্দ দ্রাইভন ষ্ট্রাটেজিগী মতুংইন্না এন আর এল এম থবক তৌই। ষ্টেটশিংনা লায়রবা হন্থহন্নবা চহিগী এক্সন প্লান শেমজবদা মখোয়দা হোংদোক-হোংজিন তৌজবা য়াই। ষ্টেটশিংনা মখোয় মখোয়দা থুংলিবা চাকথুং অদুগী মনুংদা লায়রবগী চাং য়েংলগা প্লান শেমজগদবনি।

দিমান্দ দ্রাইভন ষ্ট্রাটেজিগী অনিশুবা মায়ওন্না তাক্লিবা অরোইবা পান্দমদি – মশাগী ওইবা হৈ-শিংবগী মতুংইন্না মশাগী ওইবা থৌরাং থৌশিলশিংদু মশা য়াওনা থৌশিলশিংদু শেম শাদুনা থবক্তা ওন্থোক্তুনা তৌগদবা থবক্কী মমিং ময়ামদগী লায়রবা লৌথোক্তুনা মখা তানা য়েংশিনবা অমদি শেম শাবনি।

**ক্রিটিসিজম:**

এন আর এল এস অসি মিনিষ্ট্রি ওফ রুরেল দিভলপমেন্টনা চল্লাইবা প্রোগ্রামশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী চাওবা প্রোগ্রাম অমনি। অদুবু মসি অশোয়বা খরদি লৈরে।

১। প্রোফেসর মলকোম হার্পরনা এস ঐচ জি গ্রুপশিং শীজিন্নবগী মতাংদা মরম অহুমদা নোট তৌই মদুদি ঃ

(১) মতম য়াম্না লৌবা গ্রুপশিং অমদি ঐখোয়না মতম লৈবখিবিক্তা হায়দুনতা লৈ মদুদি লায়রবা নূপীশিং থবক য়াম্না চিল্লী।

(২) গ্রুপশিং অসিনা মশাগী মরৌশিংনা তোঙান তানিংবা অনৌবা ৱাখল্লোন পুথোক্তুনা মীওই কয়া অমবু থবক পীবা ঙম্বা, থবকশিং পায়খৎনিংবা মীওইশিংবু য়াওহন্দনবা হোৎনৈ।

(৩) মহৌশানা নূপাশিং অসি পুন্না থবক শুমিন্নবা নুংঙাইতে। অদুগা নূপীশিংগা চাংদম্নবা মতমদা থাজবা ৰাৎলী। অদুবু মখোয়না মায় পাক্লবা মতমদদি নূপীশিংদগী হেন্না থবক পীবা ঙম্মী।

২। অন্ধ্র প্রদেশ (ইন্দিরা ক্রান্তি পথাম) অমসুং কেরলা (কুদুম্বশ্রী)দদি পাক চাউনা পাঙথোকপা এস ঐচ জি প্রোগ্রামশিংদগী কান্নবা ফংখি। অদুবু মসি ষ্টেট খুদিংমক্তদি থোক্তে। হায়রিবা ষ্টেট অনিসিদদি প্রোগ্রামশিং অসি য়াম্না হৈ–শিংবা অমদি মথৌ খঙবা ওফিসারশিংনা লুচিংঙী। অদুগা মখোয়দি য়াম্না শাংনা অসিগুম্বা ওর্গনাইজেসনশিংসিদা লৈরক্লে। হায়রিবসি ষ্টেট খুদিংমক্তদি থোকক্লিংঙাই ওইদে।

## ২৪) অটল মিসন ফোর রিজুভিনেসন এন্দ অরবান ট্রান্সফোরমেসন (AMRUT)

অটল মিসন ফোর রিজুভিনেসন এন্দ অর্বান ট্রান্সফোরমেসন (AMRUT) স্কিমসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ২০১৫ জুনদা ময়োনলম মতমগা চাননা শেমদোক্লবা অরবান রিভায়বেল প্রোজেক্টশিং চৎনহন্দুনা মশা মউ ফবা সিৱেজ নেটৱার্কশিং শোয়দনা মচাকশিং শেমগৎনবা মীৎয়েংগা লোয়ননা হৌদোকখিবনি। রাজস্থান্না লৈবাকশিদা অটল মিসন ফোর রিজুভিনেসন এন্দ অর্বান ট্রান্সফোরমেসনগী মখাদা ষ্টেট এন্ন্যুএল এক্সন প্লান সবমিৎ তৌবা অহানবা ষ্টেট ওইরম্মী । হাওসিং ফোর ওল বাই ২০২২ অমসুং অটল মিসন ফোর রিজুভিনেসন এন্দ অর্বান ট্রান্সফোর্মেসন স্কিমশিংসি নুমিৎ অমত্তদা হৌদোকখি। স্কিমসি পব্লিক প্রাইভেৎ পার্টনরশিপ (পি পি পি) মোদেলগী মখা পোল্লী। মথৌ তারবদি তোঙান তোঙানবা স্কিমশিং, হায়বদি স্বাচছ ভারত মিসন, হাওসিং ফোর ওল বাই ২০২২, অমদি ষ্টেটকী লৈকায়গী স্কিমশিং ঈশিং পীবগা মরী লৈনবা অমসুং সিৱেরেজ অমদি অতৈ মচাকশিংগা মরী লৈনবা স্কিমশিং AMRUT কা শম্নবা য়াই।

**ফাইনান্স:**

লৈঙাক্লা স্মার্ট সিটিজ মিসন অমসুং দি অটল মিসন ফোর রিজুভিনেসন এন্দ অর্বান ট্রান্সফোরমেসনগী মখাদা ময়োনলম চাওখৎনবা সিটি ৫০০গী শেল থাদনবা চাওরাক্লা লুপা ক্রোর লাক্ষ অমরোম হান্ননা অয়াবা পীখ্রে।

**ইলিজিবিলিটি:**

এস এ এ পি (ষ্টেট এন্যুএল এক্সন প্লানস) হায়বসি ষ্টেটশিংদা লৈবা AMRUT হৌদোক্নদবা সিটিশিংগী ওইবা সিটি থাক্কী এস এল আই পি এস (সর্বিস লেবেল ইম্প্রুভমেন্ট প্লান)গী অপুনবা থৌরাং অমনি। সিটি থাক্কী স্লিপ শেন্বসি মফম অদুদা ফংলিবা খুদোংচাবশিং হায়বদি ৱাটর সপ্লাই, সিৱেরেজ নেটৱর্ক, ড্রেনিং সিষ্টেম, লম্বীথোং চথোক-চৎশিনগী খুদোংচাবা, দিজিটেল অমদি ইন্টরনেটকী খুদোংচাবা, ইন্দষ্ট্রিগী খুদোংচাবশিং অসিদা যুম্ফম ওই। নোংমদা মীকোক্তা ঈশিং লিটর ১৩৫ ফংবা অসিসু ময়োল লমদা লৈরিবা য়ুমথোঙশিংদা ৱাটর সপ্লাই অমদি সিৱেরেজ কন্নেক্সন পীনবগী অতোপ্পা মরম অমনি।

**পান্দম:**

AMRUT স্কিমসিগী পাক চাওবা পান্দম খরদি মীওই খুদিংমক টোটিগী ঈশিং শীজিন্নবা অমসুং সিৱেরেজগী খুদোংচাবা শোয়দনা ফঙহনবনি। অশংবা লম্পাকশিং অমদি অহাঙবা লমহাংশিং ফজনা ঙাক শেন্দুনা থম্বনি। দিজিটেল অমসুং স্মাটকী খুদোংচাবশিং খুদম ওইনা ঈশিং নুংশিৎকী ফিভম মাংজৌননা খঙদোকপা, ইন্টরনেট অমসুং ৱাই ফাইগী খুদোংচাবশিং, নুংশিৎ শেংদবা হন্থহন্নবা মীয়াম্বু হেন্না হোংবা অদুবু শোয়রোয়দবা মীয়াম পুথোক-পুশিন তৌনবা পান্বৈশিং শীজিন্নবদা পুক্নিং হেন্না থৌগৎপনচিংবা য়াওরি।

**ইমপ্লিমেন্টেসন:**

অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা চৎনবা:

পান্দমসিগী অহানবা তাঙ্কক্কী মখাদা অন্ধ্র প্রদেশ, গুজরাট অমসুং রাজস্থানদা সিটি ৪৯গী শেল কায়থোকখ্রে। এন্যুএল এক্সন প্লানগী মখাদা ২০১৫-১৬ কী ওইনা AMRUT কী এপেক্স কন্মিটিনা ষ্টেটশিংশিগী ওইবা অচৌবা শেনফম অমা কায়থোকখ্রে। অর্বান লোকেল বোদি (য়ু এল বি)দা ষ্টাফ অমসুং টেক্নোলোজিদা তেংবাংনবা সিটি থাক্তা সিটি মিসন মেনেজমেন্ট য়ুনিট অমা লিংখৎনবা ৱারেপ্পরে।

**মতুংগী তাঙ্কক:**

ফ্লেগসিপ প্রোগ্রামনা মাঙজৌননা অচৌবা কম্পনিশিং (য়াওবিনবা) শরুক য়াবিনবা অমদি অচৌবা ফন্দ অমা পীবিনবা হায়জখ্রে। অকোনবগী তাঙ্কক্তা সিটি ৫০০গী মনুংদা লেমহৌবশিং অরোইবগী ওইনা লেপথোক্কনি অমসুং মথংগী তাঙ্কক্কী ওইনা চৎনগনি।

**ষ্টেট প্রোগ্রেস:**

**ৱেষ্ট বেঙ্গল:**

জঙ্গীপুর (লোক সভা কনষ্টিট্যুয়েন্সি)সি ভারতকী ষ্টেট ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মুর্সিদবাদ দিষ্ট্রিক্কী পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুএন্সি অমনি।

সিটিসি হন্দক্ত নৌনা AMRUT প্রোজেক্টকী ওইনা য়াখ্রে।

**অন্ধ্র প্রদেশ:**

AMRUT স্কিমগী মখাদা নৌনা ষ্টেটসিগী  কোনুং ওইরবা অন্‌ব্রাবটি  য়াওখ্রে। তোঙান তোঙানবা  ক্রায়টেরিয়া হায়বদি সিৱেরেজ সিষ্টেমগুম্বা, নোংমদা মীকোক অমদা ঈশিং লিটর ১৩৫ ফংহনবা অসিনচিংবা মপুং ফাহন্নবা শিন-লাংবগী থবক হৌখ্রে।

**হরিয়ানা:**

AMRUT কী মখাদা ষ্টেট লৈঙাক্লা সিটি ২০ অমদি য়ু এলবি (অরবান লোকেল বোদিজ) ১৮ দা ঈশিং পীবা, সিৱেরেজ কন্নেক্সন অমসুং অশং-অমান শেমগৎনবা য়াওনা খুদোংচাবশিং পীনবা লাওথোকখ্রে স্কিমসি স্বাচছ ভারত মিসন ফ্লেগসিপ প্রোগ্রামসু শম্নখ্রে।

**জম্মু এন্দ কাশ্মীর:**

AMRUT পান্দমগী মখাদা সেন্টরদগী থারকপা মথৌ-মশিন পাঙথোকপশিংগা লোয়ননা শ্রীনগর ম্যুনিসিপাল কোরপোরেসন  (এ এস সি)গা পুন্না থবক তৌমিন্নরি অমদি স্কিমসিগী অশীন-অরাং অমদি শেল থাদবগী মতাংদা ৱার্কসোপশিং পাঙথোক্লি।

**মহারাস্ত্র:**

ষ্টেট লৈঙাক্লা সিটি ৪৩ ময়োনলম ওন্থোক্লবা লাউথোক্লে অমদি চহি মঙাগী মনুংদা খোঙথাং লৌখৎকদবনি।

**মধ্য প্রদেশ:**

AMRUT কী মখাদা সিটি ৩৪দা ৱাটর কনেক্সন অমসুং সিৱেরেজ নেটৱর্ককী মচাকশিং ফগৎহন্নবা ষ্টেট লৈঙাক্লা এস এ এ পি প্লান পীখৎখ্রে। মিনিষ্ট্রি ওফ অর্বান দিভলপমেন্টতা পীবা ই-পাউগী মতুংইন্না মীশিং লাক্ষ ১০ হেন্না তাবা অর্বান লোকেল বোদিশিংনা লিশিং লাক্ষ ১০দগী হন্থনা তাবশিংদগী প্রোজেক্টকী চাদিং হেন্না তৌগনি।

**তেলঙ্গনা:**

শেনবা চহি ২০১৫-১৬কী মতমদা ষ্টেটতুদা লৈবা AMRUT সিটি ১২দা ঈশিং পীবা হেনগৎনবা ষ্টেট লৈঙাক্লা থৌরাং অমা পীখৎখ্রে।

## ২৫) নেসনেল কেরিয়র সর্ভিস ( ইন্দিয়া)

নেসনেল কেরিয়র সর্ভিস প্রোজেক্ট হায়বসি দি মিনিষ্ট্রি ওফ লেবর এন্দ ইমপ্লোইমেন্ট ( ইন্দিয়া) ভারতকী লৈঙাক্লা লৌখৎখিবা অমদি হৌদোকখিবা খোঙথাং অমনি। মসি ভারত লৈঙাক্লা থুনা অমসুং মতিক চাবা কেরিয়রগা মরি লৈনবা থবকশিং লিংখৎনবা মিসন মোদ প্রোজেক্ট অমা ওইনা লৌখৎপা খোঙথাং অমনি। মসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ২০১৫গী জুলাই ২০দা লৈঙাক্লা থবক হৈ-শিংবা অমসুং থবক পাঙথোকহন্নবা পান্দমদা মীৎয়েং থমদুনা হৌদোকখিবনি।

এন সি এস খোঙথাংগী মরু ওইবা মাইপাকপগী মরমশিংনা হৌজিক লৈরিবা ইমপ্লোইমেন্ট এক্সচেঞ্জগা আই সি টিগা মরী ফজনা লৈনহন্দুনা হৌজিক হৌজিক লৈরিবা জোব মার্কেত প্লেয়রশিংগা শরুক য়ামিন্নবা মফম অমদি তোঙান তোঙানবা ই-পাউ শন্দোক্লবা চেনেলশিংগী খুত্থাংদা মীপুম খুদিংদা য়ৌহনবা ঙম্নবা মফম ওইহনবা ঙল্লে। থবক থিরিবশিংনা মিং চনবা তৌবা হন্থরকপা অমদি থবক পীরিবশিংনা অহাঙবা ফমশিংগী ই-পাউ পীবা হন্থরকপগী খুদোংচাদবশিং অসিগীদমক্তা হায়রিবা এক্সচেঞ্জশিংসি হেন্না ফবা ইমপ্লোইমেন্ট সর্ভিসশিং ফংহন্নবা অওনবা মথৌ তাই। ইমপ্লোইমেন্ট

এক্সচেঞ্জশিংসি কেন্দিদেতশিংগী মরী লৈনবা মথৌ তাবশিংদা হেন্না মীৎয়েং থমদুনা কেরিয়র সেন্টরশিং লিংখত্তুনা মওং হোংদোরক্লি।

এন সি এস অসি ভারত লৈঙাক্কী অচৌবা খোঙথাং অহুম হায়বদি স্কিল ইন্দিয়া, দিজিটেল ইন্দিয়া অমসুং মেক ইন ইন্দিয়া হায়বসিগী পুনফম্নি। মসিনা মেনপৰারগী হৈশিংবা ডিজিটেল মচাকশিং ফগৎনবা অমদি মীপুম খুদিংগী থবক্কী খুদোংচাবশিং পীনবা পান্দম থম্লি।

কেৰিয়র সেন্টরশিংসি থবক থিরিবা নহারোল অমদি ছাত্রশিংগী কেরিয়রগা মরী লৈনবা থবকশিংদা মতেং পাংনবা, তাননবা মফম অমা ওইনা থবক তৌগনি।

## নেসনেল কেরিয়র সর্ভিস:

ইং ২০১৫গী জুলাই ২০দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নেসনেল কেরিয়র সর্ভিস প্রোজেক্টসি নিফুতরুকশুবা লেবর কনফরেন্সতা তোঙান তোঙানবা স্টোকহোলডরসিং হেন্না ফবা কেরিয়রগা মরী লৈনবা ই-পাউ লাইনা থবক ফংনবা অমসুং ইমপ্লোইমেন্টকা মরী লৈনবা থবকশিংদা শৌগৎনবা পান্দম অমগা লোইননা হৌদোকখি। মসিগী মীৎয়েংদি স্টোকহোলডরশিংগী মরক্তা দাইত্য লৈনবা মনুং-মপান ফাউনবা অমসুং মতিকচাবা ইমপ্লোইমেন্ট সর্ভিসকীদমক্তা শেন-থুমগী ফিভম ফগৎহনবদা চংবা হৈ শিংবশিং পীনবা জাতিগী ওইবা মফম অমা পীবনি। এন সি এসকী প্রোগ্রামসি ৰেবতা ফংবা ঙম্মী অমদি ভারতকী মীশিংদা ইমপ্লোইমেন্টকা মরী লৈনবা সর্ভিস ময়াম অমা পী। সর্ভিসশিংসি টোল ফ্রী নং ১৮০০-৪২৫-১৫১৪দগী ফংগনি অমদি কম্মন সর্ভিস সেন্টরশিং অমসুং মোদেল কেরিয়র সেন্টরনচিংবা নেটৱর্কশিংদা ফংঙী। মসিনা তোঙান তোঙানবা শিনফমগা মরী লৈনবা থবকশিং হায়বদি থবক থিবগুম্বদা কেরিয়র কাউন্সেলিং, স্কিল ট্রেনিং প্রোগ্রামশিং কেরিয়র ওপসনশিংদা ই-পাউ পীবা, জোব পোষ্টিংস, থবক্কী মেলা শিনবা অমদি মেলাদা শরুক য়াবা, লৈকাইগী ব্লু কোলার সর্ভিস প্রোভাইদরশিং-প্লম্বর, ইলেক্ট্রিক শেম্বনচিংবা তৌবশিংগী মরমদা ই-পাউ পীরি।

## ফোকস এরিয়জ:

i) শিনফম অমদি ইমপ্লোইমেন্টকী খুদোংচাবশিং ফগৎহনবা

ii) শিন্মীশিংগী ফিভম ফগৎহনবা

iii) নূপী শিন্মীশিং য়াওবগী চাং হেনগৎহনবা

iv) মশানা মশাবু থবক পীজবশিংবূ পুক্নিং থৌগৎপা

v) পোখোক হেনগৎনবা খুঙ্গংগী শিন্নীশিং হেন্না য়াওহনবা

vi) অমুক হন্না থবক পীবগী খুদোংচাবা

vii) থবক শুরিবা মীওইশিংবু ইনফোর্মেলদগী ফোর্মেল সেক্টরদা ওন্থোকপা

**পুৰারী:**

ভারত্তা হৌজিক ইমপ্লোইমেন্ট এক্সচেঞ্জ (ইই) অমসুং য়ুনিভর্সিটি গাইদেন্স ইনফোর্মেসন ব্যুরো ৯৭৮ লৈ। এক্সচেঞ্জশিংসিনা থবক থিরিবশিংদা মখোয়গী মগুন অমসুং হৈশিংবদা য়েংলগা থবক থিবদা মতেং পাংঙী। থবক থিরিবশিংনা মথংশিৎনা ষ্টেটশিংদুদা লিষ্ট তৌদুনা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা অহাংবা ফমশিংগীদমক্তা মখোয় মশামক মাংজৌননা রেজিষ্টির তৌবা য়াই। রেজিষ্টির তৌরবা কেন্দিদেটশিংনা মশাগী অকুপ্পা ৰারোলশিং শেমদোকচনবগী খুদোংচাবসু লৈ। ইমপ্লোয়রশিংনসু ইইএসতা মখোয়গী অহাঙবা ফমশিং লিষ্টা হাপ্পা য়াই অমসুং কেন্দিদেটশিং মখোয়গী মথৌ তাবশিংগী মতুং ইন্না খল্লী ইমপ্লোইমেন্ট এক্সচেঞ্জ (কমপলসরি নোটিফিকেসন ওফ ভেকেন্সিজ) এক্ট ১৯৫৯গী মতুং ইন্না ইমপ্লোয়ি ২৫ নৎত্রগা হেন্না লৈবা ইষ্টাব্লিসমেন্ট খুদিংনা মখোয়গী অহাঙবশিংদু মরী লৈনবা ষ্টেটকী ইইএসশিংদা শোইদনা খঙহনগদবনি। প্রোভিজনশিংসি লৈদুনসু এক্সচেঞ্জশিংসিনা হেনগৎলক্লিবা অমদি হোংলক্লিবা নহারোলগী অপাম্বশিং থুংহনবা ঙমদ্রি। থবক থিরিবশিংনা রেজিষ্ট্রেসন তৌবা হন্থরকপা অমদি ইমপ্লোয়রশিংনা ভেকেন্সি নোটিফিকেসন পীবা হন্থরকপগী খুদোংচাদবা মরকশিদা এক্সচেঞ্জশিংসি ইমপ্লোইমেন্ট সর্ভিসশিং হেন্না ফবা মওংদা ফংহনবা ঙম্লবা হোঙদোকপা মথৌ তারে।

## ২৬) প্রধান মন্ত্রী ভারতিয় জন ঔষধী পরি যোজনা কেন্দ্র

প্রধান মন্ত্রী ভারতিয় জন ঔষধী পরি যোজনা কেন্দ্র (PMBJP) হায়বসি দিপার্টমেন্ট ওফ ফারমাসিটিকেলস গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা অফবা মগুন লৈবা হিদাকশিং মীয়ামদা চানবা মমলদা লৈবা ঙমহন্নবা অখন্নবা প্রধান মন্ত্রী ভারতিয় জন ঔষধী কেন্দ্র হায়না খঙনবা মফমশিংদা হৌদোকখিবা কেম্পেন অমনি। প্রধান মন্ত্রী ভারতিয় জন ঔষধী পরি যোজনা কেন্দ্রা (PMBJP) জেনেরিফ দ্রগশিং অতাবা মমলদা অদুবু অতাবা মমলদা অদুবু অতাঙবা ব্রান্দেদ দ্রগশিংগা মগুন অমদি কান্নবদি মান্নবা হিদাকশিং ফংহন্নবা লিংখৎখিবনি। প্রধান মন্ত্রী ভারতিয় জন ঔষধী পরি যোজনা কেন্দ্রগী খুত্থাংদা লৈরিবা সি পি এস য়ুশিংগী মতেংগা লোইনবা জেনেরিক দ্রগশিং পুন্না লৈনবা, ফংহন্নবা অমদি

য়োন্নবগীদমক দিপার্টমেন্ট ওফ ফারমাসিটিকেলস গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা বি পি পি আই (ব্যুরো ওফ ফার্মা পব্লিক সেক্টর অন্দরটেকিংস ওফ ইন্দিয়া) লিংখৎখি।

**পুৰারী:**

''জনঔষধী'' হায়বসি চহি ২০০৮দা মীপুম খুদিংদা অহোংবা মমলদা মগুন লৈবা হিদাকশিং ফংহন্নবা হৌদোকখিবা অনৌবা প্রোজেক্টনি। কেম্পেনসি লৈবাকসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা হাংবা জন ঔষধী মেদিকেল ষ্টোরশিংদা জেনেরিক মেদিসিনশিং য়োন্দুনা হৌদোকখি নভেম্বর ২৫, ২০০৮দা অহানবা ''জন ঔষধী মেদিকেল ষ্টোর'' পঞ্জাবকী অমৃটসরদা হাঙদোকখি। ২০১৫গী সেপ্টেম্বরদা জন ঔসধি স্কিমসি প্রধান মন্ত্রী জন ঔষধী যোজনা (PMJAY) ওইনা ওন্থোকখ্রে ২০১৬কী নবেম্বরদা স্কিমসি হেন্না মখা তানা মপাঙ্গল কনখৎনবা মসিবু অমুক হন্না প্রধান মন্ত্রী ভারতিয় জন ঔষধী পরি যোজনা হায়দুনা মমিং থোনখ্রে।

**শেল থাদবা:**

চহি চহিগী ওইনা চাদিং তৌবা (ক্রোরদা):

| সে. নং | আইটেম | ২০১৩–১৪ | ২০১৪–১৫ | ২০১৫–১৬ | ২০১৬–১৭ | অপুনবা |
|---|---|---|---|---|---|---|
| ১ | অনৌবা জে এ এস হাংদোকপা | ৭.৫০ | ১১.২৫ | ১৫ | ১১.২৫ | ৪৫.০০ |
| ২ | ৱর্কিং কেপিটেল | ৭.৪৯ | ১৬.৫০ | ২৪.৫১ | ১৬.৫০ | ৬৫.০০ |
| ৩ | আই টি সিষ্টেম এন্দ কেপাসিটি বিল্ডিং | ৫.৩১ | ৫.৪৬ | ৫.৫০ | ৪.২৫ | ২০.৫২ |
| ৪ | মেডিয়া কেম্পেন | ৩.৫০ | ৩.৫০ | ৩.০০ | ২.০০ | ১২.০০ |
| ৫ | এদমিনিষ্ট্রেটিব এক্সপেন্সেস | ১.২০ | ১.৫০ | ১.৮০ | ১.৮০ | ৬.৩০ |
| | অপুনবা | ২৫.০০ | ৩৮.২১ | ৪৯.৮১ | ৬৫.৮০ | ১৪৮.৮২ |

**কান্নবশিং:**

জন ঔষধীগী খোঙথাংনা কখোল্লুবা জেনেরিক মেদিসিন য়োল্লিবা ষ্টোরশিংদা মগুন লৈবা হিদাকশিং চানবা অমদি অতাবা মমলদা অদুবু মগুন অমদি কান্নবদি অতাংবা ব্রান্দেদ দ্রগশিংগা মান্ননা ফংহল্লি। চাংদম্নবা য়াবা মমল খরদি সেপ্টেম্বর ২০১৩ ফাওবদা লৈবা মমলশিং(লুপাদা)

| সোল্টকী মমিং | চাং | পেক | জন ঔষধি মমল | মার্কেট মমল |
|---|---|---|---|---|
| টেব্লেট সিপ্রোফ্লোক্সাসিন | মিলিগ্রাম ২৫০ | ১০ | ১২.৮৯ | ৫৪.৭৯ |
| টেব্লেট সিপ্রোফ্লোক্সাসিন | মিলিগ্রাম ৫০০ | ১০ | ২৪.৯৯ | ১২৫.০০ |
| টেব্লেট দাইক্লোফিনেক | মিলিগ্রাম ১০০ | ১০ | ৪.২০ | ৬০.৪০ |
| টেব্লেট সেট্রিজিন | মিলিগ্রাম ১০ | ১০ | ২.৭৫ | ২০.০০ |
| টেব্লেট পেরাসিটামোল | মিলিগ্রাম ৫০০ | ১০ | ৩.০৩ | ০৯.৪০ |
| টেব্লেট নিমেসুলাইদ | মিলিগ্রাম ১০০ | ১০ | ৩.১৬ | ৩৯.৬৭ |
| কফ সিরপ | মিলিলি ১১০ | মহি | ১৩.৩০ | ৩৩.০০ |

**জন ঔষধী ষ্টোর (JAS) গী মরমদা:**

১. JAS সি লৈবাক শিনবা থুংনা হাংদোক্লে।

২. JAS কী নোংমগী থবক শুবগী মতমসি অয়ুক পুং ৮দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৮ ফাওবনি।

৩. থেরাপিউটিক মেদিসিন পুম্নমক জন ঔষধী ষ্টোরশিংদগী ফংহল্লী।

৪.	BPPI না পীরকপা হিদাকশিং অমদি সর্জিকেল আইটেমশিংগী মথক্তা  জন ঔষধী ষ্টোরশিংদা ময়ামগী ওইনা য়োনবা হিদাক লাংথক্কী দুকান্দা য়োনবা হিদাক্কী পোত্থোকশিংগা মান্নবা হিদাকশিং জন ঔষধী ষ্টোর ফজনা চলাইবা হেনগৎনবা য়োল্লী।

৫.	ডোক্টরগী অইবা য়াওদনা কনাগুম্বা অমনা OTC (ওভর দি কাউন্টর)গী পোত্থোকশিং লৈবা য়াই। সেদ্যুল দ্রগশিং লৈননবগীদমক্তদি রেজিষ্টর  তৌরবা ডোক্টর অমগী অইবা চে মখৌ তাই।

৬.	BPPI (ব্যুরো ওফ ফার্মা পব্লিক সেক্টর অন্দর্টেকিঙস  ওফ ইন্দিয়া)সি দিপার্টমেন্ট ওফ ফার্মাসিটিকেলস গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা CPSU শিংগী মতেংগা লোইননা জন ঔষধী ষ্টোরশিংদা হিদাকশিং ফংহনবা, য়েন্থোকপা অমদি য়োন্নবগীদমক্তা লিংখৎখি।

৭.	হিদাকশিংগী মগুন শোয়দ–ঙামদবা অমদি হেন্না মতিক লৈনবগীদমক  BPPI গী পোৎ থমফমদগী সুপর ষ্টোকিষ্ট নত্রগা জন ঔষধীগী পোৎ থম্ফমশিংদা হিদাকশিংদু থাদ্রিঁঙৈগী মমাঙদা থেংখাং খুদিংগী শারক্লিবা হিদাকশিংদু CPSU  অমদি লন্নাই সপ্লাইয়রশিংদগী লৌদুনা NABL না শকখঙলবা লেবোরেটোরিশিংদা চাংয়েং তৌহল্লী অমদি লৈফম থোকপা ষ্টেন্ডার্দশিং য়েংশিল্লী।

(জন ঔষধী ষ্টোরশিং) ষ্টেট গভর্নমেন্ট নত্রগা ওর্গনাইজেসন অমা হেক্তনা/রেপ্যুটেদ NGOশিং/ট্রষ্টশিং/লন্নাই অনা লায়েংশঙশিং/কথোক্লবা লোইশঙশিং/দোক্টরশিং/থবক ফংদ্রিবা ফার্মাসিষ্টশিং/লন্নাই ওন্ত্রপ্রেনরশিংনা অনৌবা জন ঔষধী ষ্টোর হাংনবা এপ্লাই তৌবা য়াই। এপ্লিকান্টশিংনা মখোয়না হাঙদোক্কদৌরিবা ষ্টোরদা বি ফার্ম/ডি ফার্ম দিগ্রী পাইবা অমা ফারমাষ্টি ওইনা থবক  তৌহনগদবনি।

**জন ঔষধী ষ্টোর হাঙলিবা মপুশিংনা ফংবা য়াবা শেলগী তেংবাংশিং:**

ব্যুরো ওফ ফার্মা পব্লিক সেক্টর অন্দরটেকিঙস  ওফ ইন্দিয়া)সি দিপার্টমেন্ট ওফ ফারমাসিটিকেলস গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা CPSUশিংগী মতেংগা লোইননা জন ঔষধী ষ্টোরশিংদা হিদাকশিং ফংহনবা, য়েন্থোকপা অমদি য়োন্নবগীদমক্তা লিংখৎখি।

মখাদা পীরিবা শেলগী মতেংশিং অসি ফংবা য়াবা লৈঙাক্কী অনা–লায়েংশঙশিংগী মনুংদা NGOশিং/লন্নাই মীওইশিংনা জন ঔষধি ষ্টোরশিং লিংখৎলবদি লৈঙাক্লা পাঙথোক্লিবা এজেন্সিদা লেম্না মফম পী। মখাদা পিরিবা ৰারোলসিগী মতুংইন্না BPPI আইনা অমুক্তংগী ওইনা লুপা লাক্ষ ২.৫০ ফাওবগী শেলগী মতেং পিগনি।

০ উগী পোৎলমশিং অমদি শেমদোক শাদোকপগী লুপা লাক্ষ ১ হন্দোকপা

০ অহানবগী ওইনা লুপা লাক্ষ ১গী লেম্না হিদাক পীবা

০ কম্প্যুটর, ইন্টরনেট, প্রিন্টর, স্কেন্নরনচিংবগী লুপা লাক্ষ ০.৫০ হন্দোকপা

০ রিটেলরশিংগী MRPদা ট্রেড মার্জিন চাদা ২০ অমসুং দিষ্ট্রিব্যুটরশিংগীনা চাদা ১০ য়াওহনগদবনি।

০ শিৎখ্রবা হিদাকশিংদুগী চাদা ২গী চাং নত্রগা পুম্মাং মাংলবা অনিদুগী মনুংদা য়ামদবা শরুক অদু শিৎহৌদবা মতম হেল্লবা হিদাকশিংদুগী কম্পেন্সেসন ওইনা হন্দোক্কনি। মতম হেল্লবা হিদিকশিং BPPI আইদা  হল্লকপগী মথৌ তাদে। সি এন্দ এফ থাক্তা পৈশিল্লবা মতম হেল্লবা হিদিকশিংগী অমাঙবা পুম্নমক BPPI ওইগনি ।

০ পোষ্ট দেটেদ চ্যেক্কী মায়োক্তা জন ঔষধী ষ্টোরশিংদা নুমিৎ ৩০নিগী শোৎপগী খুদোংচাবা পীগনি। দিষ্ট্রিব্যুটরশিংনসু পোষ্ট দেটেদ চ্যেক শীজিন্নদুনা নুমিৎ ৬০নিগী শোৎপগী

খুদোংচাবা ফংগনি। সি এন্দ এফ এজেন্সিশিংনসু লল্লোনবদুগী মখা পোন্না সেক্যুরিটি এমাউন্ট অমা থমজিনগদবনি।

০ লন্নাই ওন্ত্রপ্রেনরশিং/লোইশঙশিং/NGOশিং/ট্রষ্টশিং/ কখোল্লবা ওর্গনাইজেসনশিংনা লিংখৎপা ইন্টরনেটকী খুত্থাংদা BPPIগা শম্নহল্লবা জন ঔষধী ষ্টোরশিং

০ লুপা লাক্ষ ২.৫গী শেলগী মতেং ফংগনি। থা অমদা য়ামদ্রবদা লুপা ১০,০০০ য়ান্নবদা লুপা লুপা লাক্ষ ১.৫০ য়োনবা ঙল্লবদি য়োল্লিবদুগী চাদা ১৫গী চাংদা ফংগনি। নোর্থ ইষ্টর্ন ষ্টেটশিং নক্সলাইটনা শোকহল্লবা লমশিং, ট্রাইবেল তাবা লমশিংদনা থা অমদা য়ামদ্রবদা লুপা ১৫,০০০ য়ান্নবদা লুপা লাক্ষ ২.৫০ ওইরবদি থাদা চাদা লুপা ১৫গী চাংদা ইনসেন্টিব ফংগনি।

০ এপ্লিকান্টশিংদুনা শোত্থরবা কাঙলুপকী মীওই হায়বদি সেদ্যুল কাষ্ট/ সেদ্যুল ট্রাইব/হাকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবা মীওই ওইরবদি ফংগদৌরিবা ইনসেন্টিবতুদগী লুপা ৫০,০০০ হান্না মাংজৌননা পীথোক্কনি। তৌবতদি থা অমদা চাদা ১৫গী চাংদা লুপা লাক্ষ ২.৫০গী পোৎশিং লৈগদবনি। মহাক্না য়োনগদবা চাংসি য়ামদ্রবদা থাদা ১০,০০০ নি অদুগা য়ান্নবদা লুপা লাক্ষ ২.৫০ নি।

০ য়োনগদৌরিবা পোৎ অদুগী মমলদা চাদা ২০গী চাংদা রিটেলরশিংগী হাপকনি অমসুং দিষ্ট্রিব্যুটরশিংগীনা চাদা ১০গী চাংদা হাপকৎকনি।

০ শিংথ্রবা হিদাকশিংদুগী চাদা ২গী চাং নত্রগা পুন্মাং মাংলবা অনিসিগী মনুংদা য়ামদ্রবা শরুক অদু শিংথৌদবা মতম হেল্লবা হিদাকশিংদুগী কম্পেন্সেসন ওইনা হন্দোক্কনি। মতম হেল্লবা পোৎশিং BPPI দা হল্লকপগী মথৌ তাদে। সি এন্দ এফ থাক্তা পৈশিল্লবা মতম হেল্লবা পোৎশিং পুন্নমক BPPIগী মাংজবা ওইগনি।

০ পোষ্ট দেটেদ চ্যেক্কী মায়োক্তা জন ঔষধী ষ্টোরশিংদা নুমিৎ ৩০নিগী শোৎপগী খুদোংচাবা পীগনি। দিষ্ট্রিব্যুটরশিংসু পোষ্ট দেটেদ চ্যেক্কী মায়োক্তা নুমিৎ ৬০গী শোৎপগী

খুদোংচাবা ফংগনি। সি এন্দ এফ এজেন্সিশিংনা লল্লোনবগী মখা পোন্না সেক্যুরিটিগী শেনফম অমা থমজিনগদবনি।

**ক্রিটিসিজম:**

লৈঙাক্কী অনা–লায়েংশঙশিংদা অৰাবশিংবু অহোঙবা মমলদা হিদাক ফংহন্নবা লিংখৎখিবা জন ঔষধী কেন্দ্রগী ৰাহন্থোকসি সিভিল হোসপিটালশিংদা নীংবা কায়নিংঙাই ওইনা শোয়রে। লুধিয়ানাদা অনাবা চাদা ২০ খক্তনা সিভিল হোসপিটালদা খুদোংচাবসিদগী কান্নবা ফংবা ঙল্লি। জন ঔষধী স্কিমগী মখাদা লিংখৎখিবা ষ্টোর অয়াম্বনা মীপুম খুদিংদা ফংহন্নবা ব্রান্ডেদ ওইবা, জেনেরিক মেদিসিনশিং, কম্মন মেদিসিনশিং থা কয়া সপ্লাই ৰাৎপনা মরম ওইদুনা থম্বা ঙমদ্রে। মসিদা মতম মতমগী ওইবা অনাবশিং, গ্যাস, লোক খুবা, ঈংবা অসিনচিংবগী হিদাকশিং য়াওরি। ওফিসিএলশিংনদি হিদাক ৰাৎপসি লোজিষ্টিকেল ইশুননি হায়।

## ২৭) সুকন্যা সমৃদ্ধী একাউন্ট

সুকন্যা সমৃদ্ধী একাউন্টসি ভারত লৈঙাক্না শৌগৎপা অঙাং নূপীমচাশিংগী মমা মপাদা মীৎয়েং থম্বা শেল তুংশিন্নবা স্কিমনি। স্কিমসিনা মমা মপাশিংদা মখোয়গী নূপীমচাশিংগী তুংগী লাইরিক লাইশু তম্নবা অমদি লুহোংবগী চাদিংগীদমক ফন্দ অমা শেমগৎপদা পুক্লিং থৌগৎলি। স্কিমসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ২০১৫গী জানুৱারি ২২দা বেটী বচাও বেটী পড়হাও কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা হৌদোক্লম্মী। স্কিমসিনা শেন্দোইগী চাং হৌজিক চাদা ৮.১ (২০১৭ ওক্তোবরদগী দিসেম্বর ফাওবগী ওইনা) অমসুং টেক্স বেনিফিটশিং পীরি। একাউন্টসি ভারতকী পোষ্ট ওফিস অমদা হেক্তা নৎত্রগা ওথোরাইজ কমর্সিএল বেঙ্ককী ব্রাঞ্চ অমদা হেক্তা হাংবা য়াই।

**শমলপ্পা ৰারোল:**

স্কিমসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ২০১৫গী জানুৱারি ২২দা হরিয়ানাগী পানিপত্তা হৌদোকখ্রে। একাউন্টসি ভারতকী পোষ্ট ওফিস অমদা হেক্তা নত্রগা ওথোরাইজ কমর্সিএল বেঙ্কশিংগী ব্রাঞ্চ অমদা হেক্তা হাংবা য়াই। অহানবদদি শেন্দোইগী চাং চাদা ৯.১গী চাংদা লেপ্লম্মী। অদুবু FY ২০১৫–১৬কী ওইনদি ২০১৫গী মার্চকী অথেঙবদা কোন্না চাদা ৯.২দা শেমদোকখ্রে। FY ২০১৬–১৭গী ওইনা শেন্দোয়গী চাং চাদা ৮.৬তা শেমদোক্লে। অঙাং নূপীমচা অমনা হেক পোকপদগীনা মহাক্না চহি ১০ শুরকপা ফাওবগী মনুংদা মমা মপানা একাউন্টসি হাংবিবা য়াই। অঙাং অমগী একাউন্ট

অমখক হাংবা য়াই। মমা মপানা য়াম্লবদা মখোয়গী মচাশিংগী একাউন্ট  অনি হাংবা য়াই (ফাইবোক অমসুং অহুম পোকপা খক্তদা য়াই) একাউন্টসি ভারতকী মফম অমদা হেক্তা  হাংবা য়াই।

য়ামদ্রবদা একাউন্টতা চহিগী ওইনা লুপা ১,০০০ থমজিনগদবনি মদুগী মতুংদা লুপা ১০০গী মল্টিপল ওইবা এমাউন্টশিং থমজিনবা য়াই । অদুম ওইনমক খ্বাইদগী য়াম্না থমজিনগদবসি লুপা ১৫০,০০০নি। চহি অমদা খ্বাইদগী য়ামদবা শেল থমজিন্দ্রবদি লুপা ৫০গী ফাইন থিগনি।

নূপীমচাদুনা চহি ১০ য়ৌরক্লবা মতুংদা মহাক্না মাগী একাউন্ট ওপরেত তৌবা য়ারে। নূপীমচাদুনা চহি ১৮ শুরকপদা অৰাংবা মহৈ তম্নবগীদমক্তা একাউন্টকী চাদা ৫০ লৌথোকপা য়াই। একাউন্টতু হাংদোকখিবা নুমিত্তগী চহি ২১গী মতুংদা  মপুং ফারে। অহানবগী চহি ১৪দি দিপোজিৎ তৌগনি মসিগী মতুংদগীদি একাউন্টসিগী চানবা শেন্দোই কাগনি। একাউন্টনা লোইশিন্দ্রবদি  চৎনরিবা চাংদা শেন্দোই লাক্লরোই। নূপীমচাদুনা চহি ১৮ হেল্লবা অমদি লুহোংলবদি  একাউন্ট থিংজিনবা য়ারে।

**টেক্সকী কান্নবা:**

২০১৫-১৬তা হৌদোকপা মতমদা ইনকম টেক্স এক্টকী সেক্সন 80C গী মখাদা একাউন্টতা ডিপোজিৎ তৌবা  হায়বদি লুপা ১৫০,০০০ ওইবদা ইনকম টেক্স হন্থবা য়াই। অদুম ওইনমক ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা লাউথোকখ্রে মদুদি ২০১৫ য়ুনিয়ন বডজেটকী মতমদা একাউন্টতগী শেন্দোইদা টেক্স কোকপা অমদি মপুং ফারবা মতুংদা ফন্দদগী লৌথোকপসিনা টেক্স বেনিফিটশিং পব্লিক প্রোভিদেন্ট ফন্দগা  মান্নহল্লী। অহোংবশিংসি ২০১৫গী এপ্রিল ১দগী চৎনখ্রে। কান্নবশিংসি চহি খূদিংগী য়েংশিনগনি।

**রিসেপসন্স:**

২০১৫ মার্চকী ময়ায় থংবা শরুক্তা হৌদোকখিবা থা ২গী মনুংদা স্কিমসিগী মখাদা একাউন্ট ১,৮০,০০০ হাংলে। কর্নাটকা, টমিলনাড়ু অমসুং অন্ধ্র প্রদেশনা অনৌবা একাউন্ট খ্বাইদগী ৰাংনা হাংবগী পাউদম লৈ। সুকন্যা সমৃদ্ধী যোজনাগী মখাদা ২০১৫গী ওক্তোবর ফাওবদা লৈবাক শিনবা থুংনা হাংদোকখিবা একাউন্ট মশীং ৭৬,১৯,৬৬৮ শুরে। তারিবা মমিদি অসিনি অঙাং নূপীমচা ৭৬,১৯,৬৬৮না মখোয়গী মমিংদা লুপা বিলিয়ন ২৮.৩৮ ডিপোজিৎ তৌরে।

**মেচ্যুরিটি রুলস ২০১৬কী মতুং ইন্না SSY লোইশিনবা:**

১। একাউন্ট হাংখিবা নুমিত্তগী চহি ২১ শুবদা মপুং ফারে। অসিগুম্বা চহি ২১ শুদ্রিঙৈগী মমাঙদা একাউন্ট লোয়শিনবগী অয়াবা পীরি। একাউন্ট হোল্ডরদুনা তঙাইফদনা লুহোংবা মতমদা মহাকসি চহি ১৮দগী তাদ্রে হায়বা চহি তাকপা চে-চাংশিং হাপ্পুনা এপ্লিকেসন ইদুনা হায়জরবদি অয়াবসি পীরি। অসিগুম্বা (মপুং ফাদনা লোয়শিনবা) চহি শুদনা একাউন্ট থিংজিনবসি লুহোংবগী তাংদগী থা ১গী মমাঙ চখৎনা নৎত্রগা লুহোংবগী মতুং থা ৩ লৈরগা তৌরোইদবনি।

২। মপুং ফারবা মতমদা একাউন্ট হাংলিবা মীদুনা একাউন্টতু লোইশিন্নবা মাগী শক্তাকচে, লৈফম অমদি সিটিজনসিপকী শোয়দ্রে হায়বা চে চাংশিং হাপ্পুনা এপ্লিকেসন ইরবদি একাউন্টতা লৈরিবা শেন্দোই য়াওনা বেলেন্স পুন্নমক মঙোন্দা পীগদবনি।

৩। একাউন্টসি হাংদোকখিবা তাংদগী চহি ২১ মপুং ফারবদি শেন্দোই পীবা য়াদ্রে।

**সুকন্যা সমৃদ্ধী একাউন্টকী মখাদা একাউন্ট ট্রান্সফর তৌবা:**

১। একাউন্টসি ভারতকী মফম অমদা হেক্তা হোংদোকপা য়াই। মসি পোষ্ট ওফিসতগী পোষ্ট ওফিসতা অমসুং বেঙ্ককী মরক্তা মমা মপাগী নৎত্রগা একাউন্ট হোল্ডর য়ুম হোংবগী শোয়দ্রে হায়বগী চে-চাংশিং পুথোক্লবদি পৈশা তিংদনা একাউন্ট হোংবা য়াই নৎত্রগা একাউন্ট হোংজিনগদৌরিবা পোষ্ট ওফিস নৎত্রগা বেঙ্কতুদা লুপা ১০০গী ফী পীরগা হোংজিনবা য়াই।

২। একাউন্ট হোংজিনবগী থৌওং খন্নরিবা বেঙ্ক নৎত্রগা পোষ্ট ওফিসতুদা CBS কী খুদোংচাবা লৈরবদি ইলেক্ট্রোনিক্কী পাম্বৈনা তৌবনা হেন্না কান্নগনি।